(থব্রাই পানবা, খোঞ্জেল খোহোক ঙমলিবা খৈবিকপু। ইশামকা পাংথক্নি নিঙ্না ঙাকপীবা)।

(৬) তম্না চাতং শেংপা।

(চাবা থক্পা, য়াই য়াদে খঙ্না মচি ওইবা ঙাক্তা তরু তরু চাবা, অফং অফংবা চাশিন্দবা)।

(৭) মীরুমশীপু অমৌ হু-ওইনপা।

(অতোপ্পগী মতু-মৱাবু হুগা পাংখকনি খন্বা)।

(৮) পথুপ লৈনেম শকপা।

(ঐনা মখঙ্দ্রবনি, হৈত্রবনি, ঐঙোন্দগী হেন্না খঙ্বা হৈবা মীওই কয়ামুক লৈ হায়ববু খননা পুক্লিং থম্বা)।

থৌরম,লিচৎ নিপাল্মা অসিপু ঙায়রোইননা কুরুম্ মখোঙ্ খাদা, মরাল হুম্ওইনরক্লে। মীপোক্ য়ায়ফপা লাইনিঙলোয়শিংনা।

(১) ক্লশী পুক্লিং য়াংপা।

(হায়বা য়াবা ৱানি, য়াদবা ৱানি খন্দনা, থোক্ হায়দোক্কনবা)।

(২) কনচাও মৈরা থোকপা।

(মরম ইচা চাদনা, অশাওবনা মাঙ্ওইনবা)।

(৩) ললপাম্ ইথৌ লাংপা।

(মীগী মরল্ মথুম উরুবগা কলক্ মিহৌবা পোকপা)।

(৪) পুক্লিং অঙক্ চঙ্পা।

(থবক পাংথোক্লবা হোৎনবদা, তৌশিরা তৌগুমশিরা হায়না চরক-চহিং নাইনা ৱাখল ফুম্বংনবা)।

(৫) নাপল ময়াম্ন কাপা।

(ঐ মঙাইরে হায়না নিঙ্না মপুক্লিংদা চাওথোক্চবা)।

(৬) য়েক্লা পাওনাই চেনপা।

(মী অমগা-অমগা য়েক্লানবা, নুংঙাইনদনবা ৱা পাও শন্দোক্পা)।

(৭) মিনম খুরাল হৈপা।

(ওইদবা নংতবা ৱারোল কয়ামুক্, অওইবা মান্নবা হায়জিন্বা হৈবা)।

(৮) **লৌশিং লাংথাক কনপা।**

(কন্নি হায়জিন্নপা, কন্নি শিরাগা থেম্বা য়াগদগে হায়বা হিরম থৌরম বাখললোল শাগৎপা হৈবা)*

শিলফম থৌরম নিপালমা অসিপু, সমু নম্‌তা হল্লান্‌থোক্লা চৎলক্‌পা লিচৎ শাচৎ চৎলিবা মীওইবনা, তেংপান্‌বা মপুবু, থম্মোইনুংদা লেংদনা থাগোম্নরম্মী।

সিংদবুং পুন্না :

তেংপানবা মপুগী মতিক্ মযায়বু "হুন্নি" হায়না শৈথানরম্মী। হুন্নি কৌবা লাইমরু, তেংপাল মরোল থৈবিক্তকি অথন্নবা মচিরেল মহাক্তামক ঙায়রবা। লৈরিবা পুন্নমক্তগী হান্‌গুং হান্‌বা অহান্‌বা, কোন্‌শুং কোন্‌গদৌববু লাই মাতনে নিঙ্নারক্‌য়ে। লিচং অশুন্না ওইরিঙৈ মতম্‌দা, মীনা শিরবগী, পোৎলোয়বগী থৌরমশু মখল মরি থোক্লা খুদোং চাগদবা থৌরম অমদা হেকমক পাংথোক্লরি। পোৎলোয় মীখল মরি অদুদি, ঈশিংগী পোৎলোই নুংশিৎকি পোৎলোই। লৈপাকি পোৎলোই। মৈগী পোৎলোই। ঈশিং, নুংশিৎ, লৈপাক অহুম্মাকি পোৎলোইদি শিথিনলো। মৈদি সিথিনকরোইয়ে॥ অসিনি॥

থিরেল লায়াৎ পুন্না :

কোন্নচক্তা, লমদম অসিগী মীওইবশিংগী লাইনিঙ (ধর্ম্ম) গী মমিংবু, পাথঙবা লাইনিঙ হায়না কৌরক্লবদা, ঙাক্লা চৎলক্‌পা লিচৎ-শাচৎ অমসুং লাইনিঙ লাইশোন্ থৌরম থরশিং:

(১) **য়ায়গী থন্নাই ওইশপু খঙবা।**

(মশক মওং অম-মম ওইনা, অহিংবা ওইরিশিংবু। মৈশা ইনিল ওইবা, তেংপাল্‌বা মপু মানা চঙ্না লৈবদগীনি খঙবা)।

(২) **মহাক্কি মশকপু মতোম্ উজাবা।**

(ঐ ঐগী ইশকপু মিংশেন্দা উবগুম। তরং অহাংবদা য়েংবা উবা হৈবা)।

(৩) **অমজদা ইকায়বা খঙবা।**

(মন্নদগী মন্না, মীওইবা ঐগী পুক্তগী হেন্না মন্না অমা লৈত্রবনা। কনানা খঙলোই উরোই হায়না, খলহৈদবা তৌহৈদবা, বাখল খলববু ইকাইবা।

(৪) **চাকপা তৌথিবা, (য়েলহেল)।**

(থাবাল্ অমসুং থা-থাগী য়েলহেল্ খঙ্‌না চাবা থকপা)।

(৫) **য়াহিপ মতাং খঙপা।**

(হিপ্পা তুম্বাবু, মতম্ অমদি মরম্ চাই-চাদে খঙ্‌না হিপ্পা তুম্বা)।

(৬) **থবাই হকচাং অনিগী মতিক খঙপা।**

(য়ায়পী থবাই হায়রিবগা, হক্‌চাং ওইরিবগা, অনিনা লৈনরিবা মরিবু মমুৎ তানা খঙবা)।

(৭) **য়ায়পী থবাই ঙাকপা।**

(মশক মওং অম-মম্ ওইনা লৈরিবা, খোঞ্জেল্ খোম্হোক্ ঙম্নীবশিংথৈবু ঙাক্‌পী কন্‌বীবা)।

(৮) **মমা-মপা লাই কুরুমকি য়াথং লৈখা তাহল্‌তপা।**

(ঐ ঐবু পোকপী শাৎপিরিবা ইমা-ইপা, মিৎনা উবা লাইগুম্লবা অনিগী য়াথং পাওতাক্ হিকতোক্‌তবা)।

(৯) **লিচৎ শাচৎ খঙ্‌বা।**

(রাঙাং শাঙাং, থৌদৌ লাংদৌ, থকশী খাশি ঙাক্লা চৎপা, হায়বা তৌবা লিচৎ ওইবা)।

(১০) **ঐনা চৎপা লিচৎপু থবাই ওইপা থৈপিক্লা য়াপিরপা।**

(ঐ-ঐনা হায়বনা তৌবা ঙাংবা থৈবিক্‌পু, অহল্ নাহা খাক্তনা য়াবিবতা নৎতনা। শা, কৈ, হুই, হৌদোং, লিল্‌নচিংবা থবাই ওইবা থৈবিক্লা, ঐবু উবদা নুংশিবা পোক্‌পা, হায়জবা য়াবিবা)।*

থবাই হক্‌চাং অনিনা খাইনাপপু, অবা নুংশি বাথল্লোল্ অহক্‌পা থমতবা। তাইপঙ্‌তা অশিবা (নোংমলবা) ওইবা থৌরমগী লাই হায়রিববু (ওইরিববু), পুক্লিং হকচাং পাঙ্গল ময়েং তাদ্রিঙে। তাইপঙ্ ওইপনা, শকখঙ্ মাইখঙননা (থৌরম্ব খঙ্‌না) হিংবা পুন্সি কাংলোল লিচৎ শাচৎপু। পাখঙ্‌বনা চৎপা লিচৎ ওইবনা, "হয়ি" কৌবা তাইবঙ মপুগা চান্নবা লিচৎ শাচৎপু পাখঙ্‌বা লাইনিঙ কৌয়ে।

অশুম্না ওইবা মীরম্চং শাচং অসিবু, থবাই পান্বা কনাশিংনা চংশা ওমতে। মীরম্চং অসিবু, কনাগুম্বা মীনা চংলাবদি, মী মরু, মী মহেল্, মী মচং, থবাই চংখোন্বা হায়না কৌয়ে।

মীওইবগী পুক্লিংগী মতিক : খন্নাংবা ব্রারি ইরেং: পুশালোল পুয়া :

মালেম তাইবঙ্ পালবা অসিদা মালং নুংশীং অয়াংবনা য়াংইকুম, তাইবঙ্ নমু পোঙ্ ওইবগী, পুক্লিংনা, হেন্না থোইনা মতিক কয়ামরুম্ য়াংথোইয়ে। তরং লাইজা ইপাকলেল্ চাওথোইবা ওমথৈ পান্তম্ নাইতনা পাক্ইকুম্, নমু তাইবঙ্ মীওইবগী পুক্লিং পান্তম্ নাইদবনা থোয়না হেন্না মপাক্লিয়ে। তুরেল লৈঙোই অকুপ্পা-পুশু নমু মীওইবগী পুক্লিংনা থোইনা হেন্না কুপ্থোইয়ে, হায়পবু—খঙনা পুক্লিং থোইনা শেংলবা। কোলোয় য়াথং চুমনা, লিন্চেল মরম্চং অফববু, পুক্লিং মহৌশাবু ওইনা, নমু তোংঙানবা খৈবিক্পু, থবাই মাগী মমিরেল্শুম, নুংশী পুক্লিং চংনা, থৌচাল লাংকোল-পিহৈবা। অশুমনা থৌরম পুক্লিং মিংয়েং অসিশিংবু, খুতুম চেংনা পায়জরবগা, কুরুম শ্না মখোঙ্ খাবু কাওদরবা মীওইশিংদি।

থবাই য়ায়বী মপুরেল্, কশা চিঙ্ভুব্রা সিদবনা, চেংলৌ মিংকুপ মরমতাপু থাদোকপিদনা য়োয়চান্বিয়ে। কোলোয় মমিংথোংশু, মী মরু থবাই থোইনা শেংলাবঅো তৌনা কৌনেয়ে।

মীওইবগী লিনচেলগী মতিক :

তাইবঙ্ নমু পোঙওইবা অসিবু,
লিন্চেল্ মরমচংনা
য়ারৌ শাশু মওইখিয়ে।
খোইয়ুম লাইশু মওইখিয়ে।
নমু মীশু মওইরিয়ে।
লমচং লিনচেল মতৌপু
তাইবঙ নোংশা-পাল্গী
নমু মী ওইরিবা খৈবিক্কি
সমু হক্তা থেংনা
মতোম্ মতোম্মানা পুনরিব্রা মশেলনে।

পোক্লিং পুয়া : মীওইবগী পুক্নিং ম্নিংয়েং :

কোরৌ থক্তা থোক্লিবা থান মথ্লুরগা (শিরুরগা) অমুক্ থোক্লকুনা, মপুং ফানা থানিল্ ওইরক্পগুম। মীওইবনা অঙকপা পোক্পদগী অৱাবা, অপান্না নুংশীবা, অকি-অখং মরম্ খৈনা লৈববু খঙবা উবা হৈগদনে।

মাগী মাগী ফংতবা মরমচংনা, নাপী শীংবী, শা-উচেক, তিন-কাং খৈবিক্ ওইরুরগা মপোক লাংওল অমারক্তা, অফবা মী ওইনাশুং পোক্লায়ে। ফংতবা মতোল্লোম্বা মীশিংনা, শা-ঙা তিন্ কাং খৈবিক্শুং মওইখিয়ে।

থৌরম অসিকিদমক, লাই কুরুম অথোইবা অমদি পলেম পম্বৌগী মতিক খঙনা, পুক্লিং মিংয়েং লাইনিঙ্ চেংকদনে।

খুং, খোঙ্, পুক্লিংনা, থরাই পানবা পুম্নমাক্তা ঙাকউ। অশাওবা খুদুম চন্দুনা থৌরম্ খৈবিক্পু চেংনা ঙাকউ। অশুম্বা ওইবা লিচং থৌরম্ অসিতি, শিরুরবা (উরুদ্রবা) থানা নিল্বাগুম্বনে।

মতৌ য়েংনা নুংনাংবা, মী মরুম্ তাংথবা, মিরেল থৈথাবা, রাহৈ য়াথং শোকপা নংহলবা, য়েক্লবা ফিখা থাবা খৈবিকপু হন্দোক্লুনা। হয়িগী লমদাং নিংথিববু নিংশিংজো। চারি-থক্লি খৈদি, সিদববু কাওদনা নিংশিংজরবদা, মপু মানা পেন্বা মওইরে। লল্ ওইবা মহৈ অচৌবদা ললতান্লুগনো। থক্লি অহলশিংবু লাইনি নিঙ্লাবগা, ঐগী অরেপ্পা খঙনা য়াথং লেপ্পমক্ ঙাকও।

থিরেল লায়াং পুয়া :

*(১) **হাওনা শংলৌ চমফুৎ চাও।**

(চাক্লেল অমা ওইনা চাগদৌরিবা, মনা-মশীং অমদি খোংক্রম মাইরেলগুম্ববু ওইরবসু, করিগুম্বা মখলগী পোং অমতা তিন্শিন্নদনা (য়ান্শিন্দনা) পোংশক অদু মতোম্দা চমফুৎ ফুৎতুনা, অহাওবা চারা অমা ওইনা চাও)।

(২) **লুনা হেন্না ফদি শেংলু।**

ঐ ঐনা শেংকা ইনগদৌরিবা ফি অদু, শেগাইরবা মল্লবা ফি ওইরবশু। মনম নমথিরবা মোংলবা ফি ওইনা শেং-ইনগনু। শুদোক চামথোক্লগা লুনা নান্না শেংলু-ইল্লু, নত্রবদি মশক উবা-উদবা, মহিক তিন-কাংনা

কায়দোংকম তুংনকম ওইবা কি ওইরক্লবদি, শেংলি ইন্নিবা মাঙোন্দা মশক উবা উদবা তিন্‌শিং অদুনা খুদোং চাবা পৌরকনি।*

হায়গ্রিবা থৌবম অসিবু ঙাক্লা চংলবগা। হন্নি কৌবা লাইমকবু মশক খঙ্‌না পুক্লিং থৌকাওবা লৈত্রবা মী মহাওগী, খোইয়ুম থৌজাল ফংলবা, অতাংবা মীওইনে।

হন্নি মিংলোল পুন্না :

বারম অমা হায়বকে। ঈশিংনা উন্‌তা পক্‌পা অমাংপাত্তি শেংয়ে। লাইপু নিঙপা শোনপতি থম্মোইনুংকি অমক্‌পা খোইশাং লিল্‌শাং ওন্না শেংয়ে। অশুন্না শেংলবশু লাইনদি যাদবিয়ে। হকচাং পুন্নমক শেংলবা— লাইনা য়াববা মী ওইবনি। খুৎ, খোঙ্‌, চিন্‌, মিৎ, পুক্লিং মবম মঙা অসিবু শেংলবা মী মহাক্‌ অদো, লাইনা যাববা মী কৌয়ে।

মবম্‌ মঙা অসিগী লুচিংবদি মিৎনে। মথং অমদি পুক্লিংনে। মিৎ শেংবা কৌবদি, য়েংহৈদববু য়েংদবা, উহৈদবা খৈবিক উনানবা হোৎনকদবা। উদবা, য়েংদববু মিৎ শেংবা কৌয়ে।

পুক্লিং শেংদবা কৌবদি, মীবু কলক্‌ য়েক্লবা খমবল চাওবা, অতোপ্পগী মবল পামলুবা নিঙলুবা মী অদুদি, পুক্লিং শেংদবিবা মী কৌয়ে।

খুৎ শেংদবা কৌবদি, খুৎনা শোক্‌হৈদববু শোক্‌উবা, লৌহৈদববু লৌকবা, চাক, লল্‌, শ্না, লুপা, হি, য়ায়, কনা-কনাশিংগী মবল ওইনা লৈবিববু পাযকদুনা লৌকববদি মখুৎ শেংদবা কৌযে।

মখোঙ শেংদবা কৌবদি, মখোঙ্‌না চঙ্‌হৈদবা মফম্‌দা চঙশিল্লুবা, খোঙ্‌কাপ মঙম ঙাক্‌ঙম্‌তববু, মখোঙ শেংদবিবা কৌযে।

চিন্‌না হায়হৈদববু হায়দবা, যাথং থোংহৈদববু ঙাক্‌পা ঙল্লবদি, চিন শেংবা কৌয়ে।

মিৎনা য়েংহৈদববু য়েংদবা। পুক্লিংনা নিঙহৈদববু নিঙদবা। খোঙনা চংহৈদবু চংদবা। খুৎনা শোকহৈদববু শোক্তবা, অমদি মাহৈ য়াথং অথুম্বনা মা হায়বা হৈববু, মী অফবশিং ওইযো। অশুম হায়না য়াথং ললকুবিবময়ে।

অহল লাইশীংবু মশক খঙ্‌বা, অপোকপা অপোক্‌পী মমা-মপা ওইববু লাইমক্লি নিঙ্‌না পুক্লিং চেৎপা ঙল্লবা। থক্‌শী খাশী যেৎ-ওই খঙ্‌না, থৌবম্‌

খুদিং— মাং থানা, থকশী কারন চলহন্দনা, মিৎনা লাইগী থৌরম খুদিং উবা ঙম্বা। পুক্লিংনা লাইবু নিঙ্বা, খুৎনা লাইগী থৌরম্ পাংথোক্পা। খোঙনা লাইফম্দা চৎপা। চিন্না লাইমিং শোনবা। নাকোংনা লাইরোল তাবা। অসিগুম্লবা মীওইশিং অসিদি, মীওইপোক য়ায়ফবা, লাইবু নিঙবা মী, মী মরু, মী মচং মপোক লাংওল অসিগী অতাংবা মী মহেন, হায়না কৌয়ে।

অসিগুম্লবা মীওইশিং অসিদি, তেংপান্বগী পাক্লবা ইরেল্পুঙ অন্নাবা অকিবগী ইরে অসিবু, কাওবেল ষনগী খোঙগুল মতমগুম্না লান্খিগদনে। ন্নাদনা নোংলৈপাক্তা কাখিগদনে। অশুম্না ওইবা থৌরম্বু লৈয়ে থঙ্না তৌজরো। হে তাইবঙ্ নমু মীওইপোক য়ায়ফবাশা।

মিৎনা য়েংহৈদবা খৈবিকপু য়েংগনবা। পুক্লিংনা নিঙহৈবা খৈবিকপু নিঙ্গনবা। চিন্না হায়হৈদবা খৈবিক্পু হায়গন্বা। খুৎনা শোক্হৈদবা খৈবিক্ শোক্কন্বা। খোঙ্না চঙ্হৈদবা মফম্দা চঙগনবা। অমাংবা নামুংবা, অপক্মা অকাম্বা খৈবিক্পু ঙাকপা ঙমদরিবা মীওইশিংদি। তাইপঙ্পাল্বগী অন্নাবা লাইজ্র ইবেলপুঙগুম্বগী, ইবেল অরৈবদা লৈশিন্খিরবা মীওইবশিংনে। অপক্ মাগী কোম্লেল নমথিবদা তাকউঙনে, হাযনা লাইনিঙশিংনা অশুম্ পাওতাক্লম্মে। (অসিশীং অসি পাখঙবা লাইনিঙ হায়রিবগী, লিচৎ শাচৎ খবশীংনি)।

তেনশিঞ্জবা ন্নারোল ওইনা :

পাখঙবা লাইনিঙগী হিবমদা, পুয়া লাইবিক্ খবশীংদা ইদুনা থম্লীবম্বা লৈবি। অশুম্না ইদুনা লৈরিবা হিবম থৌবমশিং কযাশীংগী মনুংদগী, হৌজিক মতমগী পুক্লিং লৌশিং চঙ্খোল্লবা মীওইপোক্ ওইবশিংনা ন্নাখল চুম্শিন্নবিদুনা, পাখঙবা লাইনিঙ হায়বিবগী মতাংদা মমুৎ তাবা পরিং নায়বা অমা পুথোকপগী মথৌ অমদি তঙাইফদবা অন্নাৎপা ওইনা লৈরে হাযজনিংই। মবমদি হৌজিক্কগীনা মাংগী হৌখ্রবা মতমদা, চহি চা খরা লাইনিঙ্ (ধর্ম্ম) গী ওইবা হিবমদা লৈখা তাকরবনা।

মবম অসিনা, পণ্ডলবা কবিশু খঙজদ্রবা ঐগী পুক্লিং ন্নাখল্দা, পাখঙ্বা লাইনিঙগী হিবম্দা থম্জনিংবা থৌবম্ ফালম্দি, লিচৎ-শাচৎ, পুক্লিংগী মতিক্, নিংশা কাঙ্লোল, লাইথৌ থৌনি, হকলোল্ (হকশেন্) য়ুম্বান্লোল্, হিংনবা চারি থক্লিবগী ফালম্, তাইবঙ লাংলোল্, অমসুং মীওইবনা পুক্লিং লৌশিং মাংড্রিঙে অশিবা (নোংমল্বা) ওইবগী থৌদোক ফালম্বু মাঙ্ওইননা খঙবনা, পাখঙবা লাইনিংগী অহক্পা পান্দমনি হায়জনিংই।

●●●

থেঙ্গৌরোল মাপন খৌশারোল মাপন পুথোকখিবা

লৈতানথেম হেরামোহং
প্রিন্সিপাল,
কংলৈ ইনাৎ থাঙ-তা সিন্দম শংলেন
কোংপাল চানম লৈকায়, ইম্ফাল

হয়ি লাই মরা সিদবা তাইবং মপুনা মপারি অশিবদা মালেম শেম্মু তাকপিরবদা, অশিবনা শেম্ফম খংদদুনা পল্পৌদা হঙ্গংলে। পল্পৌ মালেম লৈশাদি কদায়দগী লৌরকনি ? হে পারি নমা লৈমরেন শিদবি তম্ফা হৈগোয় চনু লৈরোন হনবিদগী, শিনৌ লুথোং শিল্লুক মরুমদং নিরুরগা থেঙ্গৌ চোংদুনা শেম্মু তাকপিরে। পলেম মমা মালেম লৈরোনহনবিদগী অশিবনা লৈপাক লৌরুদুনা মিরেন লাংশংগী মথক্তা লৈসিয়ে। থেঙ্গৌ মাপন শাদুনা লৈনেংলে। হৈ হৌ, লৈখোম, লৈচায়, লৈরোই থেঙ্গৌ শাদুনা মচি-মচি লোইশিল্লে। অসুম্না মালেম লৈশেম্লদা থেঙ্গৌশিং অসি পুথোকখি। পুথোকখিবা থেঙ্গৌরোন মাপনদুগী মমিংদি অসিনি। মদুদী –

১। অতান থেল থেঙ্গৌ।
২। লাননিংকাং থেল থেঙ্গৌ।
৩। অকৌ থেল থেঙ্গৌ।
৪। লৈচাক থেল থেঙ্গৌ।
৫। লৈনেং থেল থেঙ্গৌ।
৬। লৈতান থেল থেঙ্গৌ।
৭। চেংকোন থেল থেঙ্গৌ।
৮। লৈখম থেল থেঙ্গৌ।
৯। অখম থেল থেঙ্গৌ।

থেঙ্গৌ পুথোকখিবগী তাংথরকপদা খৌশারোল মাপন (৯) পুথোকখি। মদুদী –

১। খুঞ্জাও লৈচাও খৌশা।


২। কবুই লৈচাও খৌশা।
৩। তাংখুন লৈচাও খৌশা।
৪। মরাম অচৌবা খৌশা।
৫। মরাম নুংশেম্না খৌশা।
৬। মরাম মচা খৌশা।
৭। থেন মচা খৌশা।
৮। অখৌ মচা খৌশা।
৯। অখৌ চুংকোং খৌশা।

খৌ শাবা :

থাঙ-তাগি মঁহৈসি ইংবেজশিংনা তম্বা অমসুং শিজিন্নবা য়াহন্দনা শোক ১৮৯১ দগী হৌনা থিংজন্দুনা থমগ্রবনি। শোক ১৯৩৪ দগী হৌনা তম্বা অমসুং শিজিন্নবগী অয়াবা পিখিবদগী মণিপুবগী মচি-মচি খুদিংদা তম্বা হৌনবকখি। অদুবু মালেমগী অনিশুবা লাঞ্চাওদা এবোপ্লেন, বোম, তোপ, নোংমৈনচিংবা ফব-ফববা খুংলায কয়া উকুবদগী, নোংমৈ, তোপকি যুগসিদা থাঙ-তানা কৈদৌকগবনো হাযদুনা থাদোক্লবকখি। মসিনা মবম ওইদুনা থাঙ-তাগী মঁহৈসি পুন্মাং মাংখিবা য়াবগী ফিবমদা লৈকববনি। অদু ওইবগসু মঁহৈসি লাইসিংনা পুথোক্লুনা মখোয়না শিজিন্নবন্দগী ঐখোযগী ইপা, ইপুশিংদা থংথবমদুনা, তৎন-থানবা য়াববোইদবা লীপুন অমনা পুনবিবন্নদগী খুনাইসিগী ঈদা অমসুং লূ-তোংদা পক্লুনা লৈখ্রবা মঁহৈনি। অদুনা মতম খবা শিথককবশু হৌজিক্তী অমুক তপ্পা-তপ্পা হিঙ্গৎলক্লি। অদুবু অব্রাবদি মঁহৈসি চহি খবা থাদোক্লুবগী মমিনবা নত্রগা...../তৌথোক্লকপা খুদিংমক্তা ইপেন্দা পেন্দবগী নুংঙাইতবা অমদি ইচেন্দা চেন্নবদুনা লৈবি। খৌ শাবদা অমুক্তং মিংথেং চংদুনা যেংসি।

কাক যাত্রাদা পানা লাওনর্বিসি নুপা থোক্লা ইবাও লাওনদে ফিবেপশু চম্মি। খৌ শাবকপদসু মোলি-মোলি অকল অখৌগী শক্তম অমত্তা উদে। শোক ১৯৯৫ গী কাক যাত্রাদা ঐশু (হেবামোৎ) নগাকপ পানা পাম্বোম ওইদুনা খৌগন তৌখি। মদুদা খৌগন তৌমিন্নখিবশিং অদুসু অদু মগুায়। মসিমক্না থাঙ-তাগী খোঙজেন্দা খবা তপথনবগী মচাক ওইবি। মখাদা য়েক্লিবা খোঙকম অনিসিগী মনুংদা অমদা ওইবসু অমদা ওইবসু লেপ্পা মতমদা, খোঙ খবা ফাক্লপ তৌনা তীঙ-যাঙ চুম্না লেপকনি। পাযবিবা চুঙ-তাদ্ খুংপায চেংনা পাযবগা তাদু লংদ-

লাংঙক্কদবা ফিবেপ্তা অকল-অথৌগী শক্তমদা, মিং কল্লপ য়েংঙগা মায় কাংলপ তৌনা নুপা থোক্লা পানা লাওগনি।



পানা লাওবা— শ্রীশ্রীযুক্ত মনিপুরেশ্বর মহারাজ য়াইফবেন যাইফবগী মনাইদে, নহাকপ পানা মচাদে নহাদে। মসিগী পানা মবাওসি অনৌবা হিন্দু ধর্ম্ম চংঙক্লবা মতমগিনি।

থাঙ হাইবা পুথোকখিবা :

থাঙ হাইবসি হয়ি লাই মক সিদবনা মহাক্কী খুদোম্বিনা হাইবদগী পুথোকখি। খৌ শাবদা হকচাং থেংনা মক খিঙনা শাদ্রবদি খৌ শাকবগী মশক থোক্তে। খোঙ ফাক্লবসু, শুপচিল্লবসু চোংঙবগা লেপ্লা খুদিংগী তীঙ-যাঙ চুম্না মায হাযফেৎ হাইগৎলপ তৌবগা মিং কল্লপ যেংবা, খানা যেংবা, চুঙ-তা ফিবেপকি মতুং ইন্না মওং চানা পাযবা, অকল-অথৌগী ফিবেপ্তা নুপা থোক্লা লেপ্পা মদুদদা খৌ শাবগী মওং তাগদবনি। চেগপ চোংবদা খোঙনিংনা নিঙদা যৈবগা ৱাংনা চোংগদবনি। শা থৎপদা শাদুনা কিশনু হায়বগী শক্তমদা শাফু কয়া খোঙ থীল্লগা মিং খানা য়েংগনি। অদুগা খোঙফম অহুম চৎলগা ইশা কয়বগী মওংদা মাঙদা চুপ্ত ফৈনা থম্মগা তা যুংনা থাঙ্গত্তুনা শা থৎকনি।

লৈতেং থঙহাই :

লৈতেং মখল মবি (৪) শুই। মদুদি –

১। থাঙবি শকোক।

২। অথৌ।


৩। শিনৌ।

৪। পাঙ্গন্‌বা।

হায়রিবা থাঙহাই মখল মরি (৪) অসিগী খোঙফম অময়ম য়েক্লগা হাইগদবা থাঙহাইগা কোম্লনা মথাদা তাক্লি।

থাঙবি শকোক :

(১) খোঙফম মঙা (৫) গী পলান্দবি।




মথক্তা য়েক্লিবা খোঙফম অসি 'থাঙবি শকোক" কি খোঙফম্নি মমিংনা "খোঙফম মঙাগী পলান্দবি" কৌই। খোঙ য়েৎনা অহানবদা লেপ্লম্বা অঙ্ক মশিং থাদবা য়েত্তমক থাবা খোঙফম অসিদি খোঙফম মঙা (৫) অসিগী মনুং চন্দে। অদুনা খোঙফম অসিবু "লমলেম খোঙফম" হায়না খঙনৈ। অসুম্না খোঙফমগী মনুং চন্দবা থাঙগী খোঙফম য়াম্না লৈ।

"থাঙবি শকোক" সি থাঙ লৈতেং হাইবগী অহানবা মপিনী। মসিগী খোঙফম খুদিংমক চোংবা মতমদা 'থক্কি ফৈ থুপ্লগা, খোঙনিংনা নীঙদা তাক-তাক য়ৈদুনা চোংগদবনি। মিৎয়েং নায়েংশু থোইদোকপা অখন্নবা লৈতে। ওল্লি-ওল্লিবা মায়কৈদুনা ইচম-চম্না য়েংগনি। লু-লুকথবদি য়াদে। খোঙফমসিদা হাইগদবা থাঙহাইনা "কারন নোংথাঙ লৈমা" নত্রগা "য়েৎকি থক্কী ইরৈ নোংথাঙ লৈমা" থাঙহাই অনিসিগী মনুংদা অপাম্বা হৈনবা অমা থল্লগা হাইবা য়াই।

(২) অথৌ :

অথৌগী থাঙহাই অমসুং খোঙফম অসিদি ফজবা অমসুং নুপা থোকপদা লম যৌরবনি। অদুনা অথৌগী মনুংদা থাঙবি শকোক্কী খোঙফম অমসুং থাঙহাই খরা নত্তনা ফিবম, ফিদুপ, মিংয়েং-নায়েং, খোঙজোংনচিংবা অমত্তা মনি অদে। অদুমদি ওইরগা খোঙফম মঙা (৫) গী পলান্দবিগী থাঙহাইগী মতাংদা পনখিবা, "কারন নোংথাঙ লৈমা" অমসুং "য়েৎকি থক্কী ইরৈ নোংথাঙ লৈমা" হায়রিবা থাঙহাই অনিসিগা লোয়ননা, "ওইগী থক্কী ইরৈ নোংথাঙ লৈমা" গা অরুবা থাঙহাই অহুমসিগী থাঙবি শকোক্তা তমদুনা লোইশ্রবনি। হায়রিবা থাঙহাই অহুম (৩) অসিগী মথক্তা অরুবা তমগদবনি, "তরুত নোংথাঙ লৈমা" গা "কুপ তরং নোংথাঙ লৈমা" গা অনিসিখক্তা মঙায়রে। অনিসিনা অথৌদা তমগদবনি। থাঙহাই মঙা (৫) অসিদগী হেন্না লুবা অহকপা থাঙহাই অমা অমুক লৈত্রে। মঙা (৫) অসিনা লোইরে, মসিনা খন্মবনি। অথৌগী ফজবা খোঙফম তরামরি (১৪) গী শক্তম অমা মখাদা য়েক্নুনা তাক্লি। খোঙফমসিগী থাঙহাই অমা মশাগী ওইনা শাগোন্নদুনা লৈ। শাগোন্নবগী মতুংইন্না খোঙফমগা থাঙহাইগা মমিং তোঙান্না খাইদোক্লদে। অদুনা মখাদা য়েক্লিবা খোঙফমসিগী মমিং অসুপ্পদা "অকাবা" কৌই।

খোঙফম তরামরি (১৪) গী অকাবা।



লমলেম খোঙফমদি খোঙফমগী মনুং চন্দে।


থাঙহাইগা খোঙফমগা অপুনবা মমিংদা লৈশ্রবসু তন্না মতমদদি, মচেৎ-মচেৎ খাইদোক্লগা মমুৎ তানা তাক্তবা য়ারক্তবনিনা মতেক-মতেক ওইনা তাক্লি

মদুদি— খোঙ য়েংনা খোঙফম অনিশুবদা নেংপগা লোয়ননা, "য়েংকি থক্কি ইরেনোংথাঙ লৈমা" তংখায় হাইরগা "য়েংকি ত্ময়াম্বা" ফিরেপ্তা লৈগনি। ফিরেপকি মওংদি অনিশুবা খোঙফমদা নেংলিবা য়েংকি খোঙনিংদু কাওদুনা য়েংলোমদা লৈথোক্লগা চেপ্তক তৌনা লৈগনি। তুং থংদুনা অহানবা খোঙফমদা লৈহৌরিবা ওইগী খোঙদুদা হকচাংগী অরুম্বা পিরগা, ফৈ খিত্তং থুম্লগা হকচাং ওইরোমদা চেম্লগা লেপকনি। মায়না মাঙলোমদা খোঙ য়েংনা লৈরিবা মায়কৈদুদা ওনসিল্লগা, মায় অমসুং মিং খিত্তং হাইগৎলপ তৌদুনা মায়থোং মকা লাম্না লাপ্না য়েংগনি। য়েংথাঙনা খুৎনিং ফন্দোক্লগা ওইগী খ্বাংদা থাঙ পৈথহন্দনা ফৈনা য়েপকনি। থাঙ য়েপ্না মতমদা থাঙখোক অমসুং থাঙদোন অনিমক শাংবা চপ মান্নবা হকচাংদগী হেন্দেকহনগদবনি। ওই'থাঙনা ওইগী খুৎনিং থাঙ্কৎলগা য়েংকি পাম্বোম মরু মথক্তা থাঙ থমগনি। অদুগা থাঙদোন্না লৈবাক তম্না হাইফেৎ য়ুংথরপ থমগনি। য়েং 'থাঙনা তৌখিবগুম্না ওই'থাঙশু খোঙফম অহুমদগী হৌনা "ওইগী থক্কি ইরে নোংথাঙ লৈমা" থাঙহাই অমা তঙ্খায় হাইরগা, খোঙফম মরিদা নেংলগা "ত্ময়াম্বা" ফিরেপ্তা লেপকনি। য়েং'থাঙনা খ্বাংদা য়েপখিবা অদুগী শক্তমদা ওই'থাঙনা খ্বাংনা য়েপকনি। মথংশিংনা য়েং'থাঙনা ওইগী পাম্বোম মরু মথক্তা থম্মগা, ওই'থাঙনা তৌখিবগুম্না তৌবগা "ত্ময়াম্বা" ফিবে প্তা লৈগনি। অনিগী ওই, য়েং ওম্নবদনি। ফিবম, ফিদুপ, ফিরেপ থাঙহাই, মিংযেং নায়েংনচিংবা পুম্নমক চপ মান্নে। খোঙফম নিপান (৮) ফাওবা থাঙহাই অমসুং খোঙফম য়েং, ওই শিন্ন-শিন্নদুনা থাংগা, খোঙফম্ অনি-অনি হেক শুবা খুদিংগী 'ত্ময়াম্বা' ফিরেপ্তা লেপ্লমগনি। খোঙফম নিপান ফাওবসিগী তোঙানবা মমিং "চিরা অহুম কাবা", অমনা "ফুজা নুঙদুম শাবা" অসুম্না অনিথোক্না খংনৈ। থাঙহাইনা মথক্তা পনখ্রিবা (হাইখ্রিবা) "য়েংকি অমসুং ওইগী থক্কি ইরে নোংথাঙ লৈম" নি। নিপান (৮) শুবা খোঙফমদা লৈরিবা খোঙ ওইদু ওইরোমদা ফৈনা চংখ্রিবা মাপন (৯) শুবা খোঙফমদা থাংবগা লোয়ননা, "য়েংকি থক্কি ইরে নোংথাঙ লৈমা" হাইগনি। পন্থরমদনা তরেৎ (৭) শুবা খোঙফমদা লৈরিবা খোঙ য়েত্তু হকচাং ওইরোমদা লৈশিন্দুনা, তরা (১০) শুবা খোঙফমদা নেংলগা মাপন (৯) শুবদা লৈরিবা খোঙওইদু হকচাং ওইরোমদা অদুম্মক লৈশিন্দুনা তরামাথোই (১১) শুবা খোঙফমদা নেংকনি। হকচাং লৈশিল্লিদু লেপ্তুনা ওইরোমদা অদুম্মক লৈশিন্দুনা য়েংকি লেংনা ওইগী খোঙ মপা য়ৌনা লৈসিনগনি। ওইগী লেংশু য়েংকি খোঙ মপা য়ৌনা লৈসিন্দুনা থাঙনা "য়েংকি থক্কি ইরে নোংথাঙ লৈমা" থাঙহাই অহুম তংখায়দা লৌশিনবগা লোয়ননা, ওইগী ফৈ নম্মগা য়েং'থাঙগী থাঙদোন্না লৈবাক তম্না য়ুংথরপ তৌনা খুৎ অমসুং থাঙ তিংথোক্কনি। ওই'থাঙনা খুৎনিং হাইগৎলগা থাঙদোন্না য়েংকি খুত্তোন তম্না য়েংকি পাম্বোম মথক্তা পাম্বোমগা

কাথোক্লহন্দনা, পরিঙ চুম্লা থম্মগা "ফৌওইবি লৈথা" ফিরেপ্তা লৈগনি। অমুক "ওইগী থক্কি ইরৈ নোংথাঙ লৈম্না" হাইবগা লোয়ননা তরা (১০) শুবদা লৈরিবা খোঙ য়েত্থু থাজংলগা, খোঙফমদুদা অদুম্মক অমুক হন্না হন্জিন্দুনা খোঙফম তরানিথোই (১২) শুবা থাজনি। ইরোয়ননা তরামাথোই (১১) শুবদা লৈরিবা খোঙ ওইদু হকচাং য়েংলোমদা লৈসিনল্লগা, মাপন (৯) শুবা খোঙফমগী কাদুনা তরাহুমদোই (১৩) শুবা খোঙফম নেংকনি। হকচাং য়েংলোমদা অদুম্মক লৈসিন্দুনা তরানিথোই (১২) শুবদা লৈরিবা খোঙ য়েত্থু, তরেৎ (৭) শুবা খোঙফমগী কাদুনা তরামরি (১৪) শুবা খোঙফম নেংকনি। অদুগা "ফৌওইবি লৈথক" ফিরেপ্তা লৈগনি। খোঙফম নিপান (৮) দগী ওইরোমদা ফৈনা খোঙফম অহুম (৩) চংলিবা খোঙফমসিগী মমিংনা "খোঙফম অহুম ফৈচং লৈকোয়" কৌই। থাঙ হাইবদা মরক-মরক্তা "তয়াম্বা" অমসুং "ফৌওইবি" ফিরেপ হাপপিসি হাপত্রবদি থাঙ হাইবগী মশক মচু থোক্তে ইয়াং য়াংই। অদুনা অথৌগা শিনৌগা পাঙ্গলবগা অহুমসিগী লৈরিবা ফিরেপ ময়ামসিগী মনুংদগী, অপাম-অপাম্বা থল্লগা মরক-মরক্তা হাপকদবনি। থাঙবি শকোক্তদি হাপ্পদে। খোঙফম অমগা-অমগা তাইনবদশু লাংদাই খোঙফম হাপকনি। লংদাই খোঙফমদি থাঙবি শকোক্তশু থরমথৈদি হাপ্পে। শিনৌগী খোঙফম তরামরি (১৪) গী শক্তম অমা মথাদা য়েক্তুনা উংলি। খোঙফমসি মশাগী শাগোন্নবা থাঙহাই অমা লৈ। অতোপ্পা থাঙহাইশিংনা শিনবা য়াদে। অদুনা অপুনবগী মমিংদা "ওইগী খোঙফম তরামরি (১৪) গী নোংলৈ কোয়চং লৈকোয়" কৌই।

শিনৌ :

(৩) ওইগী খোঙফম তরামরি (১৪) গী নোংলৈ কোয়চং লৈকোয়।



অপুনবা মমিংদা লৈরগও তম্বদা মুম্না মচা খায়না খংনবা তোঙান-তোঙান খায়দোক্তুনা তাক্তবা য়াদে। মদুদি— অহানবা খোঙফমদা লৈরিবা খোঙ য়েংনা হক্চাং ওইরোমদা লৈদুনা খোঙফম অহুম (৩) শুবদা থাঙগা য়েংকি ফৈ নম্মগনি। অদুগা হকচাং উপ্পা পেনা চৈজিং শানা কোনগনি। খোঙ য়েংনা অহুম (৩) শুবা খোঙফমদা থাংবগা লোয়ননা অনি (২) শুবা খোঙফমদা লৈরিবা খোঙ ওইদু তুংহন্নমনা ওইরোমদা লৈসিন্দুনা, মরি (৪) শুবা খোঙফমদা থাংবগা ইরোয়ননা হকচাং লোংনা থেক্লা ওইরোমদা লৈথংহল্লক্কনি। অসুম হায়না খোঙফম তরানিথোই (১২) ফাওবা অমুক উপ অমুক লোং তৌদুনা হকচাং লৈন-লৈনা থেক্তুনা চংকনি। অদুগা খোঙফম তরাহুমদোই তরামরি (১৩/১৪) হেক নেংথরকপদা "পাম্ভোইবি নুংওন" ফিরেপ্পা লৈগনি। মখাদা ফোটোদা উংলিবসি "পাম্ভোইবি নুংওন" ফিরেপ্নি।


পাম্ভোইবি নুংওন ফিরেপ।



পাঙ্গনবা :

পাঙ্গনবগী "খাগী কাজুম অহুমগী খোঙফম তরুক (৬)" কৌবা অমা মখাদা য়েক্তুনা উংলি।

(৩) খাগী কাজুম অহুম (৩)



লমলেম খোঙফমসিদি খোঙফমগী মনুং চপ্পে।

খোঙ থাংবা অমসুং থাঙ হাইবা হৌরমদাইদা অহানবা খোঙফম অমসুং "লম্লেম" দা লৈরিঙৈদদি লেপকনি। অহৌবদা "লমলেম" খোঙফমদা লৈবিবা খোঙ য়েংনা অনিশুবা খোঙফমদা হেক থাংবগা লোযননা, হকচাং কুহ্‌দুনা অহানবা খোঙফমদা লৈবিবা খোঙ ওইদু খুকউ লৈবাক তাগনি। অদুগা অনিশুবদা নেৎলিবা খোঙ যেক্তুনা অহুমশুবা খোঙফমদা থাঙ্গনি। থাংবগা ইবোযননা অহানবা খোঙফমদা তুং থংদুনা লৈহৌবিবা খোঙ ওইনা, কুয়া-কুয়া হকচাং যেংলোমদা লৈশিল্লগা খোঙফম মরি (৪) দা নেৎকনি। পম্বা তৌদনা হকচাং তুংলোমদা লৈশিল্লগা খুকউ লৈবাক তাবগা কুপ্‌দুনা লৈগনি। মথংদা অমুক অহুমশুবদা লৈবিবা খোঙ যেক্তুনা মঙা (৫) শুবা খোঙফমদা নেৎকনি। মথংশিংনা মরি (৪) শুবা খোঙফমদা লৈবিবা খোঙ ওইনা, তরুক (৬) শুবা খোঙফমদা অবোয়বা ওইনা থাঙ্গনি। থাঙহাইনা "য়েংকি থক্কি ইবে নোংথাঙ লৈমা" হাযগনি। অবোযবা ওইনা অথুবদা ফুদোক্তুনা হাইগে হায়বগনা "কুপ তবং নোংথাঙ লৈমা" হাইগনি।

করিগীদমক্তা লৈতেংগী থাঙ-তা পুথোক্লম্মিবনো ?

ঐগোযগী ইবমদমগী লাইসিংগী অমসুং লৈবাক নিংথৌগী থৌবমশিংদা থাঙ-তাগী শরুক খবা য়াওদবা যাদবগী অকক্লবা খবা লৈব্রবসু, মানা-মানা পাম্বা থাঙ-তাগী মহৈ উংপদা হেন্না অযাবা পিবম্মী। মসিগী চংনবিসিমক্তা অঙাং, লৈশাবি, পাথং, মৌ, হনুবা, হনুবি খাক্তুনা মীপুম খুদিংমক থাঙ-তাদা যাওন্নহন্দুনা, হবাও-কুম্মেগী শক্তম ফাওবা লাই হাক্তক্তগী হৌনা থাঙ-তনা ওইবকই। ঙসি ফাওবা খবমথৈদী চংনবি। লৈতেংগী মচাক কযাগা লানগী মচাক কযাগা য়ানসিন্নবগা পুনশিন্দুনা, লৈতেংগী মপুং ওইবা শরুক কয়া শেম্বিবম্মী। মসিগী মক ওইবা মবমদি শা-লান্দা থাঙ-তা শিজিন্নবকপদা নিংঙক-নিংঙকপদা খুৎলোইনবা, শা-লানগীদমক্তা যান্না ফবরা শাজেন মথল অমা ওইনা শান্নহল্লগা হবাও-কুম্মদা পুশিন্দুনা উংহনবনি।

শা-লান্দা চন্নদে :

থাঙন হাইবদা যেং'থাঙ, ওই'থাঙ পায়বশু, চুঙ্গোয়গা যেংথাঙগা পায়বশু খুৎলায় অনি থেংনবা, থাঙদোয়া ফিদা লৌবা, কোযেং খদাংচেং তাবা য়াম্না হম্বনা লৌনৈ। মপা চাবা খুদম অমা পিবা তাববদি নাম্ম শোযরবা মীগা পাংথক্লি শা-লান্দা চন্নবা য়াদে। তমথৎলকপা অঙাংশিংনা তৌবদি কায়দে।

লৈতেং থাঙহাইগী মথং-মনাও শেম্বা :

থেঙ্গৌরোল অমসুং খৌশারোন্দি মশাগী হাননা লৈরম্লিবা খোঙফম ফিবম ফিদুপ্পচিংবা মথং-মনাও অমত্তা কায়বা অমসুং শোয়বা য়াদে। থাঙ লৈতেংগীদি খোঙফম অমসুং থাঙহাই লৈরিবশিং অসিগী মনুংদা, ইশা-ইশানা অপাম্বা হৈনবা য়েংদুনা খন্দোক-খঞ্জিন তৌরগা পরীং অমা ইশানা শেমজবা য়াই। হায়বদী লৈরেংবি (মালিনী) অমনা মখল মথেনগী লৈশক-লৈচু কয়া হেকউরগা, ফজগদবা য়েং-য়েংদুনা লৈ পরেং লেংবগুম্বনি। তৌবদবু চৎনবি থুগায়দুনা শেম্বদি য়াদে। মথং-মনাও শেম্বগী মশাগী অককুবা চৎনবি অমদি শাগোম্নদুনা লৈ। মদুদী থাঙ হাইরমদাইগী লাইদা অমসুং ওঋাদা খুকম্বদা ইশানা হৈজবা থাদুনা ফজবা থাঙহাই অমসুং খোঙফম কয়ানা লৈশি লৈথোন্দুনা খুৎ অনি চংঙগা য়েৎ'থাঙ ওই'থাঙ পুন্না হাইমিন্নবা থাঙহাই শিজিন্নবা য়াই। খুরম্বা মতুংগী অহানবা থাঙ হাইবা হেক হৌরকপদা, খুৎ অনি চংদুনা য়েৎথাঙ ওইথাঙ পুন্না হাইবদি য়াদে। য়েৎ ওই ওন্নবগু য়াদে। য়েৎনা হান্না হৌরগা ওইনা কোন্না হাইগনি। অদুদগী য়েৎ ওই শিন্ন-শিন্নদুনা খিত্তং থুরপ তৌবা অমা হাইবগু য়াই। হায়দ্রবসু য়াই। খাওন হাপকে হায়রগনা খাওন তম্ভায় নত্রগা অচম্বা খাওন অমা হাপকনি। অখন্নবা অকনবা খাওন্দি ময়ায় চল্লকপা নত্রগা লোইরমদাইগী, অথুবা তারমদাই অমসুং অথুবা মরক্তা থেত্তুনা হাপ্পা য়াই। মথং মনাও শেম্বগী চৎনবিদী মথং-মথং অসুম-অসুম ফজখৎলক্কদবনি। ফজখৎলকপগা লোয়ননা খর-খরা থুজিলহনগদবনি। মরক্তা তপথহনবা য়াদে। চাং অমদা লৈবদি য়াই। মরক্তা খরা হম্বুবা অথিবা হাপ্পুনা শিথহনবা য়াদে। খাইদগী লুবদি তাঙ অনি হাইপ্রবা মতুংদা, থাঙ নাম্ম হাইদুনা মরক্তা থেৎচিনবা য়াদে য়াম্না নামুংঙি।

লৈতেং থাঙহাইগী মথং-মনাও শেম্বা :

মসিদি থকশি-খাশি কয়না অঙাংনা ফমেন কাখৎলকপগুম্বনি। অদুগা ঐখোয়না থাঙ হাইবগী মথং-মনাও শেম্বদা, খোঙফম অমগা-অমগা তাইনবদা "লংদাই" হাপ্তবা য়াদে। থাঙ হাইবগী মরক-মরক্তা ফিরেপ হাপ্পদা নত্তনা, অরোয়বগি অথুবা থাঙহাই মরক্তগু ফিরেপ হাপ্পা য়াই। লাংদাই অমসুং ফিরেপ হাপ্তনা হাইবা থাঙনা কৈদৌনুংদগু মশক মচু থোকপা হৌনদে। য়াফমসি মথক্তগু পনপ্রবনি।

অপুনবগী মিংদা শিজিন্নবা য়াদে :

নহাক্না হাইদৌরিদু করি থাঙহাইরোম্নো ? নহাক্না হৌজিক শাখিবদু করি

খৌশারোম্লো ? থেঙ্গৌরোল, খৌশারোল, থাওহাইরোল হায়রিবা অপুনবগী শক্তম্ খংনবা ৱাহৈসিনা, মমিং অমা হংবদা শিজিন্নবগী লাল্লি।

নহাক্না হাইদৌরিদু করি থাওহাইনো ? নহাক্না হৌজিক শাখিবদু করি খৌশানো ? অসুম্না হায়গনি মসিনা অচুম্বনি।

হৌজিক্কি মতমসিদা য়াম্না শিজিন্নবা ৱাহৈ অমনা "মসিগী থাওহাইসি নোংথাঙ লৈমনি।" থাওহাই অমগী মমিং হায়বদা "নোংথাঙ লৈমা" বু থাওহাই অমগী মমিং ওইনা শিজিন্নবদী লাল্লি। মরমদি নোংথাঙ লৈমা হায়বা থাওহাই অমা অমুক তোঙান্না লৈতে। থাওহাই খুদিংমক নোংথাঙ লৈমনি। মসিগী খুদম অমা হায়জগে। কমেজ, পুময়াং, নিমাই, অসিনচিংবা পুম্নমকসি ফুরিং ঙাক্তনি। ফুরিং হায়বা তোঙানবা মশক অমা অমুক তোপ্পা লৈতে অসিগুম্বনি।

লৈকোয় :

লৈকোয় হায়রিবা খুৎলায়সি মখল অনি শুই। মদুদি– থৌরি লৈকোয়, কোংয়াং লৈকোয় অসিনি। থৌরি লৈকোয়দা অমুক খুৎলায় মখল মরি (৪) খায়দোকই। (১) শদিং (২) তিম্বোং (৩) মথাং (৪) চরোং। হাইবগী মওংশু মখল মঙা (৫) থোক্লা লৈ। মদুদি– মাঙগী কাবন তুংগী কারন, থক্কি কারন, ইরৈ, য়াংবি মখোয়সিনি। হায়রিবা খুৎহাইশিং অসি কুম্মৈদা উৎপদা অঙকপা ফংনা ফজৈ। থৌরি লৈকোয়গী মখল মরি (৪) মক চৈ অহুম লোংই। মরিসিগী মনুংদা "শদিং" লৈকোয়দি ফুনবগীদমক্তা য়াম্না ফরবা, মীবু লায়না মায়থিবা পিবা ঙম্বা খুৎলায়নি। অদু ওইরগশু ফুনবদা খক পায়নদে ইকায়নৈ। কোংয়াং লৈকোয় অনি পায়রগা কুম্মৈদা হাইবদা অদুক্কি মতিক য়ানা ফজৈ। অদুগা নাম্মা পায়রগা ফুন-চৈনবদা শিজিন্নবা য়াম্না নুংঙাই। য়েক্লববু থুনা লাকশিনবা ঙম্মি। ঙম্মগশু কনা অমত্তনা খক শিজিন্নরুবা লৈতে। লৈকোয়দি মরু ওইনা খুজেং নৌহন্নবগী খুৎলায়নি। লৈতেংদা ওইরশু শা-লান্দা ওইরশু খুজেং নৌরিঙৈ অফবা শরুক্তা ওই।

লৈতেং থাওয়াম্নবা অমসুং তা চায়নবা :

লৈতেং থাঙ য়াম্নবদা মী অমনা মী অনিগা পান্নবদা মী অনিগা লম্বা তৌনরিবা মীদুনা ময়ায়দা লৈরগা, মহাক্কি নাক য়েত্তা অনিদুনা মাবু চপ্পুনা থম্মগা মখোয় অহুম্মক মফম মতম চপ-চপ মান্ননা য়ানসিনবা ঙাকপা তৌই। মফম মতম মান্নদনা য়াম্নবগী শরুক অমত্তা শুময়াও য়াওদে। খুৎফম খংনরগা য়াম্নবনি

হায়বদু অতাক্লে। থাঙ য়ান্নবা ওইরগু তা চায়নবা ওইরগু মফম অমত্তদা হঞ্জিন-হঞ্জিন মঙা তরুক (৫ / ৬) লক য়াম্না থুনা নোংথাঙ কুপ্পগুম, পংয়াব্দা য়ানসিনবা পংথিব্দা থিজিনবা তৌনরিবা অসিগু তৌহন্নিংদে। য়াম্না শাথিনা লানমন্নি ! চুঙ্গোয় পায়রগা য়ান্নবদগু য়াল্লক্লিবা থাঙদু চুঙ্গোয়না ঙাক্কেদি হায়দ্রগা, থাঙ মশেন য়ান্নবা ঙাকপা খুরক হাংদমখৈ পংতৌদা তৌনে। চুঙ্গোয় পায়রিসি লৈতেংগী ফজনবা পায়বা নত্তে ঙাক্লবনি থাঙনা য়ান্নবনি। থাঙ-তাগী মনুংদা ফাগী তাদুনা য়েংনিংদবগা লোয়ননা অরানবসিং অসিনা, হৌজিক্কী থাঙ-তাসি মাইবনা খুং থারবা অনাবা অমগী শক্তম য়ৌশিল্লক্কদৌরে হায়বদা থোইনা লাল্লরোয়।

শারৈ-শারা :

মী চিনবা মফমদা ফুবা মী কুক-কুক ইন্নবা মফমদা হায়বদি হরাগড়ী মনুংগী ফম্ফম ফাব্দা নত্রগা শিনেমা, ড্রামা হোলনচিংবা ওইরবগু, করিগুম্বা য়ানরক্তবা অমদগী ফম্মিন্নরিদু ফম্ন-ফম্না ফুগে হায়বদি, ঐগী ওইদা ফম্মিবা য়েক্লবদুগী মখদাং অতুম্বদুদা ঐগী ওইগী খুবাক ময়ায়দা তাহল্লগা পায়সিনগনি। হেক পাসিনবগা খুদক্তা য়েংনা মহাক্কি লবাইগী মশম পায়রগা, ঐগী য়েংলোমদা লৈখা তম্না মঙক লৈখায়রগা ঐগী মাঙদা ফৈনা থাদগনি। অদুগা অরোয়বা ওইনা মমায়দা ময়াদা মথবাক্তা নত্রগা মপুক্তা খোঙনা কাউশিনগদবনি। য়েক্লবদুনা ঐগী য়েত্তা ফম্বা ওইরগসু ফুবগী মওং চপ মান্নে। য়েং ওই ওন্নবদনি।

লোংনা থেকথরগা ফুবা— ফাব্দুনা ঙাথফম য়াওদ্রদী খুং ওইনা মাগী মতুংলোমদগী লুমাংগী মশম লামখৎলগা পায়গনি। অদুগা মশাদু মতুংলোমদা লোংনা থেকথগনি। থেকথবগা লোয়ননা মাঙোল্লোমদা হকচাং লৈসিল্লগা খোঙ ওইনা, মমায় মথবাক্লচিংবা খুদোংচাগদবা য়েংদুনা কাউসিনগদবনি। নত্রগা মশমদু চিংখৎলগা মমায়দা খুং য়েংনা খুবাক তিংথোক্লগা ফুজিনগদবনি।

ঙকথি চপ্পা— কনাগুম্বনা ঐগী ওইরোম থংবা নাকব্দগী ঙকখি চপখ্রবদি ঐগী ঙক্তা চপ্লকইবা মখুং অনিদুগা, ঐগী খৌরিগা তাইনবা কারক্তুদা খুং য়েংকী খুংশা মঙা (৫) মক মথকলোমদগী খুংতোম্না লৈমায় তম্না লোনসিল্লগা, ঙম্বমখৈ কম্না পায়সিল্লগা মপাল্লোমদা লৈথবগা লোয়ননা লৈমায় তম্না কম্না চিংথগদবনি। মসি মানা ঙক্তা চপখিবদু খাংবদা ন্নাদনবনি। লেপ্তুনা মথং তারকথপদনা ঐগী খুং ওইনা মতুংদগী মকোকল্লোমদা লামখৎলগা, মাগী লুমাংগী মশম পায়রগা মঙক্তু লোংথেক থেক্লদবনি। থেকপগা খুদক্তা খুং য়েংনা মমায়দা ফুজিনগদবনি।

মখাং থুদেক্কে হায়রগনা মহাক্কী মখোঙ য়েত্তু ঐগী খোংয়েৎনা মমাংদা থৎলগা, খুৎয়েৎনা ইবানিগী কারক্তা লোনসিন্দুনা মশমদু ওইগা পুল্লপ পায়মিন্নগনি। অদুগা লৈমায় তম্মা চিংথদুনা মশাদু লোংথেক থেক্লকপদা মখাংদু তেক্কনি।

মীৎহাৎ মীকন :

থাঙনা পুক্তা থিল্লকপা– য়েক্লবা অমনা ঐগী মাঙদা থাঙ মচা অমা পায়রগা পুক তম্না থিল্লকপদা মহাক্না থিল্লক্লিবা থাঙদুগী অহানবা খোঙহৌগী মতমদুগা চপ মান্নদা, ঐগী খোঙ ওইনা ঐগী ওইরোমদা মাগীনা য়েৎলোমদা খোংকাপ অমা লাওরপ্লা খংথাং থাংদোক্কনি। থাংদোকপগা ইরোয়ননা ওইগী খুত্তুম ক্রক-ক্রক তাসিল্লগা অরৈবা পাঙ্গল থাদুনা য়েৎকি লেংনা খোঙ ওইগী মপা য়ৌনা লৈসিল্লগা, থাঙ পায়দুনা থিল্লক্লিবা মখুত্তুদা খুত্তুম তাখিবা খুৎ ওইদুনা মখারোমদগী মথক্লোমদা খংফু-ফুগত্তুনা ঙাক্কনি। পত্থদনা খোঙ য়েৎনা মাঙোল্লোমদা খোঙহৌ থুনা থাংজিনগনি। অদুগা য়েৎকি খুৎনা ময়াগা মনিৎকা পান্নদা খুৎশা কোনসিল্লগা ফুজিনগনি।

ফুরিৎ কোলর পায়রগা থাঙনা থিল্লকপা– য়েক্লবনা মখুৎ ওইনা ঐগী ফুরিৎ কোলব পায়বগা মখুৎ য়েৎনা থাঙ মচা অমা পায়রগা পুক্তা থিল্লকপদা। খুদক্কুমক্তদা ঐগী খুৎ য়েৎ খুত্তুম কয়া তাসিনবগা লোয়ননা, খোঙকাপ অমা খোঙয়েৎনা ঐগী খোঙ য়েৎকি নাকল্লোমদা থাংদোক্কনী। থাংদোকপগা ইরোয়ননা য়েৎকি লেংনা ঐগী খোঙ মপা য়ৌনা শাফু কন্না খংলৈ লৈশিন্দুনা, খুত্তুম তারিবা য়েৎত্তুনা থাঙ পায়রিবা মখুত্তুদা হাইগত্তুনা ফুগৎলগা ঙাক্কনি। মথংশিৎনা য়েৎখি খোংচেক্লা শোকফম অমদি রাম্থফম য়েংদুনা কাওসিনগনি।

তানা পুক্তা থিল্লকপা– য়েক্লবনা ঐগী পুক্তা তানা থিল্লক্লবদি অহানবা থিল্লকপা হৌরকপগী খোঙহৌগা, মতম চপ মান্নদা ঐগী য়েৎলোমদা খোঙ য়েৎনা খোঙকাপ অমা লাওরপ্লা খংথাং থাংদোক্কনি। থাংদোকপগা লোয়ননা খুৎয়েৎ খুত্তুম ক্রক-ক্রক তাশিল্লগা, তা পায়রিবা মখুত্তুদা মখারোমদগী মথক্লোমদা হাইগত্তুনা খংফু ফুগৎত্তুনা ঙাক্কনি। ঙাকপগা পত্থদনা খোঙ য়েৎকী খোঙচেক্লা মপুক, মফৈগন্নচিংবা খুদোং চাবা য়েংদুনা কাওশিনগনি। নত্রগা ঐগী য়েৎলোমদা খোঙ য়েৎনা খোঙকাপ অমা লাওরপ্লা খংথাং থাংদোক্কনি। অদুগা খুৎ অনিনা লৈবাক্তা শৌরগা পাকথগদবনি। লোয়ননা খোঙ ওইনা তা পায়রিবা মখুত্তুদা কাওসিনগনি।

●●●

অরিবা খূৎই লাইরিক

নাউরোইবম ইন্দ্রমনি
স্টেট অবকাভস, ইম্ফাল

ব্রাহৌদোক ঃ

Cultural heritage হায়রগা মসিনা পুরিবা ব্রাহম্বোক অসি সম্না ফোঙদোকপা তারবদি ইপা ইপুশিংদগী ফংফম থোকপা অমা ওইনা ফংজহৌবা নাৎকি সরুক নত্রগা পোৎসকশিং হায়না লায়না ব্রাহম্বোক পীবা য়াই। মতাং অসিদা নাৎ নৎত্রগা Culture হায়বসিগী ওমখৈ অমা লেপপা তারবদি Anthropologists অমদি অতৈ Scientist শিংনা "human culture as learned behaviour acquired by individuals as members of a social group" হায়না মশক তাকনৈ। "Culture" হায়বা term অসি Edward Tylor কৌবা British anthropologist অমনা ইহান হান্না খৃ: ১৮৭১ দা "that complex whole which includes knowledge, belief, art, morals, law, custom and any other capabilities and habits acquired by man as a member of society" হায়না ওমখৈ পীদুনা সীজিন্নবা হৌখি। MacIver and Page না Culture বু "the realm of styles, of values, of emotional attachments, of intellectual adventures" হায়না মসক তাক্লম্মি।

অসিগুম্বা Cultural heritage গী মনুঙ চন্না মৈতৈগী লাই ওইশ্রবা ইপা ইপুশিংনা তুংগী মীরোলশিংগী য়েংদুনা চেকসীন্না, লুনা থম্বীরম্বা তাঙলবা, মমল য়াম্লবা খূৎই লাইরিকশিংগী মরমদা নৈনদুনা মশক তাকপা, মগুন লেপ্পা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওইবা অমনি হায়না লৌই। খূৎই লাইরিকপু "Webster's Comprehensive Dictionary না "An ancient mode of writing; ancient writings collectively" হায়না অর্থ পী। মৈতৈ হায়বা কাঙলূপ অসি ওল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা থৌদোক-ব্রাথোক, ব্রারী-ব্রাখূল কয়া ইসিন্দুনা থম্বগী হৈনবী অমদি চৎনবী লৈবা মীওই কাঙলূপনি। মতম অমা লমদম অসিদা printing technology অমদি facility লৈত্রিঙৈ, মৈতৈগী লাই ওইশ্রবা ইপা ইপুশিংনা লমদম অসিদা ফংবা পোৎলম, পোৎচাক কয়া সীজিন্নদুনা মসিঙ

য়াম্লবা, তোংঙান তোংঙানবা হীরম কয়াগী মরমদা লাইরিক কয়া ইদুনা থম্বিরম্মি। লাইরিকশিং অসিগী মতেংনা ফুরূপ অসিগী হৌরকলোন, খুন্নাইরোল, নাংকি লীখুল, চৎনবী, য়ুমলৈ কৈরে, চাকচা ঈথক, ফিজেৎ চাকচা, হৌন-লোনচৎ, অঙনবা মতমগী খুন্নাইদা ঙাঙন-সক্লরম্বা লোনগী মশক, লৈঙাক ব্রায়েল থৌদা, সিনসূ সিনলং, হিংবগী মহিং, সেনবা থুম্বারোলনচিংবা কয়াগী খোঙ্গুল লীনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং, উপাই, কান্নরবা মচাক অমা ওইনরি। অসিগুম্বা তাঙলবা খুৎই লাইরিকশিং অসিবু ইপা ইপুশিংনা মীরোল অমদগী অমদা মথং মথং সিন্নদুনা লাকপনা ঙসিগী মীরোলনা ইপোৎ ইরল ওইনা সীজিন্নবা ফংজরিবনি।

নৈনরম্বা হীরমশিং :

অবিবা খুৎই লাইরিকশিংদা নৈনরমলিবা হীরমশিং অসি য়াম্না পাক চাউই। হৌজিক হৌজিক ফংবা ঙম্লিবা চাউরাক্লা লাইরিক মসিঙ ৬০০ লোমগী মনুঙদা ফংবা ঙম্বা তোংঙান তোংঙানবা মচাক, লীখুল, মশক, য়েংলুরগা চাউরাক্লা মখাগী হীরমশিং অসি পৌরপনা খায়দোকতুনা উৎপা য়াই। মদুদি— (১) ইতিহাসকি ওইবা, (২) সাহিত্যগী ওইবা, (৩) লম্মীৎ তুমীৎকি ওইবা, (৪) সা-লানগী ওইবা, (৫) লাইনিঙ লম্নীগী ওইবা, (৬) লৈঙাক পথাপ, ব্রায়েল থৌদাগী ওইবা, (৭) পাঞ্জিগী ওইবা, (৮) লায়য়েং পথাপকি ওইবা. (৯) মৈহৌবরোল. য়ূমদা য়ূমখাইরোলগী ওইবা, (১০) লৈসেম নোংসেমলোনগী ওইবা, (১১) ঈরাৎ থৌনিরোলগী ওইবা, (১২) জগোই ঈশৈগী ওইবা, (১৩) তুংদা থোলক্কদবা থৌদোক তাকপা, (১৪) ব্রাংউলোনগী ওইবা, (১৫) লাইফম তীনফম তাকপা, (১৬) লাইসোল তীনসোলগী ওইবা, (১৭) লাই-তীনগী ব্রারী. (১৮) পাউরৌ পাউতাক্কি ওইবা, (১৯) লাইব্রা তীনব্রাগী ওইবা অসিনচিংবশিং অসি মপুঙ ওইবা হীরমশিং ওইনা খায়দোকপা য়াই।

ময়েক ঃ

অরিবা খুৎই লাইরিকশিং ইবদা সীজিন্নরমলিবা ময়েক অসি কাঙলূপ অসিগী ওইবা মৈতৈ ময়েক হায়না খঙনবা ময়েক্লা ইরম্বনি। অথেঙবা মতমদা ইবা লাইরিক খরদি বাঙ্গলা ময়েক্তা ইরম্বসু থেংনৈ। হৌজিক সনা কোনুং পণ্ডিত লোয়সঙদা থম্লিবা 'সঙ্গাই ফম্মাঙ" লাইরিকসি বাঙ্গলা ময়েক্লা আগরপাক্তা ইবনি।

মৈতৈময়েকসি কয়া য়াম্না লিরবা ময়েকনো হায়বগী মতাং লাকপদা লৌথংলগা নৈনবা য়াবা লীখূলশিংদি লমদম অসিদা ফংবা stone inscription শিং অমদি খূৎই লাইরিকশিং অসিনি। stone inscription শিংগী মনুঙদা খোইবুদা য়ুংলম্বা মৈদিংঙু সমৈরাংগী (খৃ. ৫১৮-৫৬৮) মতমদা য়ুংলম্বা মাগী য়াথং য়াওবা stone inscription না খ্বায়দগী লিরবা অমদি মতম অদুদগী হৌনা মৈতৈ ময়েক লৈরে হায়বগী ৱাফম Gangmumei Kabui না মাগী লাইরিক্তা ইরি। মসিনা চুম্বা তারবদি মৈতৈ ময়েকসি য়ামদ্রবদা ৬ শুবা চহীচাদদি লৈরে হায়বসিনি। মসিদগী থেঙথরকলগনা মৈদিংঙু ক্যাম্বগী (খৃ. ১৪৬৭-১৫০৮) মতমদা য়ুংলম্বা মাগী য়াথং য়াওবা খোইবুগী stone incription নি। হায়রিবশিং অসিনা stone incription না পীবা লীখূল ওইরগা মখা তানা খূৎই লাইরিকশিংনা পীবা লীখূল অমুক নৈনদুনা য়েংবা য়াই। এম, চন্দ্র সিংহনা edit তৌরগা ফোঙবা 'পাম্বোইবী খোঙ্গুল'লাইরিক্কি ৱামাঙ য়ানবদা লাইরিক অসি মৈদিংঙু খোঙতেকচাগী (খৃ: ৭৬৩-৭৭৩) মতমদা লৈরম্বা অকোইজম তোনবোই কৌবা অমনা ইরম্বা লাইরিকনি হায়না পল্লি। ৱাফম অসিবু হেন্না মপাঙ্গল পীরীবনা ফয়েংগী copper plate কী ৱাফম অসিনি। ফয়েংগী copper plate অসি মৈদিংঙু খোঙতেকচাগী মতমগীনি হায়না ৱাহেংবম য়ুমজাউনা মত পীরম্মী। মথংদা পীবা য়াবা লীখূল অমনা হৌজিক মৈদিংঙু ক্যাম্বগী হাকতক্তা (খৃ: ১৪৬৭-১৫০৮) ইরম্বা, হৌবনা মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বদগী ইবা হৌবা চৈথারোল কুম্বাবা লৈরি। মসিদগী খরা ঙনখৎনা খৃ: ১০৭৪ দগী ১১২২ ফাওবা পানখিবা মৈদিংঙু লোয়য়ম্বগী মতমদা ইরম্বা লাইরিকনি হায়না লৌনরিবা 'লোয়য়ম্বা সিলয়েন' অমদি 'লোয়য়ম্বা লাইখাই' কৌবা লাইরিক অনীখক ফংলিবা অসিনা থেঙলবদা মৈতৈ ময়েক অসি ১১ শুবা চহীচাগী মতমদদি চপ চানা লৈরে অদুগা ঙল্লবদা ৬ শুবা চহীচাগী মতম ফাওবা ঙনখৎনা থম্বা য়াই।

মৈতৈ ময়েক অসি করম্না হৌরকখিবগে হায়বগী মতাংসু মরু ওইবা হীরম অমা ওইগনি। মসিগা মরী লৈননা লমদম অসিদা পায়নরিবা খূৎই লাইরিকশিংদি- (১) ৱাকোকলোন থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক, (২) ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক, (৩) পাথংবা নাউয়োম অমদি (৪) ময়েক লাইসক খঙবা হায়রিবা লাইরিকশিংসি পনবা য়াই। অহানবগী লাইরিক

অনী অসিগী মতুং ইন্নদি ময়েক অসি হকচাং কায়াৎশিংগী মশক মমিংদগী ময়েক হৌরকপগী ৱাফম পী। অদুগা অকোনবগী লাইরিক অনী অসিদনা লাইনিপা, লাইনুপী অমদি ফৈদাদগী ময়েক হৌরকপগী ৱাফম পী।

হায়রিবা মথক্কি ৱাফম অসিনা খূৎই লাইরিক্লা পীবা লীখূল ওইরগা লমদম অসিগী Scholar শিংনা পীবা অতোপ্পা লীখূলশিংসু লৈরি। রা:কু: সনাহল সিংহগী লাইরিক্তা মৈতৈ ময়েক অসি 'সংস্কৃত দেবনাগরী ময়েক্তগী থোরকপা ময়েকনি' হায়না মাগী মত পী। J.C. Higgins কি লাইরিক্তা হায়রিবনা 'The Archaic Meitei script is said to have been introduced from India by Khagemba and to be derived from Devnagari' হায়বসিনি। ৱাহেংবম য়ুমজাউনা মাগী লাইরিক্তা মৈতৈ ময়েকপু 'The general resemblance of the old Manipuri script with the Devanagari character in their cuts and appearance will convince one of the fact that this script was formulated mainly on the basis of the Devanagari to the exclusion of the Bengali one, whose figures they have adopted perhaps later on' হায়না ইরি। R.K. Jhalajit Singh গী লাইরিক্তনা 'Manipuri script evolved from Brahmi on the soil of Manipur হায়না ইরি।

মথক্তা পীরিবা লীখূলশিং অসিদা লৈরিবা চয়েৎনবা কয়া অসি য়েংলুরগা মৈতৈ ময়েক হৌরকপগী চপ চাবা ৱারেপ অমা ৱারোই তানবা হায়বসি অরায়বা ৱাফম নত্তে। মৈতৈ ময়েক্কি মওঙ মতৌ, ইবগী পথাপ্পু মুন্না কূপ্না নৈনদুনা য়েংলবদি Scholar শিংনা পীরম্লিবা ৱারোলশিং অসি চুম্বা য়াবগী ওইথোকনিঙঙাই অমদি থাজনিঙঙাই কয়া লৈ। অদুম ওইনমক অতোপ্পা ময়েককি মতৌ তম্বা কয়া লৈরমলবসু ময়েক অসিমক্তি লমদম অসিগী ওইজবা তোপ তোপ্পা ময়েক্কি সক্তমনি। ময়েক অসিবু মণিপুর সরকারনা ময়েক মসিঙ ২৭ থক লৌখৎতুনা খৃ: ১৯৮০ গী এপ্রিলগী তাং ২২ দা Gazette Extrardinary No. 1/2/78-SS/E থোক্তুনা চৎনবা হৌখ্রে লোয়ননা মহৈ লোয়সঙশিংদা মহৈরোয়শিংবু তম্বীবা হৌখ্রে।

মণিপুরনা নোংচূপ লমগী চৎনরোল, লোন অমদি সাহিত্যগা কা হেন্না নকসিন্নরুবনা লমদম অসিগী লোন অমদি ময়েক্তসু অকনবা সাফূ পীদুনা অহোংব,

অওনবা কয়া লাকখিবগী খুদম ফংঙি। সংস্কৃত অমদি বাঙলাগী খোঙ্হোক কয়া চান্নগা ইনবা হোৎনবদা অনৌবা ময়েক কয়া সেমগৎলকুনা ময়েক মসিঙ হেনগৎলকপগী খুদম কয়াসু ফংঙি। অসিদসু নত্তনা ইবগী মওঙ, নমুনাদসু ময়েক অমগা অমগা তপসিন্নবনচিংবা অহোংবা কয়া লাকই। মরম অসিনা খরা ওল্লিঙৈ মতমগী লাইরিক্কা খরা থেঙলবা মতমগী লাইরিক্কা অনীগী মরক্তা অচৌবা খেন্নবা কয়া উবা ফংঙি।

লোন :

অরিবা খুৎই লাইরিকশিং ইবদা সীজিন্নরমলিবা ৱাহৈশিং অসি হৌজিক হৌজিক সীজিন্নদ্রবা, ঙাঙন-সরুদ্রবা অরিবা লোয়া অয়াম্বনি। ইরম অসিদা চঙসিল্লুবা, থিজিল্লুবা, নৈনরুবা মী'ওই নত্তনা অরিবা লোনশিং অসিগী অর্থ মীওই অমনা হেক্তা খঙবা ৱাগনি। খুদম ওইনা ৱাহৈ অমা অনীদং লৌখৎতুনা য়েংলবদা ফজবা, নিঙথীববু অচলবা, পোকপবু ফূইবা অমদি সাৎপা, হল্লকপবু ওন্দোরকপা অমদি হলৱাইরকপা, চীনবানবু মোইকাই, ৱাবু কোঙয়াং অমদি লাংলেন, থাঙবু কজেং অসিনচিংবা।

করিগুম্বা পোৎসক নত্রগা ৱাহৈ অমবু তোংঙান তোংঙানবা ৱাহৈ কয়ানা খঙনরম্বা থেংনৈ। খুদম ওইনা সিবা হায়বসিবু খঙনরম্লিবা ৱাহৈশিংদি— অমল, অসি, খমনুং, খাঙলেনবা, নোংগাবা, নোংমনবা, নোংহাম্বা, পন্দনবা অসিনচিংবা। ঈসিংবু— লাইজা, ঈ, তরং, ঈৱা, তমলেন, ওংথি, ইনুং, ইমূ, লোকলৌ, য়াৱা অসিনচিংবা ৱাহৈশিং অসিনা খঙনরম্মি। মৈবু— খৈল্লে, থাম্বী, মৈত্রেঙ, অরাবা, চকমোম, য়াই অদুগা নুঙবু— খেল, চেঙজা, নুঙখেল, থৌদু অসিনচিংবা ৱাহৈশিং অসিনা খঙনরম্মি।

অরিবা খুৎই লাইরিকশিংদা ৱাহৈ অমনা তোংঙান তোংঙানবা অর্থ কয়া খঙহনবসু লৈ। খুদম ওইনা তাঙজা হায়বা ৱাহৈ অসিনা খঙহল্লিবশিংদি— লিন, ঙক, কোক, ঈকায়বা, মায়, খোঙ, সম, লৈ অসিনচিংবা। পুনুং হায়বা ৱাহৈ অসিনা খঙহল্লিবশিংদি— মরেপ, চফূ, পূক্নুং, ফূরীৎ, লফুনচিংববু খঙহল্লি। সমু হায়বা ৱাহৈসিনা— খোঙ, খুৎ, হকচাং, নংগল, ঙক, কোক, লেংজুম, পাংগল হায়রিবা ৱাহৈশিং অসিবু খঙহল্লি। সাৱানা— লাইবক, সো, তু, থৱায়পানবা অসিনচিংববু খঙহল্লি।

অরিবা খৃৎই লাইরিকশিংদা সীজিন্নরম্বা ৱাহৈগী তোপ-তোপ্পা থোইদোক হেন্দোকপা অমনা ৱাহৈ অনী নৎত্রগা অহুমবু prefix suffix তৌরগা ৱাহৈ অমত্তা ওইনা সীজিন্নরম্বা কয়া অসিনি। মসিগী খুদম ওইনা ৱাহৈ অমা অনীদং লৌথৎপা তারবদি– নাউথেমসৈ হায়বা ৱাহৈ অসিগী অর্থসি অঙাং থেম্বদা সকনবা ঈসেবুনি। ৱাহৈ অসিদা নাউ = নাউবা, থেম = থেমবা, সৈ = ঈশৈ। লানথৌয়াঙ হায়বগী অর্থনা লান্দা থৌবা হায়বনি। অদুবু মসিদা লান = লান্দা, থৌ = থৌবা, য়াঙ = য়াঙবা হায়বা ৱাহৈ অহুমবু prefix suffix তৌদুনা ৱাহৈ অমত্তা ওইনা সীজিন্নৈ। অসিগুম্বা মওঙসিং অসি খৃৎই লাইরিকশিংদা তোয়না থেংনৈ। অসিগুম্বা ৱাহৈশিং অসিগী অর্থ হয়বা হোৎনবদা রুত ওইবা ৱাহৈশিং খাইদোক্লগা ৱাহৈ অদুগী অর্থ লায়না থিবা য়াই।

অরিবা লোনগী য়াম্না হেন্না লুবা, য়াম্না হেন্না ফজবা অমনা ৱাহৈ অনী, অহুম অমদি মসিদগী হেনবা ৱাহৈশিংনা পূল্লগা তোংঙানবা অর্থ পীবা কয়াসু লৈ। মসিগী খুদম খরা পীবা তারবদি– লুচিংববু হাওসি ঙমগা চিংবা, হনুববু হন্নু মালৈ কাবা, সনাবু মালেম লৈম্না অঙাঙবা, লুপাবু কোৱৌ নোংলুপাল অঙৌবা, সিববু অমল থরে কৃম্বা, অমল সিরে তেংবা, অমল য়াইথোঙ কৃম্বা, অসম্বা থিববু পোইরে তাবা থিবা ৱাংঙম হায়মন তানবা অসিনচিংবা। অসিগুম্বা ৱাহৈশিং অসিদি ৱাহৈ ৱাহৈগী ওইনা অর্থ হনবা য়াদে। তঙায়ফদনা অসিগুম্বা ৱাহৈশিং অসিগী অর্থদি চীনফা পুবা চঙঙি। নৎত্রবদি ইরমলিবা লাইরিক অদু মমৃৎ তানা নিঙথীনা খঙবা ঙম্লোই।

ইরম্বা মতম লেপপা ঃ

অরিবা খৃৎই লাইরিকশিং অসি তোংঙান তোংঙানবা মতমদা ইরম্বনা মসিগী অরি অঙনগী মমি লাইরিকশিংদা তাই। মহৌসানা অঙনবা মতমগী লাইরিকশিংদা অইবা মীগী মমিং মথা, ইবগী সক তারিক থাবগী চৎনবী লৈরমদে। লাইরিকশিংগী ফিভম সোকচিল্লকপা, মাঙসিল্লকপনা অমদি লাইরিক অমদগী অমা মথং মথং সিন্দোক্লরম্বনা সিল্লিবা মীসক অদুনা মমিং মথা ইসিনজবা তারবসু ইজবনি হায়বনচিংবা ৱাহৈ সীজিন্নরম্বনা কনানা তসেংনা ইবনো হায়বা খঙবদা অৱাবা ওইহল্লি। তসেংনা অইবা মীগী মমিং অমদি সক থাবান্নচিংবা ইরমদ্রবসু লাইরিক অমবু করম্বা মতমদা ইবা ওইরম্বা য়াবগে হায়বা খিনবা, খঙনবা উপাই

খরা লৈ। হায়রিবা উপাইশিং অসিগী মতেংনা লাইরিক অমগী ইরম্বগী মতম চাউরাক্লা লেপথোকপা ঙমনৈ। মপুঙ ওইবা লাইরিক ইরম্বগী মতম পুথোকনবা উপাইশিংদি –

(১) লাইরিক্কি মসাদা মশক নাইবা মীগী মমিং মথা য়াওব্রা য়েংবা, (২) লাইরিক্কি মসাদা লমমীৎ লোনদা য়াওবা লম মমিংনচিংবা য়াওব্রা য়েংবা, (৩) ময়েক্কি development য়েংবা, (৪) ৱাহৈ ৱাতাদা অনৌবা ৱাহৈ, মীরোলনচিংবা য়াওব্রা য়েংবা, (৫) লমদম অসিগী নত্তবা হিন্দুগী লাইশিংগী মমিং য়াওব্রা য়েংবা, (৬) লাইরিক ইরম্বগী খূৎই মওঙ য়েংবা, (৭) লাইরিক অদুগী মসাদা অইবা মী অমদি সক থাবান্নচিংবা পল্লব্রা য়েংবা, (৮) ইতিহাসকি ওইবা মরু ওইবা থৌদোক পল্লব্রা য়েংবা। হায়রিবা উপাই খরসি সীজিন্নরগা লাইরিক অমবু ইরমবা মতম চাউরাক্লা লেপথোকপা ঙম্মি।

লাইরিক ইনবা মচাক ঃ

পৃথ্বীগী ওইনা অরিবা খূৎই লাইরিকশিং ইবদা সীজিন্নরম্বা মচাকশিংদি মপুঙ ওইনা চে, নুঙ, উপাক, উকৃ, তেংনা মনা, কোনা মানা, সউন, ফি, কোরী, স্না, লুপা, চেক, লৈপাকনচিংবদা ইবগী থবক তৌনরম্মি। মণিপুরদা মপুঙ ওইনা সীজিন্নরম্বা মচাকশিংদি মৈতৈ চে, আগরপাক, তেংনা মনা, ৱাচেৎ, কোরী কোনপাক, নুঙ হায়রিবা পোৎচাকশিং অসিদা অয়াম্বনা ইরম্মি। য়াম্না হেন্না মরাঙ কায়না সীজিন্নরম্বদি লমদম অসিদা লনাই সাজবা মৈতৈ চে হায়না খঙনবা চে অসিনি। মণিপুরদা চে সাবা হৈত্রিঁঙৈদা উকু অমদি তেংনা মনানচিংবদা ইবগী থবক তৌনরম্মি হায়বগী থাজবী লৈনৈ।

মৈতৈ চে অসি সৃ হায়না খঙনবা অপীকপা পাম্বী অমগী মকুদগী লৌবা লসিংগুম্বা অমোনবা, অকুপ্পা মসিংনা, ঈশিংদা হৈরগা সাবনি। হৈবা লোইরবা চেবু নুংসাদা কংহল্লগা মসা চেৎসিন্নবা, লিংনবা অমদি মূক চুপসিন্দনবগীদমক ইরোইয়া কৌবা চাক য়াম্না কনবা, মহাও য়াওদবা ফৌ মখল অমগী চনাং থাদুনা চেগী মপাংগল কলহল্লি। মৈতৈ চেদি– এসিদকি সরুক য়াওদবা মরম্না মতম কুইনা সাংনা চৎপা ঙমমি। হৈরবা চেবাংবু ইবা য়ানবগীদমক কাংখিন মহৈ নৎত্রগা লমওক্কি ময়ানা তক-নান্দুনা চেগী মমায় নালহল্লি। চেদা ইরম্বা খূৎই লাইরিকশিং অসি লাথূপ অমদি লাতম হায়দুনা মখল অনীথোক্লা খায়দোকই। লাথূপতি পাকহন্নিংবা চাংদা সাংনা ককলগা মথূপ মথূপ থূপচিল্লগা ইবা লাইরিক্কি। লাতম্না

পাকপা সাংবা মাম্নবা ককলবা চেনাশিংদা ইবা লাইরিক্লি। মৈতৈ চে সাবা, হৈবগী অকৃপ্না কাঙলোনদি তোপনা লৈপ্রে। হৌজক্তি চে সাবসি সূ পাম্বী ফংদবদগী হান্নগী চেমলনা নৌনা সানরে।

খুৎই লাইরিকশিং ইবদা সীজিন্নরম্বা মূক অসিসু লমদম অসিদা লনাই সেমজরগা ইনরম্বনি। মূক সেম্বদা চঙবা মচাকশিংদি উদা সৌবা চা, কালি, চেঙ অকাবা, উতী হায়রিবা পোৎচাকশিংসি চাং চানা য়ানসিন্নদুনা মৈদা লোনথোক্লগা সেম্বনি। মৈতৈগী মসানা সেমজবা মূকতি মুবা, চেৎপা হেনবতা নত্তনা ঈশিংনা চামবদা চৎতবা অদুগা এসিদসু য়াওদবা মখলনি। মরম অসিনা মতম কুইরবসু ময়েক মাঙদনা মুনা লৈবা ঙম্মি। ইবা মতমদদি ইননবা কলম ওইনা সন্নেবী ঈতীংবগী ব্রাচেৎ, কমেং, লাইব্রানচিংবশিংনা মতোন তুম্না ঈৎথোক্তুনা, মতোন মৈ মূরগা কলম সেমদুনা লাইরিক ইনরম্মি। করিগুম্বা মতমদা উচেক মতুগী কলম সীজিন্নরম্বগী ব্রাফমসু থেংনৈ।

অরিবা লাইরিক্কি মতম থায়দোকপা ঃ

মৈতৈগী অরিবা খুৎই লাইরিকশিং ইরম্বা অসি অঙনবা মতমদগী হৌরগা য়াম্না থেঙথরক্লবা মতম মৈদিংঙু চন্দ্রকির্তিনা পানবা মতম ফাওবা ইথরম্বগী খুদম ফংঙি। অদুবু চৈথারোল কুম্বাবদি মৈতৈ ময়েক্লা অদুম লেপতনা ইথরি। হৌজিক হৌজিক ফংলিবা লাইরিকশিং অসি ইরম্বগী মতম অমদি খুৎইদা অহোংবা মশক কয়া লাকপা উরুরগা অরি অনৌগী তাংকক অসি মৈদিংঙু গরিবনিব্রাজনা পানবা মতমদা মৈতৈ লাইরিকশিং মৈ থাদোকখিবা থৌদোক খৃ: ১৭৩২ গী মমাঙগী লাইরিকশিংবু অঙনবা মতমগী লাইরিকশিং অদুগা থৌদোক অদুগী মতুংদা ইথরকপা লাইরিকশিংবুনা অথেঙবা মতমগী লাইরিকশিংনি হায়না লৌনৈ।

তাংকক অসিগী মমাঙগী লাইরিকশিং অমদি মতুং তারকপা লাইরিকশিংদা চাউনা অহোংব, খেন্নবা মশক কয়া উবা ফংঙি। চাউরাকপা খেন্নবশিংদি অথেঙবা মতমগী লাইরিকশিংদা অইবগী মমিং মথা, সক থাবান্নচিংবা পল্লকপা, সংস্কৃত, বাঙ্গলাগী লোনগা নকসিন্নরুবনা লোনগী খোম্বোক্তা অহোংবা অওনবা লাকপনা তঙায়ফদবা ময়েক্তা অমদি ইবগী মওঙদা অহোংবা লাকপা। হিন্দু ধর্ম লৌরুবনা লাই তীনগী মমিংদা হিন্দুগী লাইগী মিং সীজিন্নরকপা অমদি মৈতৈলোনগী মহূত্তা সংস্কৃতকি ব্রাহৈ কয়া তোৎসিন য়ানসিল্লকপা, রামায়ন মহাভারতকি খণ্ড

কয়া মৈতৈলোন্দা ইবা হৌরকপা অসিনচিংবা অহোংবা মশকশিং অসি উবা ফংঙি। অসিদগী হেন্দোক্তুনা বাঙলা ময়েক্না ইবা লাইরিক কাওবা য়াওরকই।

তুং-কোইনা চংনবা পাম্বৈ ঃ

মহৌসা অহল লমনশিংনদা অরিবা খুৎই লাইরিকশিংবু মতম কুইনা, সাংনা চংনবা, তীন কাওনা চীকথৎতুনা মাঙদনবা উপাই কয়া সীজিন্নরম্মি। খুৎই লাইরিকশিংবু মথক মখা উপাক অনীনা চপসীল্লগা চেংনা পুন্দুনা অমুক ফিনা নিঙথিনা য়োমশিল্লগা লুবাক নংত্রগা তাবু মনুংদা হাপলগা থমনরম্মি। করিগুম্বদা লপতা থাংগৎতুনা মৈখূ অমদি মৈনিল ফংহন্দুনা preservation method সীজিন্নরম্মি।

অরিবা খুৎই লাইরিকশিংবু মরু ওইনা মাঙহল্লিবসি Silverfish অমদি উচিনচিংবনা চীকথৎপা, চাথোকপা অসিনি। খরা হেন্না লিরবা, কুইরবা লাইরিকশিংদা Silverfish না চীকথৎপদগী মখূন কয়া হোদুনা লৈবা থেংনগনি। Silverfish না চীকথৎপা, হুৎতৎপদগী কন্নবা খ্বাইদগী লায়বা পাম্বৈদি লাইরিকশিংবু তোয়না ফাকপীবনা খ্বাইদগী চম্বা পাম্বৈনি। মতম কুইনা পায়বী সোকপীদনা, ফাকপীদনা থম্বা লাইরিকশিংদি হায়রিবা তীল অসিনা চীকথৎতুনা মাঙহন্নিঙঙাইগী চাং ৱাংঙি।

মথংদা লাইরিকশিংবু মাঙহন্নবগী অতোপ্পা মচাক অমনা কোকফাই সুজা কাবা অসিনি। লাইরিক থম্ফম কা অদু লৈনিল কাবা মফম ওইরবদি কুইরবা, লিরবা লাইরিক্কি চেনানা ঈশিং মনিলশিং চূপসিল্লি। মসিনা মরম ওইদুনা কোকফাই সুজা কাহন্নবগী মচাক ওইহল্লি। লাইরিক্কি চেনাদা কোকফাই সুজা কাবনা লাইরিক ময়েক্তা মাঙহনবতা নত্তনা চেদসু মতেক মতেক তেকলকপগী ওইথোকপা লৈ। অসিগুম্বা ফিভম লাক্লবদি লাইরিকশিংদু নুংসাদা পংকুই কুইদনা ঙাইহাক ঙাইহাক মরক মরক্তা পুথোক্তুনা ফৌদোকপা কান্নগনি। মরম অসিনা য়ারিবমখৈ লৈনিল কাবা কাদা লাইরিকশিং থমদবা ফৈ।

অতোপ্পা মাঙহন তাকহন্নিঙঙাই ওইবা অমনা ঈশিং চাউবা অমদি য়ূম নোং য়ুসিনবনচিংবদগী লাইরিকশিং চোৎথিদুনা মাঙ-তাকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। ঈশিং চোৎশ্রবা লাইরিক্তি য়ারিবমখৈ থুনা কংহন্নবা হোৎনগনি। মরমদি লাইরিক্কি চেনাশিংবু মসা কন্নবা, লিংনবা, মূক চূপসিন্দনবা চনাং থাবা মরম্না

ঈশিং চেংলবা লাইরিকশিং চেনা অমম্বা অমম্বা নপসিন্নখিদুনা ফাকপা ঙমদনা লাইরিক কয়া মাঙখিবা য়াই। লাইরিকশিংবু য়ারিবমখৈ ঈশিং থুমলোইদবা, ঈশিং চোংলোইদবা মফমদা নিঙথিনা থম্বিগনি।

য়াইদগী লায়বা মওঙদা লাইরিকশিংবু মতম কুইনা সাংনা চংনবা পাম্বৈদি অতেক-অকায়, অহো-অরাক য়াওদবা উগী নত্রগা য়োংকি উপু মনুঙদা লাইরিকশিং হাপ্লগা Naptheline Ball নত্রগা Naptheline Cake হাপ্পীদুনা উপু মখুম চেংনা থিংজিন্দুনা থম্লবদি Silversfish, উচি অমদি অতৈ তীল-কাঙ কয়ানা লাইরিকশিংবু চীকথংতুনা মাঙহনবদগী কনবা ঙমগনি। মতম মতমগী ঈশিং নুংসিংকি অহোংবা ফীভম লাক্তুনা নুংসিংতা ঈশিং মনিলগী চাং কা হেন্না য়াওবদগী লাইরিক্না চুপশিনখিদনবা ফিনা চেকসিন্না য়োমসিন্দুনা মপানগী নুংসিং নুংসাগা থেংন-সমনহন্দনবা হোৎনগনি। লাইরিক্কি চেনাশিং নিঙথিনা তিংনা লৈনবা মথক মখা উপাক চপতুনা চেংনা পুল্লগা থমগনি। মরক মরক্তা লাইরিকশিংবু ফাকতোকপিবা, নুংসাদা লাক্কক লাক্কক ফৌদোকপসু কোকফাই সুজা কাবদগী কনবা ঙমগনি। য়ারিবমখৈ লাইরিক থম্বা কাদা লৈনিল কাদনবা হোৎনগনি। হায়রিবশিং অসিনা লাইরিকশিংবু মতম কুইনা, মপুন্সি সাংনা থম্বদা অচৌবা মতেং ওইনগনি।

হৌজিক্তি চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না সেল অমসুং মতম খরা চঙজরবসু Hand lamination তৌদুনা কুইরবা, ফিভম সোক্রবা লাইরিকশিং অমুক কুইনা সাংনা লীদুনা থম্নবা পাম্বৈ লৈরে। হায়রিবা থবক অসিদি লনাই মীওইগী custody দা লৈবা লাইরিকশিংগীদমক্তি পাঙথোকপদা খরা ৱানা থোক্লবসু Archives Office কুম্বা সরকারগী লোয়সঙশিংদদি মসিগী ওইথোকপা লৈরে। Hand Lamination না তৌদ্রবসু Thymol সীজিন্নরগা Fumigation Chamber দা হাপচিল্লগা লাইরিককি মসাদা হান্না লৈরম্বা মহীক-মতাই, তীল-কাঙগী মরাম হাংতোক্তুনা মখা তানা মাঙথরকপদগী কনবা ঙম্মি।

ৱারোই ঃ

ঙসিগী মীরোলগী খুত্তা লৈনরিবা, পায়নরিবা লাই ওইখ্রবা ইপা ইপুশিংনা তুংগী মীরোলশিংগীদমক থম্বীরম্বা মমল য়াম্লবা লাইরিকশিং অসিবু ঙসিগী অমদি তুংগী মীরোলনা তেকত-কায়দনা, মাঙহন্দনা মতম কুইনা চংনবা ঙাকপী সেম্বিবা

হায়বসি তৌদবা য়াম্রবা অমনি। লমদম অসিগী ইতিহাস, লমদম অসিগী নাৎ য়োকখৎতুনা থম্বা হায়বসিদা অরিবা খুৎই লাইরিকশিং অসিগী কান্নফম, সীজিন্নফম মপাল নাইদে। মরম অসিনা লাইরিকশিং অসিগী মমল খঙনা লুনা চান্না ঙাক সেন্দুনা থম্বনা লমদম অসিগী, কাঙলুপ অসিগী য়াইফবা ওইগনি।

মতেং লৌখিবা লাইরিকশিং ঃ

১। R.M. MacIver and H.Page– Society, 1998.

২। Grolier Encyclopedia of Knowledge.

৩। An International Webster's Comprehensive Dictionary.

৪। W. Yumjao Singh– Archaic Meitei or Early Manipuri, 1985.

৫। রা: কু: সনাহল – মণিপুর ইতিহাস।

৬। J.C. Higgins – Notes on Meithei Beliefs and Customs, 1998.

৭। W. Yumjao Singh– Report on Archaeological Studies in Manipur, 1935.

৮। R.K. Jhaljit Singh – A History of Manipuri Literature, Vol.-II, 1998.

৯। এল, ইবুংঙোহল সিংহ – অমসুং এন. খেলচন্দ্র সিংহ – চৈথারোল কুম্বাবা, ১৯৮৯।

১০। এম. চন্দ্র সিংহ – পাম্বোইবী খোঙ্গুল, ১৯৮৭।

১১। এন. খেলচন্দ্র সিংহ – অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস, ১৯৯২।

১২। এন. দিনচন্দ্র সিংহ– খুনুংলোনগী অর্থ, ১৯৬০।

১৩। এন. খেলচন্দ্র সিংহ– অরিবা মণিপুরী লোনগৈ, ১৯৭৮।



PRESERVATION OF MANIPURI CULTURAL HERITAGE THROUGH PERFORMING ARTS
(The Theatre Experience)

রাজমনি অয়েকপম
মণিপুর ইউনিভর্সিতি

মণিপুর ভারতকী অচৌবা ষ্টেটশিংগা চাংদম্নবদা অপিকপা ষ্টেট অমা ওইজরগসু কলচরেল হেরিটেজগী মতাংদদি ইনাক খুল্লবা, অচৌবা ষ্টেটশিংদগীসু মায়কৈ কয়াদা হেনবসু য়াওরি। মণিপুরী কলচরসু ভারতকী অতৈ চাওখৎলবা কলচরশিংগুম্না শীংথানৈ। হায়নবা লৈ মদুদি— মণিপুরীশিংগী পুন্সিদি পোকপদগীনা শীবা ফাওবা কলচরগী চেৎলবা থৌরিনা পুন্দুনা চৎলি। মণিপুরী অমগী পোকপদগী শীবা ফাওবগী মনুংদা মশিং য়াম্লবা ধর্মাগী ওইবা ঙাক্লদবা নিতি-নিয়মশিং, মদু নত্তবদা জগোই-ঈশৈ, মার্সিয়েল আর্ট (থাং-তা, শরিৎ-শরা) পুন্নমক অসিনা মণিপুরী কলচরগী ফজববা মশক্তু শেমগৎলি।

মতৌশাগী ওইবা মওংগী মতুং ইন্না মণিপুর অসি চীং অমসুং তমগী শরুক হায়দুনা অনি থোক্না খাইদোকপা য়াই। মণিপুরী কলচর হায়রগা অতোপ্পা লমগী মীওইশিংনা খংনরিবসি ময়াই লম, তম্পাক লমগী কলচর অসিবুনি। অদুবু হৌজিক্কী মণিপুরী কলচর অসি ওইরক্লবা হোৎনরকপদদি লেমহৌরিবা চীংদা লৈবা চীংমী ইচিন-ইনাওশিংগী কলচর কয়ানসু মতেং পাংলকখ্রবনি। শম্না হায়রবদা হৌজিক্কী মণিপুরী কলচরগী মশক অসি ইংরাজি ৱাহৈদা হায়রগা 'composive culture' হায়বদুনি। ঐখোয়গী হান্না লৈজরম্বা খরনে, তরাতরেৎ শুবা, তরানিপান শুবা চহি চাদা মপান্দগী চংলকখিবা মরুওইনা অসাম, বেঙ্গল অমসুং ৱরখান এরিয়াদগী চংলকখিবা খরনে, ঐখোয়গী নাক-য়েৎতা তারিবা চীংমী ইচিন-ইনাওশিংগী খরনে, পুল্লপ পুনশিনখ্রবা অপুনবা কলচরগী মশক অমনি। নুংঙাইরবা ৱাফম্না অতৈ জগাদগী লাক্তুনা মণিপুর কলচরদা তীল্লকপা মতমদদি হান্নগী লৈজরম্বা মশক, মওংদু খজিক্তুং হোংদোক্লগা হেন্না রিফাইন ওইবা মওংদা মণিপুরীশিংগী পুন্সিরোলগা নকশিন্দুনা চঙখি।

অতোপ্পা পর্ফোমিং আর্টশিং অমসুং থিয়েটরগী মরি ঃ

লমদমসিদা মশিং থীওমদ্রবা পর্ফোমিং আর্টশিং লৈরি। খরদং পল্লবদা– লাই হরাওবা, ৱারি লীবা, মোইবুং খোংবা, থাং-তা, জগোই, নট সংকৃটন, খুওলগু ঈশৈ, খুবাক ঈশৈ, রাস লীলা, গৌরলীলা, উদুখল, খোংজোম পরবা, পেনা, ষনশেনবা ফৌগু ঈশৈ, পাওশা ঈশৈ, সুমাং লীলা অমসুং থিয়েটর। অকানবগী সুমাং লীলা অমসুং থিয়েটর নত্তনা মথক্তা পনখ্রিবা পর্ফোমিং আর্টশিং অসিদি মণিপুরীশিংগী পুন্সি অমসুং ধর্ম্মাগা নকশিন্নদুনা চঙলি। সুমাং লীলা অমসুং থিয়েটরনা তোঙানবা সেক্যুলর আর্ট ফোর্মশিংনি। অদুবু থিয়েটরদদি পনখ্রিবা আর্ট ফোর্মশিং অসি শীজিন্ননিংবা মতমদা হেক্তা শীজিন্নবা ঙম্মী। মসিদনি থিয়েটরনা অতৈ আর্টশিংদগী হেননা সেক্যুলর ওইনা হীংবা ঙম্লিবসি।

মথক্তা পনখ্রিবা পর্ফোমিং আর্ট ফোর্মশিংদা মণিপুরী কলচরগী মশকশিংদু ময়েক শেংনা উবা ফংই। লাই হরাওবদা মীগা লাইগগী মরক্তা লৈনরম্বগী মশক্তু উবা ফংই, নট সংকৃটনদনা বৈষ্ণব ধর্ম্মা লৌরবা মতুংগী পোকপা শীবদা লৈরিবা অকুপ্পা, লুরবা ৱাফম কয়াদু খংবা ঙম্মী। থাং-তা জগোই-ঈশৈদা মণিপুরীশিংগী পুন্সিদা থেংনরিবা ৱাফম কয়া উবা ফংই। অদুনা পর্ফোমিং আর্ট হায়বসি মণিপুরী কলচরবু অহিংবা ওইনা উহল্লিবা মমল য়াম্লবা মেদিয়ম অমনি হায়বা য়াই।

তোঙান তোঙানবা আর্ট ফোর্মশিং অসিগী মাগী মাগী ওইবা অকক্লবা মফম অমসুং মতম লৈ। খুদম ওইনা পল্লবদা লাই হরাওবগী থৌরম হরাওরিবা জগা অদুদা নত্তনা অতৈ জগাদা হেন্দোক্লদে (লাই লম থোকপগী, পোৎ লান্নবগী ৱাফম্না অমনি)। পর্ফোমিং আর্ট অমা ওইবদৈদি রিচুয়েল ওইবা মশক্লা হেন্না নকশিল্লি। অদুগুম্না মোইবুং খোংবা, নট সংকৃটন, রাস লীলানচিংবগীসু অকক্লবা মফম, মতম লৈ। অদুবু পনখ্রিবা আর্ট ফোর্মশিং অসি থিয়েটরগী মেদিয়মদা চংলকপা মতমদদি আর্ট ফোর্ম অদুগী অশেংবা মশক্তা মাংহন্দনা হেন্না সেক্যুলর ওইবা মওংদা লায়না ভাবোকশিংদা উহনবা ঙম্মী।

করম্না থিয়েটরনা কলচরেল হেরিটেজ ঙাক্লুনা থম্মী ঃ

কলচরগা মরি লৈনবা লীলা অমা পুথোকপা হায়বসি অচৌবা রিছার্চ - ৱার্কী থবক্নি। লীলা পানখৎত্রিঁঙৈগী মমাংদা ষ্টোরিগী মতাংদা মরি লৈনবা লাইরিক, অথং-অঁহৈ তান্নদুনা লীলাগী ৱারিদু ওথেনটিক ওইবা ষ্টোরি অমা ওইহনগনি।

ষ্টেজক্রাফকী মতাংদা মরি লৈনবা আর্কিটেকচর, দিজাইনর তান্নদুনা মতমদুগী এটমোসফিয়ার শাগৎনবা হোৎনগনি। মতুংদা কোস্তুমগী মতাংদা মরি লৈনবা অথং-অহৈ, দরকার ওইরগনা ম্যুজিয়মনচিংবদা চৎতুনা চপ চাবা কোস্তুম লীলাদা শীজিন্নবা হোৎনগনি। ম্যুজি ওলোজিষ্ট তান্নদুনা ওথেন্টিক ওইবা লীলাগী ম্যুজিক শেমগনি। অরোইবদা হায়রিবা ময়াম অসিগা কলাকারশিংগা পুন্দুনা মপুং ফারবা কল্লাগী পোৎথোক অমা পুথোক্কনি। ফাইনেল প্রদর্শন অদু লীলাগী রা ঙাক নত্তবীদা অচৌবা রিছার্চ ব্রাক্কী ফাইন্দিং অমা ওইরে।

অসিগুম্বা মখলগী লীলাশিং অসিনা লমদম অসিগী হৌখ্রবা কলচরগী শক্তম কয়াবু অহিংবা ওইনা মীয়ামদা উহন্দুনা কলচরেল হেরিটেজ ঙাকপগী অচৌবা থৌদাং অমা লৌদুনা লাক্লি। লীলা হায়বসি লমদমসিদা মীয়ামদা পাউ য়ৌহন্নবগী খ্বাইদগী ফবা মেদিয়ম অমনি। মখল অসিগী লীলাশিং অসি 'লিভিং আর্কাইভ' নি হায়রবসু য়ারে।

লমদমসিদা থিয়েটর চংলকপা ঃ

লমদমসিদা হৌজিক মতমগী থিয়েটরগী মশক হায়বদি প্রোসিনিয়ম থিয়েটরগী মওং অসি ১৯০৩ দা ইম্ফালগী বঙ্গালী পাড়া (হৌজিক্কা বাবু পাড়া হায়না খঙনরবা) মফমসিদা বামাচরন মুখোপাধ্যায় বান্নব নাট্য মমীং থোন্দুনা মতমদুগী বঙ্গালী ভদ্রলোক খরাগা মৈতৈ খরাগা তীন্নদুনা 'প্রভাস মিলন' কৌবা বংলা নাতক অমা শান্নদুনা হৌদোকখি। মসিগী মতুং ইন্না ১৯২৫ ফাওবদি বংলা নাতক নত্রগা বংলাদগী হন্দোকপা নাতক্কা অয়াম্বা শান্নখি। ইং ১৯২৫ দা ইখং খংহৌদনা এল. ইবুংঙোহলনা ইবা 'নরসিংহ' কৌবা লীলা অমা কোনুংদা চাউনা শান্নদুনা লমদমসিগী থিয়েটরগী ইচেলদা অচৌবা অচৌবা ইনোৎ অমা হাপকৎখি। মসিগী মতুংদা ষ্টেটসিগী মফম কয়াদা মরুওইনা ইম্ফালদা মশিং থীঙমদ্রবা লীলা কয়া শান্নখ্রে।

ব্রাফম অমনা লমদমসিগী অথং-অহৈশিংগী মত মতুংইন্না ইং ১৯০৩ গী মমাংদা মণিপুরদা থিয়েটরগী ইচেল লৈরে হায়বসিনি। লাই হরাওবদগী ঐথোয়গী থিয়েটরগী ইচেল অসি হৌরকখিবনি। লাই হরাওবদা ফংলিবা মশক অসি ফোক থিয়েটরগী মশক অদুনি। অদুগুম্না নিংথৌরোল খরগী হাক্তক্তা লৈখিবা ফোক লীলা, মান্দপ লীলাসু ফোক থিয়েটরগী মশকশিংনি। রাস লীলা, গৌরলীলা,

ষনশেনবা, উদুখনদা লৈরিবা মশকশিং অসিবু মোদর্ন থিয়েটরগী ইচেল অসি ওইরক্লবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং পীখিবা আর্ট ফোর্মশিংনি।

লাঞ্জাও মমাংগী লীলাশিংদা মণিপুরী কলচরগী মশক ঃ

অতৈ টোপিক অসিগা মরি লৈনদবা লীলাশিংগী মতাংদদি থোইনা চংশিঞ্জররোই। টোপিক অসিগা মরি লৈনবা লীলাশিংদনা হেন্না মীৎয়েং থমজরে। ঐখোয়গী কলচরগা নকশিন্নবা লীলাশিং হায়বসিদা অনিথোক্লা থম্বা য়াই মদুদি– (১) লমদমসিগী মীহৌরোলগী ৱারিশিংগা নকশিন্নবা লীলাশিং; (২) মপান লৈবাক্তগী চংলক্লগা লমদমসিদা চেৎনা মরা তাপ্রবা হিন্দু মিথোলোজি, হিষ্টরিদা য়ুম্ফম ওইবা লীলাশিং।

নৈনবদা হেন্না মরু ওইরিবদি লমদমসিগী ইতিহাসকী, মীহৌরোলগী ৱারিশিংগা নকশিন্নবা লীলাশিংনি। মরম অদুনা মায়কৈ অশোমদা অমুক চংশিঞ্জরে।

অনিশুবা লাঞ্জা ও মমাং ফাওবদা লমদমসিদা মশিং থীওমদ্রবা লীলা কয়া শান্নপ্রবসু মণিপুরগী ইতিহাস, কলচরগী মশক উৎপা লীলাদি মশিংদি ইয়াম য়ামদে হায়বা য়াই। খুদম ওইনা পল্লবদা সোরোকখাইবম ললিতকী ইং ১৯৩০ দা শান্নখিবা 'সতি খোংনাঙ', অরাম্বম দরেন্দ্রজিৎকী 'মোইরাং থোইবী (১৯৩৫)', 'ভাগ্যচন্দ্র (১৯৩৯)' অমসুং অহানবা মণিপুরী দ্রামা এল. ইবুংঙোহলগী 'নরসিংহ (১৯২৫)' সিখক্তনি হায়বা য়াই। মসি নত্তবা অতৈ লীলাশিংসু লৈরম্বা য়াই। অদুবু মীয়াম মমাংদা মশক খংনা থোরকখিবা লীলাদি মখোয় অসিখক্তনি।

শ্রীললিতকী 'সতি-খোংনাঙ' ইতিহাসকী থোকখিবা থৌদোক্তা য়ুম্ফম ওইবা লীলানি হায়। 'সতি-খোংনাং' মণিপুরগী অহানবা সমাজিক লীলানি। 'সতি-খোংনাঙ' গী ৱারিদি কৈন্যা কৌবী নুপী অমনা মহাক্কী শীরবা মপুরোইবগী চিতাদা চোংশিন্দুনা শীখিবগী ৱারিনি। হিন্দুশিংগী 'সতি' গী ৱাখল্লোন অদু চপ-চানা ইনখিবা থৌদোক অদুদা শেমগৎপা লীলানি। মহাক অমদি মপুরোইবগী মোংফমদা বিনোদ কৌবা নুপা অমনা থাখিবা খোংনাঙ অদুবু 'সতি-খোংনাঙ' হায়দুনা হৌজিক ফাওবা ৱাঙ্গোইদা লৈরিবা অসিদা শেমগৎপা লীলানি।

লীলা অসিদা শ্রীললিতনা মতমদুগী মণিপুরী সমাজগী মশক অমা, ইনাক খুনবশিংনা মখোয়না পামজবা মওংদা লেম্বোকপা, লায়রবশিংগী পুন্সিদা মথৌ

অমা তৌবা, নুপীশিংনা কৈথেলদা ললোন-ইতিক তৌবা, পাখঙশিংনা কৈসু নত্তবদা পঙখং-খংনবা নুপী শেন্না, মপুরোইবা হাংলগা নুপী লৌনবা হোংনবদা, মাইবা-মাইবীগী মফম, পুক্রিংদা শাস্তী পীরিবা লাইনিংফম, কোক-লুখা থাবগী চংনবীনচিংবগী মশক নীংথিনা উংতুনা লীলা অসি মপুং ফাহল্লি।

দরেন্দ্রজিৎকী 'মোইরাং থোইবী' লমদম অসিগী ফোক্ষ ইপিক অসি ড্রামা ওইনা পুথোকপনি। 'মোইরাং থোইবী' খম্বনা পাখং ফারকপদগী থোইবীগা লুহোংবা ফাওবগী ৱারিনি। পেনা শৈশকপশিংনা শকপা অদু ড্রামা ওইনা পুথোক্তুনা ভাবোকশিংদা তরং তরং উহনবনি। কলচরগী মশক নিংথিনা য়াওরবা লীলানি। 'ভাগ্যচন্দ্র' লীলাসু ইতিহাসকী ৱারি অমখক লীবতা নত্তনা, মতমদুগী সোসিও-পোলিটিকেল, কলচরেল ইথোস ময়েকশেংনা উৎপা লীলানি।

এল. ইবুংঙোহলগী 'নরসিংহ' ড্রামা অসি ইতিহাসতা থোকখিবা থৌদোকশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা শান্নবনি। ড্রামা অসিনা কোনশিল্লিবা মতম্মা ইং ১৮১৯ দা অৱানা মণিপুরবু লোইচন্দুনা খুন্তাক লানশিহনখিবদুদগী ইং ১৮৪৪ দা নরসিংহনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইবা ফাও উৎপনি। ড্রামা অসিদা মতমদুগী মৈতৈশিংগা মরৈবাকপু চং ফঙনা নুংশিজবা, শ্রীগোবিন্দবু নিংজবা, নিংথৌ মচাশিংগী লীচৎ, নুংশিবদা মশাবু লাকশিনজবা, মৈতৈশিংগী নুংগী ওইবা অৱাংবা থাক্কী মশক্তু নিংথিনা উৎলি। মণিপুরী কলচরদা বৈষ্ণব ধর্ম্মাগী ইনফ্লুয়েন্সনচিংবসু নিংথিনা উৎপা লীলানি।

লান মতুংগী অনৌবা লীলাশিং ঃ

অনিশুবা লাঞ্জাও লান কায়বগী মতেক অদুৱাইদা মতেক খরা লেপ্পুরবগী মতুং পুথোরকপা লীলাশিংদি হেন্না সেরিয়স ওইরক্লে। খরাদং পল্লবদা— এম.দি.ইয়ু. গী 'হাওরং লৈশং শাফবী', 'য়াইরিপোক থম্বালনু' নচিংবা; রূপ মহল থিয়েটরগী 'বীর টিকেন্দ্রজিৎ', 'নুপীলাল', 'পুয়া মৈথাব' নচিংবা; এরিয়ান থিয়েটরগী 'থোইবী', 'য়াইথিং কোনু', 'চরাইরোংবা', 'শীজা লাইওইবী', 'পামহৈবা', 'তোনু লাইজিংলেম্বী', 'সনামহি কোলু য়েথাইবা', 'জাদোনং', 'নুমিৎ কাপ্পা', 'ফৌওইবী' অসিনচিংবা মমিং পনবা য়াই।

লীলাশিং অসিদা চুম্মদং ৱারি লীবদং নত্তনা কলচরগী মচাক কয়াবু নিংথিনা রিছার্চ তৌরগা ভাবোকশিংগী মমাংদা তরু তরুনা উহনবা ঙম্লে।

খুদম ওইনা হায়রবদা– এম.দি.ইয়ু. গী 'হাওরং লৈশং শাফবী' লীলাদা অরিবা মতমগী চৎনরম্বা কলচরগী মশক কয়া নিংথিনা উৎলি। মসিনা পাখং-লৈশাবীগী রোমান্তিক ৱারি অমা লীবদগী হেন্দোক্লুনা মতমদুগী সমাজদা লৈরম্বা ৱাফম কয়াবু ময়েক শেংনা খংহন্নবা হোৎনৈ। এরিয়ান থিয়েটরগী 'ফৌওইবী' লীলানা লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংদা লৈরিবা ফৌওইবীগী মিথকী ৱারিশিংদু খংহল্লকই। ফৌওইবীগী ৱারিদি কংলৈগীসু, মোইরাংগীসু অদুগা চকপাশিংগী ৱারিশিংদসু ফংই। মীয়াম্না হেন্না খংনরিবদি মোইরাংগী ফৌওইবী লাংওনগী ৱারি ৱাখোংনি। অদুবু লীলাসিদা হেন্না নুংঙাইরিবদি চকপাশিংগী ফৌওইবীগী ৱারিদা চংশিল্লক্লুনা চকপশিংগী কলচরগী মশক অমা ময়েক শেংনা থমখিবদুনি।

হুম্ফুতরা মতুংগী লীলাশিংদা কলচরগী মমি ঃ

হুম্ফুতরাগী মতুংগী পেরিওদতা মশক নাইবা থিয়েটর ডাইরেক্তর কয়া থোরক্লগসু লমদমগী কলচরগী মশকশিংবু তক তক্লুনা উৎথোক্লুনা থম্বগী মহুৎ হেন্না পোলিটিকেল টোনদা ইমফেসিস পীবা রোমদা চৎখ্রে। কলচরগী মশক কয়াবু থিয়েটরগী মেদিয়ম ওফ এক্সপ্রেসন ওইনা শীজিন্নখ্রে। মতমসিগী থিয়েটর পর্সোনেলিটি অহমখক লৌখৎলুনা য়েংবা য়াই, রতন থীয়াম, কহ্নাইলাল, লোকেন্দ্র অরাম্বম। কহ্নাইলালগী 'কবুই কৈওইবা (১৯৭৩)', 'খোমদোন মৈরৌবী (১৯৭৪)', 'পেবেৎ (১৯৭৫)', 'থম্বালনু (১৯৭৭)' অসিনচিংবা। লীলাশিং অসিদা লমদমসিগী কলচরগী ফজবা মশক উৎথোকপদৈদি কন্টেমপোররি মীনিং অমা থীবনা হেল্লি। লীলাগী ইশুশিং কলচর নত্তে পোলিটিকেল ইশুনি। রতন থীয়ামগী 'উচেক লাংমৈদোঙ (১৯৭৯)', 'লৈমা য়েংলিঙৈ খুনু কাবা (১৯৮১)', 'সনারেম্বী চৈশ্রা' নচিংবা লীলাশিংসু প্রদক্সন দিজাইন্দা কলচরগী মচাক কয়া উবা ফংলগসু লীলাগী পান্দমদি কন্টেমপোররি মিনিং থীবনি। লোকেন্দ্র অরাম্বমগী 'খুমন চাখা মোইরাং গুম্বা', 'নুমিৎ কাপ্পা' অমদি 'ফৌওইবী লাংওন' লীলাশিংদা কলচরগী ফজরবা মচাক কয়া উবা ফংই অদুবু লীলাগী পান্দমদি মথক্কীগুম্না কন্টেমপোররি মীনিং থীবনি। মতুংদা লাকপা নহারোল ডাইরেক্তরশিংগী লীলাশিংসু মথক্কী অহম অসিগী খুদুং ইনবা ঙাকনি।

মাঙোই ঃ

লীলানা লমদমসিগী মীয়ামদা লমদমসিগী কলচববু খংহনগী অমসুং ঙাক্তুনা থম্বগী থৌদাং অসি অতৈদগী হেন্না লাইনা, পাক শন্না খংহনবগী চাওরবা থৌদাং অসি লৌদুনা হৌখিবা চহি কয়া অসিদা লাক্লি। মণিপুরী কলচরেল হেরিটেজ ঙাক্তুনা থম্বগী মতাংদা মকওইনা থিয়েটরনা লৌরিবা থৌদাং অসি ঐখোযনা কাওফম থোক্কে।

তাম্নখিবা লাইরিক, চেফোংশিং ঃ

১। অয়েকপম শ্যামসুন্দর, মণিপুরী শুমাং লীলা অমসুং থিয়েটর, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮০।

২। নিংথৌজম ইবোবী সিংহ, নাটা অমসুং মঞ্চ, ১৯৬৮।

৩। মৈরেম বীর, মণিপুরী নাট্যকলা (বাবেং), মণিপুরী থিয়েটর সোভেনীর, ১৯৬৮।

৪। এস. ললিত, মণিপুরী ড্রামা মৈহৌরোল রাবী মতেক (বাবেং), মণিপুরী থিয়েটর সোভেনির, ১৯৬৮।

৫। Souvenir, Diamond Jubilee, Aryan Theatre, 1996

৬। Souvenir, Pre-Second World War Theatre, in Manipur, Panthoibi Natya Mandir, Imphal, 1999

৭। স্পেশিয়েল ইশু, হুইয়েন লানপাউ, ১৯৯৫।

৮। নীংশিঙ চেফোঙ, শুমাং লীলাগী লমচানশিংবু নীংশিংবা অমদি কৈশামথোং খোইরাগী অথম্বা থৌবন্দ, লমবোল খোঙথাং আর্টিষ্ট এসোসিয়েসন।

৯। Theatre in Manipur Today, the Seagull quarterly, 1997.

১০। Bengali Theatre, Kiranmoy Raha, 1978.

●●●

মীতৈ ফাগি মরক্তা থোক লীলা

ব্রাই. সাদানন্দা (বোবি) সিংহ
য়ুম্নাম লৈকাই, ইম্ফাল।

য়াম্না হৈথোই-শিংথোইবা, পাইরক্কী লৌশিং ফজনা লৈবা, চীন-কাওজৈ ফজনা ঙস্বা, মতম অয়াম্বদা ফাগিগী মীশক ওইনতা লৈরবা কলাকারশিংনা মীয়ামগী মমাংদা নৎত্রগা লৈবাক নীংথৌগী মমাংদা খুল্লক-ইরক্কী, মীয়ামগী অমদি লৈবাক নীংথৌগী থৌদোক ব্রাথোক কয়াবু করেন্নদুনা য়াম্না নোক্লিংবা মওংদা পুথোকপা লীলা মখল অসি মীতৈগী ফাগি লীলাগী অচৌবা মরমচৎ অমনি। ভাবক অমা-অনি, নৎত্রগা কাংলুপ ওইনা শান্নবা, ভাবক্তা মাইকৈ খুদিংদগী ইকোই-কোইশিন্দুনা য়েংবা লীলা অসি অতোপ্পা মপাল লমদগী মতৌ তম্লকখিবা নৎতে, মশাগী লৈহাওদগী শাগৎচখিবনি হায়না অখং-অহৈশিংনা ফোংদোকপিরি।

১৯ শুবা শতাব্দীদা মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিনা (১৮৫১-১৮৮৬) পাল্লিঙৈ মতমদা দুর্গ পুজা চাওনা লাৎতুনা নুমিৎ ১০ অসি মীতৈগী নীপা পালা, নুপী পালানচিংবনা লাইমাংদা থৌগল তৌনখি। মসিগী মথক্তা মণিপুরগী ফাগি হৈবা মীশকশিং মরু ওইনা অবুজাম্বা সাইতোন, খারিবম লাইশুবা কৌখৎতুনা ফাগি লীলা শান্নহনখি। মতুং তারকপদা কালিমাই মন্দিরদা (এম.এস.আর.টি. মনাক) শান্নরকখি। মদুদগী মথং-মথং খুল্লক-ইরক্তা দক্ষিনা খরা-খরা তৌরগা শান্নবা হৌরকখি। ফাগি হৈবা অমদি ফাগি লীলা শায়বা ঙস্বা হান্না লৈরম্লগসু খুল্লক-ইরক্তা পাক-শন্না দক্ষিনা লৌরগা শান্নবা হৌবদি তাঙ্কক অসিব্রাইদগী ওইফম থোকই। অদুগা মসিনা শুমাং লীলাগীসু হৌরকফমনি হায়বদা থোইনা লাল্লোই।

ফাগি লীলাগী মকোক ওইবা মীশক্কুগী শাগৈ, ফিবম, মীং নৎত্রগা কলাকারশিংনা লৌরিবা পাটুগী মমিংদা লীলা অদুবু খঙনৈ। খুদম ওইনা হায়রবদা "য়োৎশবী ফাগি" লীলাগী মকোক ওইবা ওজাদু ফানজৌবম চাউবা কৌই, কুচু য়ামনা মুবদগী "য়োৎশবী ফাগি" কৌনখি। "পাঙস্বা ফাগি" গী মকোক ওইবা

ওঝাদুগী মমিং পাঙম্বম চাউবা কৌই, শাগেগী মীং লৌখৎতুনা "পাঙম্বা ফাগি" হায়না ফাওখি। "চেংবা ফাগি" লীলাগী ওঝাদুগী মমিং ফিজম বোকুল কৌই, অদুবু চেংফম চাদনা শেগ্রাক্তা চেংই হায়দুনা "চেংবা ফাগি" কৌনখি।

লীলা শান্নরিবা কাংলুপতু ওইনা লৈবাক্তা শকথংনখিবা ইং ১৯১০ অদুৱাইদগী কাবুল পলা, ফদবি পালা চিংথবা য়ারোই। অদুগা ইং ১৯১৯ অদুৱাইদগী হৌদোকখিবা "থোক লীলা" বু শান্নরিবা কাংলুপ অসিবুসু লৈবাক্তা হৌদ্রিকফাওবা কাওনদ্রি।

অসিগুম্বা তাংলবা ফাগি লীলাগী কলাকারশিংনা অঙম-অথৌগী মমাংদা শান্নদুনা মখোয়বু লঙনবা ঙম্মী, অদুম্নদি ওইরগা কলাকারশিংনা ফজবা ৱাহৈ-ৱাতা শিজিন্নদুনা অমদি ৱাজ ব্যবহার কাইদবনা অঙম-অথৌনা কলাকারশিংদা শাওবা ঙমদে।

অসিগুম্বা ফাগি লীলাগী মরক্তা "থোক লীলাসু" ইং কুমজা ১৯১৯ অদুৱাইদগী শ্রী তখেল্লম্বম থম্বালঙৌ, কোংবা ইম্ফালনা পুথোকপিরক্লুনা অমসুং তম্বী তাকপিবক্লুনা মহাক্না থুপগ্রবা মতুং ইং ১৯৫০ অদুৱাই ফাওবা শান্নদুনা লাকখি। থোক লীলা নৈনরকপনা মণিপুরগী ফাগি লীলাগী অশেংবা মরমচৎ অমা পুথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি। থোক লীলাদা মতম শাংনা য়াওবিরম্বা শ্রী তখেল্লম্বম নবকুমার সিংহ, (হিংলি, চহি ৮২ সুরে) লীলা অসিবু হৌদোকপিরম্বা ওজা থম্বালঙৌগী মচা ইবুংঙোনা হায় "থোক লীলা অসি নোকপ্তুনা মপুং ওই অদুগা মনুংগী রসতি অৱাবা, নুংঙাইবা পুম্নমক থন্না য়াওই অদুম ওইনমক অৱাবা অমদি শাওনিংবগী রসতি খজিক্তমক উৎপা লীলানি।" লীলা অসি অইবা ওইনা লৈত্রবসু লীলা পরিং অমা ওইনা লৈবা লীলানি। থোক হায়রিবা শক্তম অসিনা লাইরবা লমজা ওইরম্বদগী নীংথৌ ওইরকখিবগী ৱারিনা থোক লীলাগী মপুং ওইবা ৱারিনি। মহাক্না লাইরবা লমজা ওইরম্বদগী নীংথৌ ওইরক্লবা হোৎনবদা থেংনরকপা থৌদোক-ৱাথোক কয়া-কয়া ফাগিগী খুৎথাংদা উৎলি, ভাবকপু পুক্নি তীংবমখৈ নোংকহল্লি। অদুগা মফম মতম য়েংদুনা ৱারি পরিং অশাংবা অসি তেনশিন্দুনা য়াম্না তোইনা উৎখি। লীলা অসিদা লৈবাক নীংথৌ অমদি অঙম-অথৌশিংগী অমোৎপা লৈঙাক্লোন, মতম অদুগী সমাজগী অমোৎপা, মতম অদুগী সুনিংদবা

অতনবনচিংবা কয়াদুবু উৎথোক্লবা অমদি চুমথোক্লবা হোৎনবা লীলানি। মতমদুগী সমাজ অদুবু উহনবা ওন্না ঈশৈ কয়ামুক থোক লীলাদা শিজিন্নখি।

থিকাদার মৈতৈ মচা অপুম্বসে
থিকা তৌবনি হায়রদুনা
ফুতানি পোখাইরুবদগী
ইনকমগী তেন্না পাল্লদুনা
মমাইদা মাইহিং কারক্লে
করিননো কবিননো করিননো।

মিকচর চুরুট পামলুদুনা
হোতেলগী বোরা নুংশিবনা
অসিনা ফাজিন পুনাশিন্দুনা
মমাইদা মাইহিং কারক্লে
করিননো করিননো করিননো

মথক্কী ঈশৈ অসি জমুক হায়না খংনৈ (ময়াম পুন্না শকপা ঈশৈনি), লীলাগী গৌতমমনি খুরুম্বগী তাঙ্কক্তা শকপনি। ঈশৈ অসি লোইরগা অমগা অমগা অন্নাই অখুম তৌনদুনা মথাগী ঈশৈশিং অসি শকই।

হিংফম লৈবোইদৌরমাল্লে
করম্না উপাই তৌরশিবা।
চানিংঙাই থক্লিংঙাই লৈরোইদৌরি
পৃথিবী মরু লোইনা য়োনখ্রে
করম্না উপাই তৌরগা
জিবোল উপাই ওইগদগে।

নুপি ওইবি মপোক অসে
পাপকি মপৈনা তীল্লবনি
তোনবদগী তোনবা খল্লুবদা
নুপিবু হেনবা লৈখিদ্রে
গুরুজোনবু থনম্লগা
প্রেমতনা মীনই ওইরবনি

নুপি লুনা থমখিবনা
মালেসনা জোয় ওই।

মীগী দেশতদি
শগোলনা বোজাই পুই
ঐখোয়গী দেশতদি
নুপিনা বোজাই পুই
নুপি লুনা থমখিবনা
মালেসনা জোয় ওই।

মৈতৈ মচা পুন্নমক
দুকান অমমম শাবিয়ু।

মৈতৈনা মৈতৈদা লৈনরশি
ময়াংনা ময়াংদা লৈনরশি।

দিমাপুরদা নখোয়না ফল্লো
মণিপুরদা ঐখোয়না ফমগে
ঐখোয়গী পোৎসু নখোয়না লৌরো
নখোয়গী পোৎসু ঐখোয়না লৌগে
হায়রিবশে থৌরাইনা পামজৈ।

মৈতৈ মচা দুকান ফমহল্লো
আ ...... রে ....।
বিএ এম এ তান্নদুনা
মৈতৈ মচা দুকান ফমহল্লো।

থোক লীলাগী তাঙ্কক-তাঙ্ককশিংদা নুংঙাই নুংঙাইরবা কয়া য়াওরি, মসিগী মনুংদা কুম লৈনান নারবা নুপা অমগী নুপি অনিনা মপুরোইবা শিন্নিতৈদা লন-থুম য়েন্নবগী কুম্মৈ, শিগদৌরবা নুপাদুনা অতোম্বীদা লন-থুম হেন্না পিনিংবগী কুম্মৈ কয়া ফাগিগী খুৎথাংদা উৎখি। কুম লৈনা শাখিবা চুংখাম ইবোহলগী এক্তিং এক্সন হৌজিক ফাওবা কাওনদ্রি।

লীলা অসিগী রারিদা মণিপুরগী সনা কোনুং অমদি অতৈ নীংথৌগী মমিং মথা কৈদৌনুংদা পনখিদে, মসিগী মহুৎতা কবোগী কোনুং, কবোগী নীংথৌ

ওইনা পল্লি। মসিগী ব্রাহম্বোক অমা লৈ হায়বা তাই, করিগুম্বা মণিপুরগী কোনুং নৎত্রগা মণিপুরগী নীংথৌ অসি লীলাদুদা পল্লুবা তারবদি নীংথৌনা লীলা শায়রিবা কাংবুদা চৈরাক পীরক্কনি হায়বা খংবদগিনি। কবো লৈবাক্কী শায়রিবনি হায়শিন্নবগীদমক লীলা হৌদোরকপদা কবো নীংথৌবু শৈথাদুনা ঈশৈ অমা শক্তুনা লীলা শান্নবা চংলকই:

চৎশি লাও চংলশি লাও
লৈবাক খ্বাই পুম্নমক
কবোগী কোনুংদা চংলশি।

কবোগী কোনুংদা চংলাশি লাও
কবোগী কোনুংদা চংলশি।

ঙসি কোরৌ নোংজাদা
কবো দরবার কোনুংদা
থৌজাল হৈবা মপুগী
সনাগী থৌগল তৌর্লশি।

লাও লাও চৎশি লাও
চংলশি লাও।

পাম্মু নীংথি খিবিক্ল'
তীল্লিবদি কোনুংনি
লাও লাও চৎশি লাও
চংলশি লাও।

অমৃত ঈচেল চেল্লিবা
শিদবা উপাল তৌরিবা
লাও লাও চৎশি লাও
চংলশি লাও।


থোক লীলা অসি শায়বা চৎত্রিঙৈদা মখোয় ময়াম পুন্সিন্দুনা লীলা তমই, মখোয়গী তীন্নফমদি মরু ওইনা লীলাদুদা মন্ত্রি শাখিবা শামুলাইলাৎপম নীতাচান্দ শর্ম্মা, ব্রাংখৈ কৈথেল অশাংবী, ইম্ফালগী য়ুমদনা নম্মা তীনৈ, অদুগা করিগুম্বাকান্দা খুবাই কৈথেল ময়াদা লৈবা চুংখাম ইবোহলগী য়ুমদসু হেক-হেক

তাঁন্নে। লীলাগী মরমদা মখোয় মশেল য়াম্না তোইনা নৈনৈ, খঁন্নে, করিগুম্বা থোক অমবু হেক্তা হাপচিনবা য়াবা অমদি হাপচল্লিমখৈ চল্লি হায়বসি কলাকার খুদিংমক্কি য়াথলদা ফাওই হায়না শ্রীতখেল্লম্বম নবকুমারনা ফোংদোকই। মসিমক্তা লীলা অসিগী মপুন্সি অসি য়াম্না শাংনা চহি ৩০ হেন্না চৎখিবা ওইবা য়াই। কলাকারশিংনা ময়ুমদা, লৈকাইদা, খুঙ্গংদা অমদি কৈথেলনচিংবদা থেংনবা লীলাগী মচাকশিংবু থোক লীলাদা হেক্তা হাপচিল্লি মসিনা খবরগুম্বা অমসু ওইহনখি।

থোক লীলাসি মরু ওইনা নুমিদাংদনা অয়াম্বা শান্নে। ভাবক্তা ইকোই কোইনা য়েংই। লীলাগী ফী শেৎফম অমা তোখাইনা লৌই, চৎনবীগী মতুংইন্না ফী শেৎফম অদুসু মাইকৈ য়েংই। লীলাবু শিল্লি-লাংশিবশিংদা লীলা কাংবুনা ফী শেৎফমগীদমক হান্না মাইকৈ তাকই। নীংথৌকাবা নুমিৎতা নোংপোক ওন্দুনা থোকপা ফৎতে হায়দুনা লীলা শান্নফমগী নোংচুপ্তা ফী শেৎনদে। অদুগা অঁতে নুমিৎশিংদদি মফম মতমগী খুদোংচাবা য়েংদুনা লীলাগী ফী শেৎফম ওই। লীলাগী মৈগী মতাংদা হায়বা তারগদি মতমদু ইলেক্ট্রিক থার্উমৈগী খুদোংচাবা লৈতবনা পেট্রোলমেক্স অহুমগুম্বা থাল্লগা লীলা শান্নে। মতমদুদা পেট্রোলমেক্স অহুম্না লীলা শান্নবা হায়বসি লীলাদু মপুং ফারবনি।

মণিপুরদা ইহান হান্না শুমাং লীলাগুম্বদা খোংগ্রাও, কোৎ, সুট-তাই শিজিন্নদুনা লীলা শান্নবশি থোক লীলানা অহানবা ওইগনি হায়না ওজা নবকুমারনা মোৎ পি। লীলা অসিদা সাহেপ শাবশিংনা হায়রিবা ফীজেৎ অসি শেৎখিবনি। কবো শাবশিংনা লোংগি শেৎলি, নীংথৌনা ইচম-চম্বা ফৈজোমগুম্বা শেৎলি, অদুগা অঁতৈদি প্রজা মীচম্না শীজিন্নবা ফনেক, খুদৈ, ইন্নফিনচিংবা শিজিন্নে। মাই, মীৎ, শক-চু শেম্বগীদমক মাইদা ইহান হান্না সুনু তৈশিল্লি, মথংদা গোপি চন্দল তৈশিল্লি, কোইদি তিকিনা য়েকই ফংদ্রগনা লারতেনগী তেংগালিনা শেম্মী। অদুগা লৈবাক নীংথৌগী মমাংদা লীলা শান্নবা তারবদি মদুগী তোংঙানবা নীতি নীয়ম মখাদা ফীজেৎ-চাকচা তৌগনি। লীলাগী ফীজেৎ-লৈতেংবা মতমদা ফুরিৎ খুদিংমক কুদাম লোইনা পানশিন্দবা য়াদে, পুময়াৎ ওইরবসু ঙকফাওবা কুদাম পানশিন্দুনা লীৎকদবনি, খুদাং থেকৎপা য়াদে। খুল্লক-ইরক্তা শান্নবদি খোংউপ মোজা তোংদুনা শান্নবা য়াই অদুবু কোনুংদদি মোজা উপ্পগা লীলা শান্নবা য়াদে। ফৈজোম শেৎপা মতমদসু কুঞ্জা

কাওদুনা শেৎপা য়াদে, অসিনচিংবা নীতি নীয়ম কয়াগী মথাদা লীলা শান্নখি। মসি নীংথৌ পাল্লিঙৈগী ফীজেৎ-লৈতেংগী থৌগল্লোননি। লীলা কাংবু অসি করিগুম্বা লৈবাক নীংথৌনা শান্নরুলাও হায়না কৌরক্লবদি মদু হীক্তোকপা য়াদ্রে।



থোক লীলানা চহি ৩০ লীশাংশিংনা শান্নরকপশি মণিপুরগী কাচিন-কোয়া শিন-থুংনা শান্নরকই হায়বা য়াই, মসিগী মনুংদা চীংগী লম ওইরিবা ব্রাইথৌ চীংগোল, উংশোইপোকপি, লমাংদোংগী চোথে তাবা খুন অমদি কাংপোকপিদা লীলা অসি মাইপাক্লা শান্নখি। ভাবকশিং অদুনা মীতৈলোন অসি ময়েকশেংনা খংফাৎতবা অদুনা খুদক্তা হেক্তা নোকপদি নোক্তে, ব্রা ঙাংনখিবা মতুং ঙাইহাক লৈরগা অর্থ খংলক্তুনা পুন্না অমুক থীক-থীক নোকই হায়না ওজা নবকুকারনা ফোংদোকই। লীলা অসি মণিপুরদা শান্নবদগী হেন্দোক্তুনা মণিপুরগী ব্রাংমদসু য়াম্না তোইনা শান্নখি। খুদম ওইনা হায়রবদা অসামগী হোজায়, ত্রিপুরা, চিলচর, অমদি বংলাদেশকী সিললেটতসু চৎতুনা থোক লীলা অসি মপুং ফানা শান্নখি। মতম অয়াম্বদা কলাকারশিং অসি সিলচর ফাওবা এরোপ্লেন্দা চৎলি, মখোয়গা লোইননা মখোয়গী শাইকলশিং অদুসু এরোপ্লেন্দা বুক তৌদুনা পুই। অদুগা করিগুম্বা কান্দা বন্তা চৎপসু য়াওদবা নৎতে।

লীলা অসিগীদমক ভাবক ৱাংখিদে হায়বা য়াই। ঙসি য়েংপ্রবসু হয়েং হেক্তা য়েংনিংবা, লীলা অসি শান্নগদৌরি তাবদা অরাপ্পা অনকপা মফম কয়াদগী কোইচেন-চেন্নদুনা লীলাসিবু মপুং ফাহনখিবা ঙাক্তনি। লীলা অসি মীপুম খুদিংমক্তা য়েংবা য়াবা খুদম ওইনা হায়রবদা মমা-মপা, মবুং-মৌপুৱা, মচিন-মনাও, ইমুং হুপ্পা য়েংবদা করিসু ইকাই হংগোইবা ফাওহন্দনা উংখিবা ঙাক্তি। মসিনা ধর্ম্ম নীতি, অর্থনীতি, রাজনীতিনচিংবদা কান্নবা অহোংবা অচৌবা পরা অমা পিখি হায়বা য়াই।

লীলা অসিগী নুপীগী শক্তম অসি নুপানা অদুম শাখি মরমদি মতমদুদা নুপীনা লীলা ফলা য়াওবা অসি চৎনরমদে, য়াম্না হন্থনা খন্নরম্মী, মসিগী মথক্তা লীলা মখল অসিদি মফম অমদগী মফম অমদা কোইচৎ চৎতুনা শান্নবনিনা নুপী য়াওবদসু অচৌবা অপনবা অমা ওইখি। মরম কয়ামরুম অসিনা থোক লীলা অমদি অতৈ লীলা কয়াদসু নুপীগী শক্তম অসি নুপানা অদুমক শাখিবনি। থোক লীলাদা নুপী শাখিবা শ্রীইরোম রাশি সিংহ (হৌজিক চহি ৮৮ সুরে), নোংমৈবুং, পনবা য়াই। নুপীগী শক্তম অয়াম্বা কলাকার অসিনা শাখি, থোইদোক-হেন্দোক্লা নুপী শাখিবদা মমিং লৈখিবা কলাকারিন। মহৌশানা কলাকার অসিগী শাওং-শাদা অসি নুপী মান্না হৌরকখি হায়।

		
ইরোম রাশি সিংহ নোংমৈপুং, ইম্ফাল।	**তখেল্লম্বম মনিকচান্দ সিংহ** কোংবা নোংথোম্বম লৈকাই, ইম্ফাল।	**তখেল্লম্বম নবকুমার সিংহ** কোংবা ষ্টেন্দরট কোলেজ গেট, ইম্ফাল।

থোক লীলাদা অচৌবা থৌদাং লৌবিরম্বা কলাকারশিংগী মমিং মথা খরা মখাদা থমজরি :

১। লৈখিদ্রবা তখেল্লম্বম থম্বালঙৌ সিংহ, কোংবা ষ্টেন্দরট কোলেজ গেট, ইম্ফাল, থোক লীলাবু হৌদোকপীরম্বা ওজানি। নট সঙ্কীর্ত্তন, গোস্ত, গৌর লীলা অসিনচিংবদা লৈবাক্লা শকথংনখিবা ওঝানি।

২। লৈখিদ্রবা লাইরিকয়েংবম গৌরচন্দ্র সিংহ (খুতামচা হায়রগা ফাওবা), খুরাই, যুবরাজগী মনাই শাখি, মরক-মরক্তা থোক শাবসু য়াওখি।

৩। লৈখিদ্রবা শামুরাইলাৎপম ইবোতোম্বী শর্ম্মা, ব্রাংখৈ অয়াংপল্লি, লীলাদা তল য়োনবা শাখিবা মীশক্লি, লীলাগী মীং লৌদুনা জগু হায়নসু খংনখি।

৪। ইরোম রাশি সিং (চহি ৮৮) লীলাদা নুপীগী শক্তমর্মখৈ মহাক্লা অয়াম্বা শাখি, লৈফম নোংমৈবুং ইম্ফাল।

৫। লৈখিদ্রবা চুংখাম ইবোহল সিংহ, খুরাই লম্লোং বজার ইম্ফাল, লীলাগী মরু ওইবা ফাগি পুবা মীশক্লি, থোক শাখি, মরক-মরক্তা অতোপ্পা শক্তম কয়া শাখি।

৬। তখেল্লম্বম নবকুমার সিংহ (চহি ৮২), কোংবা স্তেন্দরট কোলেজ গেট ইম্ফাল (থোক লীলা হৌদোকপিরমবা ওজা তখেল্লম্বম থম্বালঙৌ মচা), লীলাদা মনাও ইবুংঙো যুবরাজ শাখি।

৭। তখেল্লম্বম মনিকচান্দ সিংহ (চহি ৮৫), কোংবা নোংথোম্বম লৈকাই, ইম্ফাল, লীলাদা থোক্কী মমা শাখি।

৮। শামুরাইলাৎপম নিত্যচান্দ শর্ম্মা, ব্রাংখৈ কৈথেল অশাংবী, লীলাদা মন্ত্রি শাখি।

৯। বোরো শর্ম্মা, ফাগি পুবা কলাকার অমা, খুরাই।

১০। লোংজম গৌরসিংহ, থাংমৈবন্দ হিজম লৈকাই, লীলাদা থোক্কী মমা শাখি।

১১। মাংলেম সিংহ, শগোলমাং, লীলাদা নুপী অতোপ্পী অমসুং মমাগী শক্তমশিং শাখি। লোইননা বাকথৌ শাহেপকী মেম শাখি।

অসিনচিংবা আর্টিশশিং নীংশিংবা য়াই, অদুগা মতম মতমগী মচিৎ-মচিৎ ওইনা লীলা য়াওখিবা অমদি মতেং পাংখিবা কয়া অমসু লৈতবা নৎতে।

ঐখোয়না থোক লীলাগী অইবা লৈতে হায়বসি হান্নানা খংগ্রে অদুবু মসিগী ফজরবা ব্রারি অমদি অদুমক লৈরি। হায়রিবা ব্রারি অসি লীলা অসিদা মতম শাংনা য়াওবিরকপা শ্রী তখেল্লম্বম নবকুমার সিংহনা অমুক হন্না ব্রারি ওইনা লীথোকপীকপদগী মখাদা থমজরি।

মতম অমদা নীংথৌ অমা অমসুং, মহাক্কী বোর মন্ত্রি কয়ামুক লৈরম্মী। নোংমা মহাক্কী বোর মন্ত্রি অমগা লোইননা উমংদা শা-উচেক তানবা চংলম্মী। অদুবু নুমিৎ তাগদৌরফাওবদা শা-উচেক অমতা ফাবা ঙম্লমদে। মদুগী মহুৎতা উমং অদুদগী হিংচাবী অমা থোরক্কুনা নীংথৌ অমদি বোর মন্ত্রি অনিবু হাৎকদবগী কোইতান তান্নরক্লম্মী। অসিগুম্বা খুদোং থিরবা তাঞ্জা অসিদা উমং অসিগী চীদাইদা লৈবী নুপী অমানা থাংশাং অমা লংশিল্লক্কনা নীংথৌ অমদি বোর মন্ত্রিগী খুলাই ওইদুনা হিংচাবী অদুবু হাৎতোক্লম্মী। থৌদোক অসিদগী নীংথৌ অদুনা নুপী অদুবু নুংশিরম্মী অমদি অরোনবা লমগী মহারানী ওইনা থনখি।

মথংগী ওল্লকপা চহিদা নুপী অদু মচা নুপা অমা পোক্লম্মী অদুবু মপা নীংথৌদি অমুক হন্না লাকখিদবা মরম্না করিগুম্বা অমতা খংদ্রে, মচা পোকই হায়বফাও খংখিদ্রে। অঙাং অদু নোংম-নোংমগী অসুম অসুম চাওখৎলকপনা নুপামচা অমা হায়বদু ওইরে। মতম অদুদা লৈবাক পুম্বা চাক তাংবা থোক্কুনা, ফেরে-ফেরে লাওনা প্রজা পুম্নমক খাংনরম্মী। মসিগীদমক লৈবাক নীংথৌ অমদি বোরমন্ত্রিশিং য়াম্না কুপ্না খন্নরে, গৌতমমনি পুজা পাংথোক্কুনা অরা-অনা তারবা প্রজাশিংবু অচা অথক অমদি ফিরোন য়েনথোকপা হায়না ৱারেপ্লখি। ৱাফম অসি পাঞ্জিনা পিবা পাওতাকনি। তৌবতবু অসিগুম্বা গৌতমমনি পুজা অসিদা ইমুং অমগী মীওই অমতমক য়াওবা য়াগনি হয়না লাওথোক্লম্মী। অদুগা লমজা শারা মচাশিংদি য়াওবা য়ারোই হায়নসু পল্লি।

অসুমতৌনা গৌতমমনি পুজা অমা লৈবাক নীংথৌনা শিন-লাংদুনা পাংথোক্লম্মী, অমদি অচা-অথক ফীরোন কয়াসু য়েঙ্খোক্লম্মী। মতম অদুদা চাক লাম্বগী অৱাবগা লোইননা নুপামচা (নীংথৌগী মচা) অদুসু গৌতমমনি পুজা য়াওবা চংলক্লম্মী অদুবু মহাক্তি লমজানি হায়দুনা চংহনখিদ্রে, অথিবা ৱাহৈনা চৈদুনা তাঙ্খোকপিরক্লে। উপাই লৈত্রবা নুপামচাদু ময়ুমদা ৱানা হল্লক্লগা অপোকপি মমাদা মহাকপু পোকপা মপাদু কনানো হায়না হংগৎলক্লম্মী। মাগী মপা কনানো তাকপপিয়ু, মপা মশক তাকপিদ্রবদি মমাগী মাংদা আতমাগাট তৌদুনা শীরগনি হায়। মতাংসিদা মমনা হায়রকই "মীওইবতা নৎতনা সংসারসিদা লৈরিবা লেংলি পাল্লিবা জিবা পুম্নমক মমা-মপা লৈরিবনিনে ইবুংঙো", মচানা অমুক হায়রকই "মদু ওইরবদি নহালমখৈ করিগী ইমানা ঐবু পোকপা ইপাদুগী মশক

তাকপিদ্রিবনো ?" মমানা "ইচাগী পাঙ্গল-লৌশিং মপুং ফাদ্রি হায়দুনা ইমানা তাক্তবনি, কৈদৌরক্লবগেনে নংবো ?" মচানা মমাদা গৌতমমনি পুজাদা মহাকপু চংহনখিদবগী ৱারি পুন্নবা মমাদা লিরম্মী। মচাগী ব্রাফম অসি তাবদা অপোকপী মমানা হৌথ্রবা ৱারিপুন্না অমতা চিংথদনা মচাদা লীবিরে। হৌজিক্তি নুপামচা অদু লাইরবা লমজা নংত্রে নীংথৌগী মচানি হায়বা খংলে। মপাগী মথক্তা লমন খুমজগে হায়দুনা মাবু পোকপী মমাদগী য়াথং নীরে, মমানসু অয়াবা পিবিরে। মচানা মমাদা হায়রকই "ইমা বর মন্ত্রিনা ঐবু লাই খুরুম্না য়াওবা য়াদে, করিগুম্না য়াওরবদি নঙক থাংনা কক্তুনা হাৎকনি হায়খিবদো, তশেংনা ইপা নীংথৌনা পোকপা ওইরবদি লমন খুম্না ঙমজনবা ইমানা বর পীনবিরো, মতম খরদং ঙসিদগী ইমাবু থাদোকচরগে" মচাগী মত্তৌ উবদা থম্মোই শোক্লা মমানা "নীংথৌগী মচা অশেংবমক্তা ওইরবদি ইচানা চৎখি-চৎখিবা, তৌরু-তৌরুবা থবক্তা মঙ্গোল ওইবা ওইজারো" হায়খি। ব্রাফম অসিদগী মমাবু থাদোক্তুনা নুপামচা অসিনা শক্তম কয়া ওন্দুনা থোক-চৎপা হৌখিরম্মী।

খ্বাইদগী ইহান হানবদা নুপামচা অসিনা মৈতৈলোন তম্বীবা অহল অমগী শক্তম লৌদুনা সাহেপকি ইমুং অমদা চংলক্লম্মী অদুগা হায় "ঐ মৈতৈলোনগী ওজানি, ঐগী মীংনা ঙরাং ঙসি কৌই, আ..... অরাপ্পা খুঙ্গংদা লৈজবনি, ঙসিদি খরা থেংদোকপ্রে য়ারবদি ঙসি অহিংশিমতং লেকগখিগে" অসিনি। মহাক্কী ব্রাফম অসি তাবদা সাহেপকি (নুপানা ইংলিশ ওইবা অদুগা নুপীনা মৈতৈ নুপী ওইবা) ইমুং অদুনা মহাকপু লেকপগী অয়াবা পীবিরে। অহিং তাংলৌ থেংলক্লবা মতমদা নুপামচা অসিনা লোম্না হৌগৎতুনা পৈশা, সনা-লুপা হুদুনা চেনখ্রে, মহাক্লা চেনথ্রবা মতুংদা খংনরক্তনা সাহেপকি ইমুং অদুগী নুপীনা অকোইবদা লৈরিবা পুম্নমকপু তানবা অসুম্না লাওই "হো হুরানবা চংঙে ... লৈকাই লৈকাই হুরানবা চংঙে, হো সাহেপ হুরানবা চংঙে, মীশক খংই ফাহল্লসে।" য়ুম্লোন কৈরোম্নবদা লৈমিন্নরিবা ময়াম পুম্না হৌগৎলক্তুনা কোইহং হংনৈ, ঙরাং হুখিব্রা, ঙসি হুখিব্রা, ময়াম পুম্নমক ইঙক-ঙকই। ব্রাফম অসিগীদমক সাহেপ মশামক্লা সনা কোনুংদা চৎতুনা হুরানবা চংলে, সনা-লুপা, লন-থুম পুখ্রে মীশক খংই, হুরানবা ফাবিয়ু হায়না ব্রাকৎলুই। নীংথৌ বরমন্ত্রিনসু মীশক খংলবদি হায়য়ু কনানো শোইদনা ফাগনি হায়রে। সাহেপ্পা

হায়রকই "তাবিয়ু ইনিংথৌ, মন্ত্রি ঐগী পোৎ-চৈ অসি ঙরাং ঙসিনা হুখিবনি।" মন্ত্রিনা "সাহেপ ফিংগনু ভাব তাও ঙরাং হুখিব্রা, ঙসি হুখিব্রা শেংনা হায়য়ু ? " অসুম তৌনা সনা কোনুংদসু মরৈ য়েৎনৈ, জ্ঞান মাংনৈ কাইনথংদা ঙসি ঙরাং কৌবা মী অমনা হুখিবনি খংনরকই।

মথংদা নুপামচা (থোক) অসিনা হয়িং কৌবা শক্তম অমা লৌদুনা হোতেল অমদা চংলকই। হোতেল অসিগী অশেংবা মপু অদু মহাক্কী ইংখোলদা থবক খরা শুদুনা লৈরিঙৈ মতমনি, মহাক্কী মচানুপানা হোতেল অদুদা তল হৌদুনা লৈরি হায়বসি হয়িংনা খংলদুনা চংশিল্লগা হায়রকই "ইবুংঙো ইচাদি ওম্বোক্লা চাওরম্লেদা ! .... নংশে য়াম্না পীক্লা লৈহৌবনি .... মমাংঙৈদা নখোয়গীশিদা ইপা য়াম্না তোইনা লাক্লম্মী, ... নখোয় বাবাগা মরুপনি ...... ও ! ..... নংবু তল হৌরিব্রো ? য়াম্নবু হাওগদৌবা মাল্লিনে ... নপানা তল চারুচো হায়দুনা লাকপনি, ইপাদা তলদু খরা পীরকই চারগা চৎলগে।"

নুপামচাদুনা খুম্নকই "পাবুংগী মিংবু করি কৌবগে ?" নুপামচা (থোক)- "ইপাগী মীংনিদনা হয়িং হায়বদো ।"

নুপামচা- "ঐদি তল অসি ঐখোয় বাবাগী অয়াবা য়াওদ্রবদি পীজবা ঙমজদে অদুনা অমুক্তা হংজখিগে ...... হো..... বাবা .... (লাপ্পা কৌই) .... হো বাব হয়িংনা তল চাগে হায়রিয়ে, পীজখোরা, পীজগনুরা ?"

মপানা খুম্নকই- "হয়িংনা তল চাববু কয়াম চানি হায়বগে পীজখো পীজখো।"

অসুম তৌনা হয়িংনা পোলাংদা য়াওরিবা তলমখৈ লোইনা চাথোক্লগা প্রপ-প্রপ চৎখি। হোতেল অদুগী মপু অদুসু শেন-থুম কয়াম শিৎলবগে হায়দুনা হোতেলদা প্রপ-প্রপ চংলকই, অহানবদা তল অমতা য়াওদ্রবা পোলাং অদু উবদা হরাওজরদুনা মচানুপাদা তল কয়াম শিংখ্রে হায়না হংই। মচানুপানা মপাদা হাররকই- "বাবা তল অদুদি হয়িংনা লোইনা চাথোকখ্রে" ব্রাফম অসিদা মপা-মচা খৎনৈ, লাওনৈ মপানা মচাবু মীনম্বা ঙাংই হায় মচানসু মপাদু ঙাওরে হায় খৎনবা য়াবা খৎনরবা মতুংদা সনা কোনুংদা ব্রায়েনবীনবা লাকই। সনা কোনুংদসু অদুমঙাই হয়িংনবু হোতেল অমদগী তল কয়া য়াম্না চাগদৌরিবনো হায়দুনা হংনৈ, থম্লে, মমৈথংদা হয়িং কৌবা মীওই অমনা চাখিবা ওইরম্মী।

মথং তারকপা ওইনা নুপা মচা অসিনা পাঙ্গল শাদুনা বোর মন্ত্রি অমগী য়ুমদা চংলকই। বোর মন্ত্রি অসি মহাকপু গৌতমমনি পুজাদা চংহনখিদবা মন্ত্রি অদুগী য়ুমনি। থওইনা মন্ত্রি চংথোকখি খংদুনা নুপা মচা অসিনা মন্ত্রিগী নুপীদা মন্ত্রি লৈত্রা হায়না হংই। মন্ত্রিগী নুপীনা করি লমদগীনো, মীংনা করি কৌই, করি থবক লৈবগে হায়না হংই। নুপামচা অদুনা নংগা-ঐগা কৌই হায়না খুম্মী অদুগা ঈফম লৌবগী পৈশা-নুংশা খরা পিগদবা লৈ মদুগী লাকপনি হায়। মন্ত্রিগী নুপীনা মহাকপু ঙাইহাক ফমখো মন্ত্রি হল্লকখিনি হায়দুনা ফিদা অমা থারগা ফমহল্লি। অদুগা হায়রকই "হো তাদা নংগা-ঐগা খুদোং ফায়বা মখাথংবা য়ুমদগী মৈ অমুক্তা লৌজরুখিগে, বর মন্ত্রিনা হাননবা চাকখুমাংগী শামুক্তা লৈরিবশে য়ুম্লেবা চংত্রা অমুক্তা য়েংবিরম্মু" হায়দুনা মন্ত্রিগী নুপি চংখি। মতাং অসিদা বোর মন্ত্রিগীদমক শেম-শাদুনা থম্লবা চাক্লেলগী চাকউপ অদু হাংদোক্লুনা য়েংই অমসুং হায়রকই 'ফজনা থোংখ্রেদা চাক য়েনশাংশে, এ..... ! .... করিনো য়েনশাংদা হংঙোই অমা তাওদুনা লৈরিবশিদি, ও ... ! .... কবোসিদি হংঙোই চাবোইরে, হাংতোকলগসু মথাকউ, য়েল্লাং থোংবা অসি ব্রুং ... ব্রুং শৌরক্লবাকান্দ হংঙোইশে হেক থাদবনিনে, অশাবদুদা খাংবা গুমদ্রদুনা য়েল্লাং খুদাপ অমা পাইদুনা লৈরেনে" অদুগা তংখাই অমা প্রপ-প্রপ চাথোক্লগা মহি মনাই তোংশিন্দুনা "বোর মন্ত্রি ঐগী লুখাক পিজবসিনা নংনা চৈখিবগী লমন শিংলবনি" হায়দুনা হান্নগুম চাকউপ অদুনা অমুক উপশিন্দুনা থম্মী অদুগা অদুম চংখ্রে। তাঞ্জা অসিদা বোর মন্ত্রি চাক লাম্না চংলক্লুনা মাগী নুপীদা চাক পুথোরক্লবা য়াথং তাওথরম্মী, মাগী নুপীদি চাক অদু পাইবদা খরা নুংঙাইররোই অদুনা মন্ত্রিনা অদুম লৌথরগা চাবিরো হায়রকই। মন্ত্রিনা চাকউপ অদু হাংদোক্লনা য়েংলুবদদি চাবা য়াদ্রবা লুখাক ওইরম্লে। মন্ত্রিনা হায়রকই "রাশি মসিবু ঐগী চাক্লনে, হৈ লাও য়েংঙো লাওনে কোনুংদগী কুম্লক্লগা চানবা চাকপু মহি তোংলগা থম্লব্রা ? রাশিনা তফিং তফিং চংলকই, য়েংলগা হায়রকই "ইমাইপেম্মা বর মন্ত্রি কমদৌনি শিদি" মন্ত্রিনা "কৈদৌরবা" ? রাশিনা "বর মন্ত্রি চাকশিদি নংগা ঐগনা চাখ্রে কমদৌনি"। বাহৈ অসি তাবদগী মন্ত্রি মতৌ মনাও য়াম্লা কন্না খংনরম্মী মন্ত্রিনা "হৌজিকপু ঐখোয় অনি ফমদুনা চামিন্নগ্রবো ?" রাশিনা "ফাগি তৌবিনু বর মন্ত্রি তশেংনা নংগা ঐগনা

চাপ্লবনি।" মন্ত্রিনা মহাক্কী নুপী লৈকাই কোইদুনা লৈ হায়দুনা ফুবিরে, চৌকিদারফাও লাক্কুনা খাম্মে। চৌকিদারনা হংলকই "করিগীনো বর মন্ত্রি অসুক কন্না ফুনবিরিবো ?" মন্ত্রিনা চৌকিদার হায় "ঐ কোনুংদগী কুল্লকই, চাক চাগে হায়দুনা চাকখুম্মাংদা চংই, ঐগী চাক লৈরমদ্রে বিচার তৌবিয়ু"। চৌকিদারনা "চাক্তি কদায় চৎথ্রবা", মন্ত্রিনা "ঐগী চাক লৈরমদ্রে নংগা ঐগনা চাপ্লে বিচার তৌবিয়ু হায়বনি।" চৌকিদারদুনা শাওরগা "এ ! করি বানোদা বর মন্ত্রি, বা-বা খৎনরে খামগে লাক্লগা চাক্তু নংগা ঐগনা চাই হায়রিবশিবু" মতাংশিংদা রাশি (বর মন্ত্রিগী নুপি) "হো খুরা চৌকিদার থাংউংশেংবনে ঐখোয় বর মন্ত্রিগী চাকসে, নংগা ঐগনা চাপ্লবনে।" চৌকিদারনা "করি বানোনে ঐবেম্মা খৎনবা খামগে লাক্লগা অমনসু নংগনা ঐগা চাই, অমনসু নংগা ঐগনা চাই, হাৎননিংলগা হাৎনজৌ, শিনিংলগা শীনজৌ, চৎলে ইবেম্মা" হায়রল্লগা মমাই লৈথোকখ্রে। মন্ত্রিগী নুপিনা "অমুক্তা ঙাইবিখো খুরা চৌকিদার ইমুংশিদা ঐ লৈবা ঙম্নরোই বা লোইথোকপিরম্মু ঐ চৎচখ্রগে" হায়দুনা বর মন্ত্রিদা খুরুম্মী, কাইন ঈশৈ অমসু শকই ঃ

শাবি থংলেন লৈহৌরোকো
ননাওবু ব্রারৌবিগনু
নুংশি নুংশি শেৎনরশি
পাম্মু পাম্মু কাইনরশি।

.....

মন্ত্রিনা— শাওগনু শাওগনু
বসন্তদা নুপিনা শাওহৈদে
শানৌ লাওনে চংলকউ
য়ুমদা হনজিনমিন্নসি
অরেপ্পা নৎতেনে সংসারা
হল্লক্নি হল্লকই খংদ্রবনে মীওইবা।

ঈশৈ অসি অরাই অথুম তৌনদুনা শক্লববা মতুংদা মন্ত্রিনা মাগী নুপি রাশিদা "হৈ লাওনে চংলশিনে" হায়দুনা তেথনৈ অমসুং রাশিনা হায়রকই "বর মন্ত্রি হৌজিক লাক্লম্বা পাঙ্গলদুবু উম্নবিরব্রা ?" মন্ত্রিনা কদায়দে লাক্লম্মীবা হায়না হংই।

রাশিনা খুম্মী "পাঙ্গলনি বর মন্ত্রিদা রানোমলিবনি, শেন পিগে লাকপনি, অদুগা ঐনা মমিং করি কৌই হংবনে, অদুদা মহাক্লা নংগা-ঐগা কৌই হায়, মাগি খুদোং পীথক্লবা মৈ লৌবা চৎলুবনি, অদুদা নংগা-ঐগা কৌবা মহাক্লা চাখিবনি" রাফম অসিদগী ইমুং অসিদা থোক চংলে হায়বা খংবদগী মন্ত্রি সনা কোনুংদা রা তান্নবা চৎখ্রে।

নোংমসু ইয়া কৌবা হিহোনবা অমগী শক্তম লৌদুনা মীগী মচানুপী অমা হিদা হাপ্লগা পুখি। মমানা "ইয়ানা ইচা পুখ্রে ...... ইয়ানা ইচা পুখ্রে" হায়না লাও লাওদুনা কপ্পী, তেংথাই অতাবা মীওই কয়ানা হায়- "নয়ানা নচা পুদনা কনানা পুগদৌরিবনো", লৈবাক রাথোক ওই, থোক চৎলে থোক ফাদবা য়াদ্রে হায়দুনা লৈবাক নীংথৌনা ফনবা হোৎনরকই।

নোংমা লৈবাক নীংথৌ অমদি বোর মন্ত্রি অনিনা নুমিদাংদা থোক ফানবা থোক্লকই। মখোয় অনি মাইকৈ খাইদোক্লদুনা বোর মন্ত্রিনা কৈথেল মচা অমদা লাকই, অদুগা নীংথৌনা মীথুংশং মচা অমরোমদা চৎখি। বোর মন্ত্রিনা কৈথেল মচা অদুদা নুপী অমা লৈবাক্তীদমক তেংথা নাওইদুনা লৈবদু কৈথেল লাইরেম্বীনি খন্দুনা চংশিল্লগা হায়রকই "ইমা নচাদা থোক কদায়দা লৈ, করম তৌনা ফাগদগে হায়বদু অমুক্তা তাকপয়ু"। অশেংবদি থোক্লা (নুপামচা) অদুনা কৈথেল লাইরেম্বী শারগা লৈরিবনি, বোর মন্ত্রিনা খংদবগী রানি। বোর মন্ত্রিগী রাফম অদু তারবা মতুংদা কৈথেল লাইরেম্বীনা হায়রকই "থোক হায়রিবা মীশক অসি ঐবু খুরুম্বা লাক্লনি, নংনা মাবু ফাবা পাম্লবদি, ঐনা শেৎলিবা ফিজোল অসি হোংদোক্লো অদুগা ঐগুম্না লৈগদবনি, মতমদুদা থোক্লা চংশিল্লকপদা নংনা থোকপু ইরাই লাইনা ফাবা ঙমগনি" রাফম অসি য়ান্নরদুনা বোর মন্ত্রি অমসুং কৈথেল লাইরেম্বী অনি মফি-মরোল লোইনা হোংদোক্লরে, অদুগা বোর মন্ত্রিনা কৈথেল লাইরেম্বীগুম লৈহৌরে, কৈথেল লাইরেম্বীনা মীথুংশং অমদা চৎখিদুনা চীংমী অমগী ফিজোল শেৎচিল-চাশিল্লগা মখোং খুউ ফাওবা লৈবাক্তা ফুমজিল্লগা লেপ্তুনা লৈরে। মতম অসিদা নীংথৌসু মীথুংশং তম্না লাক্লম্মী, অদুগা চীংমী অদুনা লৈরিবা মওং অদু উরদুনা হায়রকই- "নহাক কনানো"? "নং থোক হায়বদুরা" ? নীংথৌগী রারোল অসি তারবা মতুংদা চীংমী অসিনা খুম্নকই- "নৎতে, নৎতে...ঐদি থোক হায়রিবা মীশক অদুগী ওঝানি, মহাক মফম অসিদা ঙসিগী পরা খরা তম্নবগীদমক লাকনি, মঙোম্দগী

করি পাম্মী হায়য়ু" নীংথৌনা খুম্লকই "ঐ লৈবাক অসিগী নীংথৌনি, ঐ মাবু (থোকপু) ফাবা পাম্মী, মহাক্না লৈবাক অসি মথক-মখা ওলহল্লে মরম অদুনা মাবু ফাদবা য়াদবনি"। চীংমীনা হায়রই "নংনা থোকপু ফাবা পাম্লবদি ঐনা শেৎল্লিবা চীংমীগী ফিজোল অসি হোংদোক্কুনা মফম অসিদা থোক লাকপা ঙাইগদবনি। মহাক্না ঙসি নোংমগী পরা তম্বিরো হায়দুনা চংলকপা মতমদা মহাকপু ইরাই লাইনা ফাবা ঙমগনি"। অসুম তৌনা লৈবাক নীংথৌ অসিনা চীংমীগী ফিজোল শেৎচিল-শাচিন্দুনা লৈহৌরে অদুগা চীংমী (থোক) না নীংথৌগী ফিজোল শেৎচিল্লগা সন্না কোনুং তান্না চৎখ্রে সনা কোনুংগী সঙ্গোং য়ৌরবা মতমদা নীংথৌনা (থোক্না) থোংঙাকপদা মহাক্কী য়াথং য়াওদনা কনা অমত্তা চংহল্লক্কনু হায়দুনা য়াথংসু তাওথরম্মী।

নাকল অমরোমদনা কমদৌরি, বোর মন্ত্রি অদুনা কৈথেল অদুদা কনা অমত্তা লাক্তবদগী মীথুংশং তন্না থোক থিবা হায়গৎলকই অমসুং চীংমী অমা চপ য়ুংনা লেপ্পুনা লৈবদু উরম্মী। থোক হায়রিবা মীশক অসি লৈরেদনা হায়না চপ য়ুংনা খনখ্রে বোর মন্ত্রিদুনা, নাকল অমদনা নীংথৌনা থোক হায়রিবা মীশক অদু লাক্লে ফাবা য়ারনি অসিনি। বোর মন্ত্রিনা নীংথৌগী নাক্তা তপ্পা-তপ্পা অসুম-অসুম নকশিল্লকই, মখোয় অনিমক পাখৎপনসু খম থেংনরম্মী, অমনা অমবু ফাগদবগি ম ওং উৎরকই, য়াম্লা নকশিন্নরক্লবা মতুংদা মখোয় অনি অমনা অমবু শক খংনবকপদগী অপংবা তান্নরে। থুনমক মখোয় অনি সনা কোনুং তম্মা লাকই, লাইবক থিবদি থোংশংবনা নীংথৌ অমসুং বোর মন্ত্রি অনিবু অহানবদা খংদদুনা কোনুং চংহনখিদে, কাইনথংদা খংনরক্তনা সনা কোনুং চংখি। নীংথৌ অমসুং বোর মন্ত্রিনা কোনুং মনুংদা চংলকপদদি থোক হায়রিবা মীশক অদুনা নীংথৌগী শীংহাসন্দা ফমদুনা লৈরম্লে। থোক্না হৌগৎলক্কুনা মপা নীংথৌদা খুরুমজরে অদুগা হৌখিবা ৱাবি পুম্বা মথং-মথং লিথরে। নীংথৌনা ৱারি পুম্বা তারবা মতুংদা থোক হায়রিবা মীশক অসি মহাক্কী মচানি হায়বা খংবগা লোইনানা নীংথৌগী শিংহাসনসু লানথোকখি। লোইননা লাপ্পা লৈহৌরবি মমাবুসু কৌখৎনবা য়াথং পিখি।

মতেং লৌজখিবশিং ঃ

১। লাইরিক ঃ

(ক) অয়েকপম শ্যামসুন্দর, *মণিপুরি শুমাংলীলা অমসুং থিয়েটর*, মণিপুর সাহিত্য পারিষদ, ইম্ফাল, ১৯৮০।

(খ) সনখ্যা ইবোতোম্বী, *মণিপুরদা থিয়েটর অমসুং ড্রমা*, এন: টি: এস: পব্লিকেসন্স, ইম্ফাল, ১৯৮৭।

(গ) অনজুম কাটয়াল, *থিয়েটর ইন মণিপুর তুদে*, সিগল ফাওন্দেসন ফোর আর্টশ, ২৬ সারকস এভেনীউ, কলকতা, ১৯৯৭।

২। চেফোং ঃ

(ক) পাম্হোইবী নাট্য মন্দির, য়ুম্নাম লৈকাই, ইম্ফালগী সেমিনার, *ফোক থিয়েটর ইন ইন্দিয়া*, ১৯৮৪।

(খ) পোক্লফম খববদা ডা: রাজেন তোইজাম্বাগী *শুমাং লীলাগী খোংগুল লীবা।*

(গ) পোক্লফম খবরদা শ্রী মাখোন মনিনাগী *তখেল্লম্বম নবকুমার মতাং*

৩। তান্নজখিবশিং ঃ

(ক) শ্রী তখেল্লম্বম নবকুমার সিংহ, কোংবা স্তেনদরট কোলেজ গেট, ইম্ফাল।

(খ) শ্রী তখেল্লম্বম মনিকচান্দ সিংহ, কোংবা, ইম্ফাল।

(গ) শ্রী ইরোম রাশি সিংহ, নোংমৈপুং, ইম্ফাল।

(ঘ) শ্রী য়ুম্নাম রাজেন্দ্রা সিংহ, য়ুম্নাম লৈকাই, ইম্ফাল।



লমদম অসিগী জগোয় ঈশৈগী চৎনবী ওাক্লা লৈরক্লিবা মওং-মতৌ অমদি চাওখৎলকপা মওং

রঞ্জীৎ অধিকারিময়ুম
উরিপোক, ইম্ফাল

রাহৌদোক ঃ

লমদম অসিগী জগোয় ঈশৈ য়েলহৌঙৈদগী হৌনা মফম অসিদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরক্লিবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ শাগে শলাইশিংগী চৎনা লোনচৎ, হৈনবী, ইবাৎ-থৌনি অমদি লাইনিং লাইশোনগী থবক থৌওংশিং জগোয় ঈশৈগী মশক ওইনা লৈবক্লি। অসিগুম্বা খুন্নাইসিগী মীহৌরোলদগী লৈরক্লবা জগোয় ঈশৈ অসি চৎনবী ওাক্লা চপ চাবা মওংদা থম্বা হায়বসি ওইথোক্লে। মরমদি ঐখোয়গী জগোয় ঈশৈ, খুন্নাই অসিগী শাগোলনজবা জগোয় ঈশৈ নোংমাইগী মওংনি। লৈবাক মচা তাবা চাউখৎপা খুন্নাই অমগী জগোয়, ঈশৈ নোংমাই খুন্নাই অদুনা থাংলিবা খোংথাংগী পোইরৈ ইননা অদুমক চৎমিন্নৈ। খুন্নাই অমনা চাউখৎলকপদা খুন্নাই অদুগী চৎনবী জগোয় ঈশৈনচিংবা তুংওইনরম্লবদি খুন্নাই অদু মমি শান্নবা শিংদৌববা মীগা পাংথক ওইববনি হায়বা, খ্বাই পুম্বনা য়ান্নরবা থাফম ওইরে।

খুন্নাই অদুগী মীয়ামগা তৎন-থানদনা চৎমিন্নরীবা চৎনবী, লাইনিং লাইশোন অমদি জগোয়, ঈশৈ অদু অহিংবা জগোয়, ঈশৈ নোংমাই ওইরি। অদুগুম্বা জগোয়, ঈশৈ নোংমাই মালেমসিদা খুন্নাই অদুগী মশক তাকপা ঙম্লিবনি। অনি অসিনা কৈদৌনুংদসু তোখাই তোখাইনা খায়দোকপা য়ারোই। খায়দোকখিবা তাববদি মালেমসিদা মখোয়গী শক্তম মুৎখিবা হায়বা মশানা তাবনি। অসিগুম্লবা, চৎনবী, চৎনা-লোনচৎ অমদি জগোয়, ঈশৈ নোংমাইগী মখল কয়া চহি চা কয়া চংনা খুন্নাই অমনা শেমগৎ শাগৎচরক্লিবা অদু মশক থোকনা থম্বা হায়বসি তঙাইফদবনি।

মরম অদুনা ঐখোয়না জগোয় ঈশৈগী মওং অসি অককনবা পথাপ অমগী মখা মতমগী চান্নবা মীৎয়েংদা মরূগী হৌনা অশেংবা মশক খঙদোকপা অমদি চাউখৎনবা মতম ওইরে। ব্রাখল অমসুং মীৎয়েং শোইখিবদা মালেমসিদা ঐখোয় ঐখোয়গী জগোয় ঈশৈগী মমল নোংমা নোংমগী হ৘রকপদি শোয়দবনি। হৌখিবা চহি চা ব্রাখল খরা থৈখিবদগী মদুগী চৈথেং কোকপা ঙমদনা তারি।

য়ানশিনখরে খংনা খংনা অসুম লৈথোকপা, পেম্থোকপা অচুম্বা লিচৎ ওইরোই। মতম চংলবসু চংনা লৌথোক্লবদি হোৎনবা তাই। মরমদি ঐখোয়গী অশেংবা শক্তম, মালেমসিদা তাকচনবা পাম্বৈ ওইরিবা জগোয় ঈশৈগী মশক হেন্না হেন্না শেংহনবা তারি।

"ইনাৎকী ওইবা চৎনবী অসি হোংলক্লিবা চৎনবীগা চান্ননা অনৌবা সাইন্টিফিক ওইবা মীৎয়েংদা য়েংবা তাই। হোৎনবা তাই, লম্বীসিদা চংশিনবা তাই অকনবা শাফু অমগা লোইননা ২১ সুবা চহি চাশিদা।

মীৎয়েং অসিদা, ঐখোয়গী জগোয় ঈশৈ অমদি নাৎকী ওইবা থৌরমশিং অসি মতৌ কবন্না ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা চৎনবী ঙাক্লা থম্লকপগে ? হোংলক্লিবা পৃথিবীগী খোঙচৎ অসিদা করম তৌনা ইশাগী শক্তমগা লোইননা মাংদনা থমগদগে হায়বা মীৎয়েংদা তাঙ্কক নাইনা, লমদম অসিগী জগোয় ঈশৈ হৌরকপা অমদি শমথরকপা মওং। ঐখোয়গী জগোয় ঈশৈগী তোংলকপা অমদি চাউখৎলকপা মওং।

ঐখোয়গী শক্তম কাইদনা ইশাগী ওইবা ব্রাখললোনগা লোয়নবা ব্রারোইশিন মথং মনাও নাইনা থমজরি।

লমদম অসিগী জগোয় ঈশৈ হৌরকপা অমদি শমথরকপা মওং ঃ

ঐখোয়গী জগোয় ঈশৈ, অরিবা লাইবিক লৈশেমলোন পুয়াশিংগী মতুং ইন্না লৈশেমঙৈদগী হৌরক্লে হায়না লৌনরি। মদুদি— গুরুগী য়াথংনা (অতিংঙা গুরুশিদবা) অশীবদা মালেম শেম্ববু হারাবনা হন্না হন্না থুগাইবদু উবদুনা অশীবগী মতেং পাংনবগীদমক গুরুগী খোয়দগী খোয়নৌ কৌনা মীৎ নহাগী মশক কুম্না গুরুগী মীৎলুদগী পুথোক্লে। মমিংদি তরৈ মিৎয়েংশেন মি মি মেৎয়েংশেন কৌয়ে। গুরুনা মাগী খুৎনাওবীদা থাংগাৎতুনা য়েংহল্লে নোংথাংলৈমা কৌয়ে। অসুম্না অশীবনা মালেম শেম্ববু হারাবনা অমুকশু থুগাইগে তৌবদা তরঙথক্তা

শুমহৎনবগী মশক ওইবী নোংথাং লৈমাবু উরুবদা, শুমহৎখিদুনা মোমনু চেংলৌ হেনবী পায়মা খোয়জঙবী তিল্লাং খোয়দাবীও নংবু কনানো ? হায়না হংববু, নোংথাং লৈমা নমু মীপুক শুম্বীনা, থেক্ক থেকপা মথক্তা থেক্করাজ ইফুনা নৌগ নৌবা মথক্তা চরৈ মকাফোং মাল্লৌ মীমাৎ তাবা মিৎমৈ তোরান থা খোয়রুম মোমোন নোক্লা চীনগোই ঐবু পাউশনরবা নঙদুম কনানো ? অসুম্না অওক অথোং তৌনা, শাথেক শাওংগা লোইননা পাউশানদুনা হারাববু থেমলিঁঙেদা মালেম লৈশেম নোং শেম্বা লোইদুনা লাইবুংথৌ নোংদম খুবগা নোংদম লেংবগা লৈরোই থেংগৌ শাখি। লাইপাখং তরেৎ লাইনুরা তরেৎপু নোয়না ঙমদনা হন্দুনা হায়বদি জগোয় শাহন্দুনা লৈরোই নোংলোই ঈশৈ শকখি। (লৈশেমলোন) হায়বা অসিনা মরম ওইদুনা নোংথাংলৈমনা হরাববু শুমহৎনা শাবা জগোয়দগী হৌরে হায়না ঐখোয়গী ওজা গুরু, পণ্ডিত মাইচৌশিংনা য়ান্নরবা ব্রাফম্নি। উকাক লাথা কৌবা পুয়াদা মালেম লৈশেম নুংশেম্বদা লাইবুংথৌ, লাইনুরাশিংনা শাখিবা জগোয়বু খোংশিৎনা ইপোম হৌনা শাবগী ব্রাসু ইরি। লৈশেমঙৈদগী হৌরকখিবা জগোয় ঈশৈ মথং মথং মৈনা ব্রাই তাঙনা শমগী মওংদা তম্নরকপগী ব্রারোল লাইহরাওবা অনোয়রোলদা ময়েকশেংনা ইরি। (পাম্ভোইবী খোঙ্গুল) নোয়বা হায়বসি জগোয় শাববু খংনৈ। পৌথৌরোল থৌনি কৌবা লাইরিক্তা তাইবঙ পানবদা হকচাংসিনা লেংলকপা অদুবু নোয়বা কৌই। (মৈতৈ জগোয় অনোইরোল) অরিবা লোন্দা জগোয় শাববু নোয় খুতেক নোয়মল্লাং, নোযনা উমদম হৌবা হায়। "অনোয়রোন" কনা কদাইদা করম্না জগোয় শারকখিবা অমদি তম্লকখিবগী পরিং ইরি। হৌজিক হৌজিক মৈতৈ লাইহরাওবদা পেনা শকপনা ঈশৈ ওইনা শক্লগা মাইবীনা লুচিংদুনা অনোয়রোল খুৎথেক শারি। মৈতৈ লাইহরাওবা লৈশেমলোনগী ব্রাবু নিংশিংদুনা লাইশোন তিনশোন, ঈশৈ নোংমাই জগোয়না ফোংদোক্লনা, লৈশেম নুংশেম্না তাইবং মপুনা পেনবীনবা পাঙথোকপা থৌরমনি। থৌরম অসিনা ঐখোযগী জগোয ঈশৈগী তুংনফম ওইদুনা লাক্লি। অমদি ঐখোয় শৈশক কয়া জগোয়গী খুৎশা কয়া খুৎথাং য়ৈনা মথং মথং তম্নদুনা লাক্লি। অদুম অদুম ওইনমক হেক হৌঁঙেদগী লেংদবা পোংশক অমগুম্না লেংদনা মাংহন তাহন্দনা থম্না য়াবদি নৎতবনিনা খুন্নাই অসিনা হোংই খংদনা হোংবা খোংথাং খুদিং অদুমক অহোংবা অথেংবা নাইরকই। ইতিহাসকী খোংচৎকী মতুং ইন্না য়োকখৎপা, নমথবা থুগাইবা মীওইবগী মচৎনি মতমগী খোংলৈনা পুবনি। ঐখোয়গী ইনাৎকী লাইহরাওবা থেংখাং কয়াদা থেংহন্দুনা লাকখি।

ঐখোয়গী লাইহরাওবদা লাইয়াম্না নোংপোকপু লাইগী নিংথৌ সোরারেল হাপ্ল মতমদা লাই ময়াম্না লৈলাংলগা শান্নখিবা অদুগী মতৌতমদুনা খৃষ্টগী মমাং শতাব্দী ৪ গী অদুব্রাইদগী থাব লৈরেল খৈনা (কংলাদা পানখিবা নিংথৌ) হৌদোকখি হায়না লৌনৈ। মদুগী মতুং খৃষ্টগী অহানবা শতাব্দীদা নোংতা লাইরেল পাখংবনা পানবা মতমদগী শিথখিবনা খৃষ্টাব্দ ৭শুবা শতাব্দীদা পানখিবা নাউথিংখোংগী মতমদগী অমুক হৌরকপা অদুনা ১৬ শুবা শতাব্দীদা পানবা খাগেম্বা নিংথৌগী হাক্তক্তগী হায়না লৌনৈ। মতম অসিদা মাংথক্রবা লাইরোইনচিংবা খোমজিন্দুনা ইশিল্লম্বগী বা থেংনরি। অদুদগী ১৮ শুবা শতাব্দীগী হৌগৎলকপদা পানখিবা গরীবনিবাজ নিংথৌগী হাক্তক্তদা অনৌবা ধর্ম্মনিতি অমসুং রাজনীতিগী অহোংবা লাকপদগী অমুক শিথখি। অদুবু ১৮ শুবা শতাব্দীগী ময়াই ওইরকপা মতমদা পানখিবা জয়সিং (ভাগ্যচন্দ্র) গী মতমদা অমুক হন্না থিজিন্দুনা, মহাক্কী মতমদা পাখংবা হরাউখি নৌহৌনা অমুক য়োকখৎলকখি। লোইননা নিংথৌ অসিগী মতমদা ঐখোয়গী নাৎকী ওইবা থৌরমদা নোংচুপলোমগী অনৌবা ইনোৎকা লৌননা অনৌবা শকলোন অমা লাকখি।

ঐখোয়গী জগোয় ঈশৈগী হোংলকপা অমদি চাউখৎলকপা মওং ঃ

ঐখোয় ইনাৎকী জগোয় ঈশৈনা লম্নী ওইদুনা খুঙ্গা ওনবা লৈচা ওনবা, চাক গ্রহোংনবা, নুংঙাই যাইবী মরাং কাইনবা ইরাং থৌনি ভৌবগী মথক্তা ঈনাংথৌ অসিগী হাক্তক্তা বৈষ্ণব ধর্ম্মাসু মপুং মরৈ ফাবা মতম ওইখি। কাইনচিংদগী থৈরোং পাম্বী য়ান্দুনা কৃষ্ণগী মূর্ত্তি শাদুনা লাংপা হৌখি। অদুগা লোয়ননা পৃথিবী শিঙ্গংনা খংনবা মণিপুরী রাস লীলা মৈতৈ লাইহরাওবগী জগোযদা য়ুম্ফম ওইবগা শেমদুনা গৌবীন্দদা কৎখি লোইননা মশামক্তা পুং য়ৈদুনা মণিপুরী নট সংকৃত্তনাসু জগোয় রাসকী মঙ্গলাচরনগী মশক ওইনা হৌদোকখি। মণিপুরী বৈষ্ণবশিংবু মূর্ত্তিগী লম্নীদা চিংশিন্দুনা অরান-খুবম ফংনবা চীংশিনবা হোৎনরম্মী। অসিগুম্না জগোয় ঈশৈ, মালেমদা লমদম অসিদা পানলম্না নিংথৌশিংনা (১৮ শুবা চহি চাগী মতুং) মশা মরেং ফয়া মপুং ফানবা হোৎনবীরম্মী। অদুগী মহৈ ওইনা মণিপুরী জগোয় রাস মখল মণ্ডা খাতুগী ওইনা শান্নবা নুমিৎ খুদিংগী শান্নবা য়াবা অমদি নুংথিল শান্নগদবা লীলা থাইদোকপীরম্মী। অসিগী মথক্তা গোষ্টলীলা নচিংবসু কৎপীরম্মী। অমদি মতম মতম অদুগী নিংথৌ মীৎয়েং মখাদা লৈবাক্কী ওজা গুরুশিংনা হেন্না হেন্না মপুং

ফাইননবা হোৎনবীরম্বা লেংদনা থম্নবা হোৎনরম্বা ঐখোয়না ময়েক শেংনা উরি। অদুম অদুম ওইনমক মুৎশিনলক্লগদ্রা ফাওদবদি নৎতে।

মীৎমাংদা উনা উনা অসুম অসুম হোংলকখি তৌহননিংদবা কয়া তৌরক্লিবা অসিনা অসুম চৎখিবা তারবদি শোইদনা হোংখিবা মশানা তাবনি। মীৎয়েং অসিদা হোংহনলক্লিবা অসিগী মরম খরা ফংদরি।

লাইহরাওবদা হৌজিক হৌজিক হোংলক্লিবা কাইথরক্লিবশিং :

ঐখোয়গী ওইবা লাই হরাউবগী থৌরমদা শিজিন্নবা যন্ত্রশিং পেনা, হরাউ পুং, শেননচিংবগী মহুৎ, নোংচুপ লোমগী বেননা মহুৎ শিনজিনলকপা। হরাউবগী জগোয় ঈশৈ পৃম্বা বেন কাংবুগী ধোল, শাইটদ্রমগী খোম্বোক্তনা হুমদুনা পুরকপা। পুংলোনগী মতুং ইন্না জগোয় শাই হায়দুনা, ঐখোয় পেনা মেংলবা নুংশিরবা খোম্বোক্লা চিংনা চিংনা খোংলগা মাইবীনা কাইদনা লাইনিং পরি চেৎনা লাইচিংথোকপগী জগোয় শাবগী মহুৎ মতৎ মতৎ তৌবা মপুং ফাদবা শাইটদ্রম অমসুং পোলগী মখোলদা শাবা লাই হবাউবগী ৱাংলবা ফিদম অমদি ৱাংঙুলোনগী ৱাংমদা ওইবা মশানা তাজবনি। অইংবা অচীকপা মফমদা পুক্লিং হকচাং অনি লুপ্পা নিংজরিবা লাই অদু ফংনবা নিংনবা ঙাক্লি।

মতাং অসিদা পণ্ডিত কুল্লচন্দ্রনা মণিপুরী জগোয় সেমিনার নৈনখিবা ১৯৭১ গী মহাক্কী চে লাই হরাউবদা অসুম্না হায়রি। "লাইহৌবগী লাইচিং-থোকপদা চেপথব উপথব নোনথব, হাইবনচিংবা হেনজিনবা মওং ঙাক্তা উরে। লাইরিক্তা লৈবা মপোপ কায়দবা অদু থুগাইদুনা ঐখোয়গী লাইহরাউবগী জগোয় খৃৎশেম তাহনলে।" মসি পুংলোন কায়হনবনি। অসিদসু নত্তনা তিনলিবা মীয়ামগী পেন্নবা, নুংঙাইনবনি। হায়দুনা ফজরবা ৱাংলবা ঐখোয় ৱাখল্লোনগী ৱাংমদা শান্নরিবা লাই অদুগী থরাইনা শান্নবদা শোয়খিবা য়াওদুনা মশক খংদনা লৈহৌবা য়াওরবসু ফাজিন্দুনা লাইকোল নুংদা খোনজিনবগী জগোয়দা চিংবা কয়াদা চোং চোংদুনা. চেন্না চেন্না জগোয় শাবা ঐখোয়গী লাই হরাউবা জগোয়গী ফজবা মাংহনবনি। অসিগুম্বা থৌওংশিংনা অমদি ইনাৎকী ওইবা থৌরমশিংদা মীশক মীওং থৌগী মতুংইন্না শেংকদবা ফীজেৎনচিংবদা মনিং মখা তন্নকপা চহি লিশাং শিংনা ঐখোয়না য়োথৎচরকপা মাংহনজবা থৌওংদগী কনজনবা তঙাইফদবা লৈরে।

রাসলীলাবু হৌজিক ধর্ম্মাগী (বৈষ্ণব) লমদম অসিদা মনিং খরা হুম্লকপা তৌরকপা অমদি মীওইবনা হিংনবা লানথেংদা ধর্ম্মাবু থৌশারক্তবনচিংবা কয়া অমনা মরম ওইদুনা, ঐখোয় মপুং মরৈ ফানা চংখৎলবা রাসগী জগোয় ঈশৈগী চন্নফম চপ চাবা মওংদা লৈরক্তবা মীৎকী কুম্মৈ ওইনা ঙৈহাক নুংঙাইনবা মখল মথেলগী জগোয় ঈশৈগী শরুক অমা ওইনা লৈরকপা মতম অসিদা ঐখোয়গী ওইবা জগোয় ঈশৈশিং মাংহন্দনা থম্নবগী উপায়থিবা মতম ওইরে। হৌজিক্কী চাউখৎলবা মতমসিদা মতমগা চাননা লেংদবা, পোৎশক অমগুম তোঙান তোঙান ওজা গুরুশিংগী জগোয় ঈশৈশিং রেকোর্ড তৌদুনা তুংগী, মীয়োলগীদমক থম্নবা অমদি ঐখোয়গী শক্তম মালেমদগী মুৎখিদবা, জগোয় ঈশৈগী ওদিও-ভিদিও রেকোর্ড সেন্টরনচিংবা হাংবগী তাঙাইফদবা লৈরে।

লোইননা ঐখোয়গী জগোয ঈশৈ ঐখোয়গী ওইবা চাকচা য়ুথক, ঐখোয়গী থবক থৌওংশিং অমদি ফম্না তুম্না চৎপা জাত্তি অসিগী মীওইনা পোকলকপদগী শিবা ফাওবদা চেহ্নরিবা পুন্সিগী ঈচেলগা লাপথোকখিদনবা চেৎনা পুন্দুনা থম্না, মসিগী মরি অসি তৎখিদনবা হোৎনবনা ঐখোয়গী হয়েংগীদমক ঐখোয় ইনাৎকী ওইবা জগোয় ঈশৈ ঙাক্তুনা থমবগী পান্দ্রে ওইগনি। লোইনা লোইননা ঐখোয়না উরিবা মৈতৈ জগোয়শিং জগোয়শিংবু য়োকখৎপীরিবা জগোয় ঈশৈগী সংস্থানশিংনা ঐখোয়গী জগোয়গী লৈরিবা ফিবম কুপ্না য়েংশিনবীদুনা ঐখোয়গী শিথরক্লিবা মওংশি অচুম্বা অফবা মাইকৈদা খন্ন নৈনবা, বাকশোপ সেমিনার নচিংবা তৌদুনা অচুম্বা খ্বাইনা য়ান্নবা মওং লেপথোকপা মতম হেনগ্রে। ঐখোয়না অসুম চুপলি য়াওদবা শগোলগুম থাদোক্তুনা থম্না তারবদি মানা মানা থোকপা তৌনখিদুনা ঐখোয় লাই ওইখ্রবা ওজা গুরু অহল লমনশিংনা মতম চংনা লেংবীরম্না শরিক পরেং অদু তৎতুনা চোইজাইনা মাংখিবা শোইদবনি। ঐখোয়গী জগোয় ঈশৈ ঙাক্তুনা থম্নবগী ইশাগী মত। মৈতৈ জগোয়গী খূৎশা খূৎথেক নৈনবগী তঙাইফদবা লৈ। ঐখোয় মাইকৈ অসোমদা মীরাইবীবগুম উরে। মৈতৈ জগোয় নৈনবা কযাদা রস ভাবতদা য়ুম্ফম ওইদুনা নৈনরগা ঐখোয়গী জগোযগী শক্তম ঙাক্তুনা থম্না ঙম্লোই। রস ভাব ফোংদোক্কদৌরিবা হকচাং কয়াৎশিং খোং খূৎ মীৎ মাইগী শাথেক শাওংবু ঐখোয় ওইবা মওংদা চুম্না শিন্নবা তাই। মসি হায় হায়দুনা ভারতকী জগোয় ঈশৈগী শাস্ত্রশিং মত পুমতোক তোকপগী বাফম নৎতে। মতাং মফম য়েংনা চান্নবা মওংদা শিজিন্নবদি তৌনরিবা ঙাক্লি। নক্লকবা তিম্নকবা হায়বসিনা খর খরদি লৌনবা হায়বা অসি হৌনশানি। ঐখোয়গী জগোয় ঈশৈ

ঐখোয়গী ইনাৎকী ওইবা থৌরমশিং ঐখোয় হান্না লৈরম্বা কোনশেং ওইবা পোৎশক্তি হায়বদি য়ারোই। ঐখোয়গী লমদম অসিগী নোংপোক নোংচুপ মাইকৈ কয়াগী চেনশিল্লকপা সংস্কৃতিগীসু তিনশিনখ্রবা ঐখোয়গী জগোয় ঈশৈনি। অদু ওইদুনসু ঐখোয়গী ওইবা তোপ তোপ্পা মশক অমদি অদুম লেপ্পুনা লৈ। মতম চুপ্পদা লেপ্পুনা ঐখোয় শক্তম ঙাক্লা থম্লবা হোৎনবা তাই। ইশানা ইশাবু শকখঙজরবদা ঐখোয়গী চুম্লা লেংদনা থম্বা ঙমগনি। ইশানা ইশাবু শকখঙলবদি ঐখোয় জগোয় ঈশৈনা মতম খোংলৈ মতুং ইন্না জগোয় রাস কুম্বা কয়া অমসু শোইদনা লৈরকখিনি। জগোয় ঈশৈ অমগী পরিংদি মফম্না মতম্না মশানা পুজরক্কনি। পরিং ওইনবা মীৎ মাংদা তশেং তশেং উগদৌবা মশক অদু শেমগৎ শাগৎনবা মচাক্তি খোংলোন খূৎলোন খূৎশা শাথেক শাওং, শৈশক শৈদা অদুনি। মী ওইবা কাংলুপ অমা কাংলুপ, পুক্লিংগী ঈথিল ফোংদোকপদা হকচাং কয়াৎশিংগী লেং ওৎপগী মওং তোঙাল্লি। ঐখোযগী লোন মৈতৈলোন ঐখোয ঙাংবগা অতোপ্পা মৈতৈ নত্তবা অমনা ঙাংবগা মান্নদে। ঙাংলক্লিবা মী অদুগী কাংলুপ ফাওবা ঐখোয়না খংবা ঙম্লি। ঐখোয় অশেংবা জগোয় ঈশৈ মশক ঙাক্লা থমগে হায়রবদি ঐখোয়গী জগোয়গী খূৎশা হকচাং লেংওৎপগী মওং, কেবা নৌবা ঐখোয়গী হৈনবী অমসুং চৎনবী ঙাক্লা থম্বা তাই।

মতেং লৌজখিবা লাইরিকশিং –

১। চৈথারোল কুম্বাবা।

২। পাম্হৈইবী খোঙ্গুল।

৩। মৈতৈ জগোয।

৪। মৈতৈ জগোয় অনোয়বোল।

৫। মৈতৈ কীর্ত্তন।

৬। লাই হরাউবা– শ্রীঅতোম্বাপু শর্ম্মা।

৭। মৈতৈ লাই হরাউবা– পণ্ডিত কুলচন্দ্র সিংহ।

৮। লৈথক লৈখারোল।

৯। মণিপুরী ডান্স সেমিনার ষ্টেট কলা একাদেমী।

১০। লৈশেমলোন সেমিনার মণিপুরী ডান্স– নীংশিং চেফোং-মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ।



মণিপুরগী অরিবা খুৎইগী লাইরিক

এল. অশোককুমার

মমাংঙৈগী মতমদা ঐখোয়গী লাই ওইখ্রবা অশৈবশিংনা তুংগী মীরোলগীদমক মখল মখা কয়ামরুমগী হীরমদা লাইরিক কয়ামরুম ইদুনা থম্বীরম্মী। লাইরিকশিং অসি মপুং ওইনা উগী মকুদা, তেঙনা মনাদা, ভুজপত্র মনাদা, নূংদা, কোরি কোম্পাকনচিংবা কয়া অসিদা হক্তুনা ইরম্মা ঙাক্তনি। খৃষ্টগী চহীচা ১৬ শুবদা নিংথৌ ওইদুনা পানখিবা মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতমদগী মৈত্রবাক্তা চে শাদুনা মশাগী মুক শেমদুনা লাইরিক কয়া অমসু চেদা ইদুনা থম্বীরমই। অরিবা লাইরিকশিং অসিদা শীজিন্নরিবা ব্রাহে ব্রাতা, লোন, ঙসি ঐখোয়না ঙাংনে শক্লরিবা অসিদগী তোপ তোপ্পা লৈ। অশৈবশিংনা মতম অদুদা লাইরিক অমা ইবা হৌরকপদা অহানবদা তেঙবানবা মপুবু খরুম্বা অমদি নুমিৎ থা থব্রানমিচাক লৈপাক নোংথৌ, অতিয়া, কয়া অসিবু খুরুমদুনা লাইরিক ইবা হৌবা অসি অরিবা খুৎইগী লাইরিকশিংগী য়াম্না মপুং ওইবা শক্তম অমনি। অদুগা লাইরিক ইবা লোইরবা মতুংদা অশোয়বা অরানবা য়াওখিবা খিবিকপু তেঙবানবা অসিবু শেম্বীরিবা মপু মহাক্কী মফমদা ঙাকপীয়ু হায়না চঙজরগা লাইরিক ইবা লোয়শিল্লি। চীম্বাং ওইনা মীরোল অমদগী মীরোল অমা মথং মথং চিন্দা চিনফা পুদুনা চৎনরকখিবা কয়া অদু মমৈথংদদি অইবা খুৎইদা ইশিন্দুনা থম্বা হৌরকখিবদগী ঙসিফাওবদসু মাংবা তাবা লৈতনা মৈনা ব্রায়না তাংনা শম্না মীরোল অমগী মথংদা অমা মথং চথদুনা লাকপদগী অরিবা খুৎইগী লাইরিক কয়ামরুম মরাং কায়না লৈরি। অরিবা মতমগী লাইরিকশিং অসি মখল মথেল কয়ামরুমগী হীরমশিংদা ইরমই। মরুওইনা লাইশোন তীনশোন, নুঙলোন, থিরেল, লাইহুই, মহৌ, শেক্লীং, য়াংবী, নোঙ্গারোল, খোঙ্গুল, লম্মিৎ তুম্মিৎ, চীং, পাৎ, তুরেল, পাঞ্জিগী ওইবা লাইরিকশিং, মৈহৌরোল, লৈশেমলোন, লৈরোল, নোংলোন, লৈচিললোন, ইতিহাস অসিনচিংবা হীরমশিং অসিদা খুৎইগী লাইরিক মরাং কায়না ইদুনা থম্বীরমই। খুৎইগী লাইরিকশিং অসি কনানা করম্না মতমদা ইখিবগে হায়বসি পল্লমদর্বনা লাইরিকশিং অসি চহী কয়া শুরবগে হায়না পুথোকপদা ব্রানা থোকই। অদুবু মণিপুরদা খুন্দাদুনা লৈরিবা তম্মী অমসুং চীংমী কাংলুপশিং অসি তিবেতো

বর্ম্মন কাংলুপকী কুকি চিন কাংলুপকী চাদা নাওদাগী কাংলুপ্তা চনবনা এশিয়া মহাদেশকী নোংপোক থংবা মাইকৈদগী হৌরকপা কাংলুপশিং অসিগা মখোয়গী চৎনবী যুমরে করে অমসুং লোন মাইকৈ কয়া অসিদা মান্নবা মওং কয়ামরুম লৈ। মরম অসিনা মণিপুরীশিংগী মহৈ মশীং তম্বগী মওংদসু যাম্না মান্ননা লৈ। অদুগা মৈতৈ ময়েক অসিমকসু তিবেটিয়ান কাংলুপ্না শীজিন্নরিবা ময়েক অসিগা যাম্না মান্নে। অসুম্না পোইরে মৈত্রবাক্তা ময়েক লৈরক্লুনা অইবা খুৎইগী লাইরিকশিং থোরকখিবা অসি চাউরাক্না চহীচা ৮ গী অদুরাইদগী ওইগনি হায়না লৌনৈ। খুৎইগী লাইরিকশিং অসি মরুওইনা শৈরেংগী মওংদা ইরম্বনা নমই। অদুবু শৈরেংনা করিনো রারেংনা করিনো হায়বসি ইরিবা মীশক অদুনা মতমদুদা খঙনা ইবম্বদি নত্তে। শৈরেংগী লাইরিকশিং ঔগ্রী, খেঞ্চো, হিজিং হিরাউ, সনা লমওক, খোইজু লমওক, অহোংলোল, নিংথৌরোল, অনোইরোল অসিনচিংবা লাইবরিকশিং অসিনা খুৎইগী লাইরিকশিংগী মনুংদা অহানবনি লৌনৈ। মথংদা শৈরেং অমসুং রারেং অনি পুন্না য়ানাশিন্নরগা ইরম্বা লাইরিক লৈথক লৈখারোল, নুমিৎ কাপ্পা, পাম্বোইবী খোঙ্গুল কোম্বৌজম নোঙ্গারোলনচিংবা অসিনা খরা কোন্না থোরকখি। অরিবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যগী লাইরিকশিংদা মরুওইনা মতমদুগী অশৈবশিংনা লাইশোন তীনশোন লাইরা তীনরা, নুংশি নুংওন, লম্মিৎ তুম্মিৎ, হিরম কয়া অসিদা শৈথাদুনা ইরম্বা অসি যাম্না মপুং ওই। অদুগা অতোপ্পা হিরম অমনা লৈবাক নিংথৌ অমসুং অকন অথৌশিংগী মরমদা থোকখিবা থৌদোক রাথোক্তা যুম্ফম ওইরগা ইরম্বা অসিসু যাম্না মপুং ওইবা অমনি। মণিপুরী সাহিত্যগী অরিবা মতমগী লাইরিকশিং মরুওইনা ঔগ্রী, খেঞ্চো, হিজিং হিরাউ, অহোঙ লোন, খোইজু লমওক নচিংবা লাইবিরকশিংদা শৈরেংগী ফজবা মশক উবা ফংই। মণিপুরী সাহিত্যগী অহানবা লাইরিক্তি লৌনরিবা ঔগ্রী কৌবা লাইরিক্তা তেংবানবা অসি শেম্নকখিবা অমসুং মালেমদা মীওইবনা খুন্দা লৈতাদুনা য়ুমলিং খুল্লিংদুনা চাদা নাওদা শম্লোবকখিবা মতাংদা মরীক চুম্না শৈথাদুনা ইরম্বা উই। খেঞ্চো কৌবা শৈরেংদা তেংবানবগী মপুনা মালেম শেম্না লোযববদা মীনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরবদা চাদা নাওদা মরাং কায়না শম্দোক্লুনা লৈবাক চাহোং ঙাহোংনা খুঞ্জাও লৈচাওনা পান্নবা জগোই শাদুনা ঈশৈ শক্লুনা হরাও তয়াম ফোঙদোক্লুনা শান্নখিবা মতাংদা শৈথাদুনা ইরমবা অসিনসু লিরবা মতমগী অশৈবশিংনা খল্লম্না রাখল্লোন অদুমক ময়েক শেংনা খঙবা ফমই। অসুম তৌদুনা খোইজু লমওক কৌবা

শৈরেংদনা লৈবাক নিংথৌগী য়াইফনবা পুন্সিবা নুংশাংবা পীনবীয়ু হায়দুনা থৱায়বু মিকোন থাগোনবগী মতাং উবা ফংই। অহোঙলোন কৌবা শৈরেংদনা লৈবাক নিংথৌ পাল্লবদা হরাও তয়াম ফোঙদোক্তুনা লৈবাক খুঞ্জাও লৈচাওনা পান্নবগীদমক অহোং কুম্মৈ পাঙথোক্তুনা মাইবা মাইবীনা মকুম মথা কায়দনা পাঙথোকপা থৌরম অদুগী মতাংদসু শৈথাদুনা ইরম্বা থেংনৈ। অদুগা সনা লমওক কৌবা শৈরেংদনা ইবুধৌ পাখংবগী মফমদা থৌনিজদুনা মহাক্কী মতীক মগুন শৈথাদুনা পুন্সিবা নুংশাবা, য়েক্লববু মাংহনবা ঙম্বা পীনবীয়ু হায়না শৈথারম্বা মতাং শৈরেং অসিদা উবা ফংই। অসুম্না মীওইবা অমসুং মহৌশা খুৎশেম অনিগী লৈনবা মরী পুশিন্দুনা ইরম্বা হিজিং হিরাউ কৌবা শৈরেংদা লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবনা মনাই মশল থাদুনা কৌবা ঈঙেল চীংদগী পামেল তলা ৱাংথোইবা অমবু য়াল্লুরগা ৱাকয়ে হি শাদুনা ময়াম্বা পুদাংকোই খুৎকোইবনা ওইখিবা শক্তি অদুগী মকোক শরু লুকং অদুবু হিথক্তা থাঙ্গত্তুনা লুৱাংয়ি তুরেলদা ইহান হান্না হি তোংহনখিবা মতাংবু শৈরেং অসিদা মরীকচুম্না শৈথাদুনা ইবমই। শৈরেং অসিদা মমা মপা ওইবশিংনা মচাবু কদায় ফাওবা নুংশিবগে হায়বসি ফোঙদোক্লদুনা কৌবা ঈঙেল চীংদা হৌরিবা পামেল তলা ৱাংথোইবা উনিংথৌ অদুবু পোকপা পলেম মমা অমসুং পম্বৌ মপানা হয়েং কৌবা ইনুং ঙাল্লবদি মপারি তালা ৱাংথোইববু নিংথৌগী মনাই অঙম্বশিংনা য়ানথ্রগনি খঙলবদা মচাবু থৌজান লনকুবিদুনা থম্মোয় শোক্লা তেঙথাখিবা মতৌ অসিনা মমা মপা ওইবশিংনা মচাবু নুংশিবগী অয়ৌবা পান্দম অদু মপুং ফানা উৎলি। হিজিং হিরাউ কৌবা শৈরেং অসিদা মীওইবা অমসুং মহৌশা কৌবী খুৎশেম লাইরেম্বী অনি অসি মতম চুপ্পদা খক থাদোক্লবা য়াদে হায়বা অসিসু ফোঙদোক্তুনা ইরমই।

অরিবা মতমদা ইরম্বা লাইরিকশিংদা মতমদুগী অশৈবশিংনা মখল মথেলগী হিরমদা শৈথাদুনা ইরম্বশিংগী মনুংদা লৈবাক্কী নিংথৌ অমসুং অকন অথৌশিংগী মরমদা শৈথাদুনা ইরম্না অসিসু য়ামনা মপুং ওইবা অমনি। লমদম অসিগী থোকখিবা থৌদোক ৱাথোক্তা য়ুম্ফম ওইরগা ইরম্বা, 'নুমিৎ কাপ্পা' তুতেংলোন নাওথিংখোং ফম্বাল কাবা, চায়নরোল, থৱান থাবা হিরান, পনবদা মতীক চায়। লাইরিকশিং অসিদা অইবগী মিং অমসুং ইখিবগী মতম পল্লমদে। লোন অমসুং খুৎই লমদম অসিগী চংনবীদা মপালগী লোনগী ঈথিল চণ্ড্রিঙেদা ইরম্বা লাইবিক ঙাক্তনি, মরম অসিনা পাবদা ক্রদক ক্রদক লাউই, অর্থ খঙবদা ৱানা থোকই, হৌজিক্কী মতমগী ঙাংন শক্লরিবা লোনগী মশক্তিগী তোঙাল্লি।

নুমিৎ কাপ্পা কৌবা লাইরিক অসিদা মতমদুগী অশৈবনা লৈবাক্কী নিংথৌ অমসুং মনাই মশলশিংগা লৈনবা মরী ফোঙদোক্তুনা ইরমই। খ্বাই নুংজেংবম পীবা য়েকমা হাওতংলা মতমদুগী লাল্লুপ ওইদুনা মীনাইশিংদা চন্দুনা নিংথৌগী থৌগল তৌরমই। অদুবু মতমদুদা নিংথৌ মচিন মনাউ অনিনা অয়ুক অমসুং নুমিদাং খায়দোক্লরগা লৈবাক ঙাক্লোন চথরমই। খ্বাই নুংজেংবম পীবাদি নিংথৌ মচিন মনা ওনা শিল্লোল শিনজিন তৌদুনা লৈবাক্কী থৌদাং পুজরবসু মহাক্তি হোঙবা থক লৈরমদে। মতমদুদা নিংথৌগী লাল্লুপ পুবদা ব্বারবা খ্বাই নুংজেংবম পীবানা নিংথৌ মচিন মনাউগী মরক্তা অমা হাৎলবদি মাগী ব্বাবসি ফগনি খন্দুনা লৈরুং তেল্লা য়োইমন্নাই তাওদনবা তাউহুইরেং অহনববু কাপখায়খিবা মতৌ অদুনা খ্বাই নুংজেংবম পীবাগী থৌনা ফবা মতৌ মপুং ফানা উবা ফংই।

তুতেংলোন কৌবা লাইরিক্তা পলেম মমা নোংমোইনু অহোংবীগী য়াথংদগী য়োইমোংবা তাউথিংমাং মচিন মনাউনা ইম্ফাল অমসুং ঈরিল তুরেল তেংখি। মতম অসিদা ফুনানচীং লাল্লকপদা ফুনান তেলহৈবনা মচিন মনাউগী মথক্তা অকনবা লানশিংখি। অদুবু ফুনান তেলহৈববু য়োইমোংবা তাউথিংমাং মচিন-মনা ওনা মায়থীবা পীখিবা মতাংদা অকল অথৌগী মতীক মগুন শৈথাদুনা মতমদুগী অশৈবনা মরীক চুম্না ইবমই। শুগ্নু অমদি সেরৌগী লমদম য়ৌনা তুরেল তেংলকপদা ককয়েল মীঙম্বা কৌবা অচৌবা উচেক অমনা লমদমদুগী মীশিংবু ফা ফাদুনা চারম্বা থেংনখি। মতমদুদা য়োইমোংবা তাউথিংমাং মচিন মনাউনা ককয়েল মীঙম্বগা লানথেংনখি। মশাবী য়োইমোংববু ককয়েল মীঙম্বনা চেন্দুনা পুম্রবদা মশানৌ তাউথিংমাংনা করিশু পাখৎপা তৌদনা ককয়েল মীঙম্ববু তেল্লা থাদুনা কাপখায়খিবা মতাংদা য়োইমোংবা অমসুং তাউথিংমাং মচিন মনাউগী মতীক মথৌনা ময়েক শেংনা উবা ফংই।

নাউথিংখোং ফম্বাল কাবা কৌবা লাইরিক্তা নুংশি নুংঙন অমসুং অকল অথৌগী মতাংদা শৈথাদুনা ইরমই। মৈতৈ নিংথৌ উরা কোম্থৌবগী মপারি নাউথিংখোংনা মপা ইবুংঙো উরা কোম্থৌবগী ব্বারক ব্বাতেম্বদগী হায়বা ইন্দনা শেল্লোয় লংমাইচিংদা চেন্দুনা মফমদুদা মশানৌ ইবেম্মা পিতঙঙাগী মফমদা শাইদাংদুনা লৈখি। মফমদুদা পিতঙঙা অমদি নাউথিংখোং অনিমক য়ুমলেপ চারা তমদুনা মতম খরা লৈরবা তুংদা শেল্লোয় লাংমাইশিংনা খঙলক্লদুনা মপা হাক্তক্তা শেল্লোয় লংমাইশিংবু তুম্না হাৎখিবগী লমন মপারি নাউথিংখোংগী মফমদা শিংনবা

থৌরাং তৌরক্লবদা মশানৌ ইবেম্মা পিতগুঙানা মশাবী নাউথিংখোংবু শেল্লোয় লংমাইশিংগী মখুত্তগী মথম্বায় কন্দুনা লোন্না চেলহনখিবা মতাংদা নুংশি নুংওনগী ফজবা মশক মপুং ফানা উবা ফংই। শেল্লোয় লংমাইশিংনা লান্দাবা লাকপদা মৈতৈ নিংথৌ উরা কোম্বৌবগী মনাই কাদেম শোয়শেম্বনা মশাদা গুা অপুম্বা তৈশিল্লগা শিশিন্নদুনা লৈখি, মতমদুদা শেল্লোয় লংমাইশিংনা কাদেম শোয়শেম্ববু শিরবরা হায়দুনা খোংপাক্লা কাওদুনা য়েংখি। শেল্লোয় লংমাইশিংনা শিরে হায়দুনা হুন্দোক্লম্বদা কাদেম শোয়শেম্বনা নিংথৌ উরা কোম্বৌবগী মফমদা পাও তম্লুবদগী মনাইবু খোংপাক্লা কাওরমই হায়বগী শাওমনখিদুনা শেল্লোয় লংমাইশিংনা লান্দাবা হল্লকপদা লম্বীদা লুম্নগা গুম্না তুম্না হাৎখিবা অসিমক্লা মতমদুগী লৈবাক্কী নিংথৌগী মতীক মথৌনা ময়েক শেংনা উহল্লি।

মতৌ অসুম্না চায়নরোল কৌবা লাইরিক্তা মতমদুগী মতীক মথৌনা লৈবা মীশিংনা য়াম্না পুকচেল শেংনা মখোয়গী মথৌনা উৎথোক্তুনা চাংয়েংনরগা অগুম্বা শক্লরম্বা মতৌ অদুবু খুমন চাখা মোইরোম্বা, হৈরেম কাংবীশু, নোংয়াই থোংবু রাইনুচা, মোইরাং তোঞাওসু, নিংথৌ লাইতোং পুরাংশু, খুরায় গুারেন পাম্বা, নোংয়ায় থোংবু লুখ্রাচা অথিংমোংবিশু, অথৌ মৈকায়াং অসিনচিংবা অথৌবা কয়ানা মথম্বায়বু পোম্থা ওইদুনা চায়নখিবা মতাংদা অকল অথৌশিং অসিগী মথৌনা মরীংজেল ময়েক শেংনা উবা ফংই।

থম্বালথাবা হিরান কৌবা লাইরিক্তা মৈতৈ নিংথৌ থম্বানথাবা অমসুং খুমন নিংথৌ পুন্সিবা অনিগী মতীক মথৌনা মপুং ফানা উবা ফংই। নিংথৌ অনি অসিনা মমোম মশেনবু লৈমশিংদা চন্দুনা লৌরমই। মৈতৈ নিংথৌনা লৈমন নাচোম অমগী রাথোক্তা খুমন লৈমা শম্ফবীবু লম্বায় লেম্ফুন্দা তরেংয়োংনা লেগুদুনা হাৎখিবা মতাং অসিনা মৈতৈ নিংথৌ থম্বানথাবগী মরীংজেল খাবা মতৌ মপুং ফানা উহল্লি। মতৌ অসুমনা খুমন নিংথৌ পুন্সিবনা মমোম হাৎখিবগী লমন শিংগে খন্দুনা মৈতৈ নিংথৌ থম্বানথাববু হৈরেম খুঞান্দা লান্দামিন্নসি হায়শিন্নরগা হাৎনবা হোৎনবদা মমোম চীংখৈ থানবীনা মপল পম্থৌ থম্বান থাববু ইঙ্গিৎ তৌদুনা চৎহনখি হায়বগীদমক মমোমগী লম্বাই লেম্ফুন্দা লেগুখিবা তরেংয়োং অদুমক্লা মৈতৈ লৈমা চীংখৈ থানবীগী লম্বায় লেমফুন্দা লেগুদুনা হাৎখিবা অসিমক্লা মতমদুগী লৈবাক্কী নিংথৌশিংগী তৌবা গুম্বা মতীক মথৌনা ময়েক শেংনা মমি তাহল্লি। অদুতসু নত্তনা মতমদুগী লৈবাক্কী ফম্নাইবশিংনা কদায় ফাওবা থৌনা ফরম্বগে হায়বসি তরিয়া এলাংবনা খুমন্দা লান্দাবা

চংপদা খুমন ক্বাকপা লৈত্রেন পাম্বনা ৱাকয়ে হিদা য়াল্লকপদগী খুত্তা পায়রিবা নৌরেন অদুনা খুমন ক্বাকপগী মকোক কতুনা মৈতৈ লৈবাক্তা পুরকখিবা অদুনা তরিয়া এল্লাংবগী থৌনা ফবা মতৌ মপুং ফানা উবা ফংই।

অসুম তৌদুনা মণিপুরী সাহিত্যগী ঈচেলদা অচৌবা অহোংবা অমা চহীচা তরানিপাল অসিদা লাকখি। মতম অদুদা লৈবাক অসিগী সমাজগী ফিভমদা অচৌবা অহোংবা লাকখিবগী মরুওইবা মতম অমসু ওইখি। লমদম অসিদা নোংচুপলোমগী চৎনবী লাইনিং লাইশোনবু লৈবাক্কী নিংথৌনা থৱায়না পামজনা পুশিন্নবা হোৎনখিবগী য়াম্না মরুওইবা মতমনি। মৈদিংঙু পামহৈবনা লমদম অসিদা রামান্দি ধর্ম্মবু মপুং ফানা লমদম অসিগী ধর্ম্মা ওইনা চৎহনগে খনখিবদগী নোংচুপলোমগী হিন্দু ধর্ম্মদা য়ুম্ফম ওইবা রামায়ন, মহাভারত অমসুং হিন্দুগী লাইরেম্বী লক্ষ্মী গী মরমদা শৌথাদুনা লাইরিক কয়ামকম ইহনখি। শা লান অকল অথৌশিংগী মরমদা শৈথাদুনা ইরম্বা লাইরিক চহীচা অসিদগী মরাই চাইথবা হৌখি। মতম অসিদা ঈশ্বরবু থাজবা অমসুং ভক্তিগী লমদা শৈথাদুনা লাইরিকশিং ইবদা হেন্না পুক্রিং চঙশিনবা হৌখি। মৈদিংঙু পামহৈবা হাক্তক্তা থোকখিবা 'সমশোক ঙম্বা', 'তখেল ঙম্বা' লাইরিকশিং অসি মপুং ওইনা শা লানগী মরমদা শৈথাদুনা ইরম্বা ঙাক্তনি। থোইদোক হেন্দোক্না লাইরিক অনি অসিদা গরিবনিৱাজ মহারাজগী কনবা থৌবা মতীক মথৌনা মপুং ফানা উবা ফংই। লাইরিক অনি অসিমক চহীচা তরানিপালগী মণিপুরী, সাহিত্যগী য়াম্না মপুং ওইবা লাইরিক্নি।

'সমশোম ঙম্বা' কৌবা লাইরিক অসি মৈদিংঙু পামহৈবা হাক্তক্তা (১৭০৯-১৭৪৮) লাইশ্রম অবোই অমসুং য়ুম্নাবা অতিবার অনিনা লেংখি। মপুং ওইবা ৱারীসু গরিবনিৱাজ মহারাজনা ব্রহ্মদেশকী মনুং চয়া লৈবা সমশোক কৌবা মফমদা লান্দাদুনা সমশোক লৌশিনখিবা মতাংবু শৈথাদুনা ইরমই। লাইরিক অসি হিন্দুগী প্রভাবনা লমদম অসিদা চঙশিল্লক্লবা মতমদা ইখিবনা মপানগী লোনগী মমি খরদি তাবা উই। অদুবু মপুং ওইবা ৱারী পরীংদি লমদম অসিগী শেংলবা লৈহাওদগী শাগত্তুনা ইরমই।

মৈদিংঙু চরাইরোংবনা মমোম চকপা মখাও ঙম্বীবু ঔৱাগী তোঙদোই নিংথৌদা থাজখি। মপারি কেঙদু ঙম্বা পোক্লবা মতুংদা মমোম চকপা মখাও ঙম্বীবু ঔৱাগী লৈমরেম্বী ফম্বালদগী চিঙথখি। মদুদা মৈদিংঙু চরাইরোংবনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইখিদে। ঔৱাগী তোঙদোই নিংথৌগী মথক্তা লান তানবা শেম শাখি

অদুবু পুন্সি চেংজেল লোয়বনা হানখিবদগী মজাইবুংঙো গরিবনিৱাজনা মপা ইবুংঙো চরাইরোংবনা পামজরম্মা অদুবু থবক ওইনা পাঙথোকখি। ঔৱাগী তোংদোই নিংথৌগী মথক্তা লান্দাদুনা মায়থীবা পীখিবা মতাং অসিমক্তা মৈদিংঙু পামহৈবগী মতীক মথৌনা লৈববু ঙসি ফাওবদা শোম্নরি। ঔৱাগা মৈতৈ লৈবাক্তা নক্কুবা মরী লৈনরম্মা অদুবু সমশোক ঙম্বা কৌবা লাইরিক্তা উবা ফংই। গরিবনিৱাজ মহারাজগী মমোম লৈমা তম্ফাসনাবু ঔৱাগী নিংথৌদা থাজবীয়ু হায়রকখি। মদুবু মৈদিংঙুনা য়াশিন্নখি, অদুগা নিংথি তুরেলদা লৈমা ওক্লম্মু হায়না ঔৱা নিংথৌগী মফমদা হায়খিবা মতুং ইন্না নিংথি তুরেলদা লৈমা ওকপা ঔৱা নিংথৌনা ঙায়দুনা লৈখি। লৈমা পীবগী মহুত্তা মৈতৈ লাম্মিশিংনা ঔৱা তেঙ্গোলবু তুম্না তানখায়দুনা হাংখিবা মতাংদা গরিবনিৱাজগী মতীক মথৌনা ময়েক শেংনা উবা ফংই। ঔৱাশিংনা অমুক হন্না মৈতৈ লৈবাক্তা লান্দারকপা ঙমহনখিদে। লাইশ্রম অরোই মশামক গরিবনিৱাজ মহারাজগা লোয়ননা ঔৱাদা লান্দাবদা শরুক য়ারুবনা লাইরিক অসিবু শৈথাদুনা ইরম্বদা অসুক্কী মতীক মরীক চুম্না থোকখিবা থৌদোকপু তশেং তশেংনা উহন্দুনা শৈথারমই।

অসুম্না 'তখেল ঙম্বা' কৌবা লাইরিক অসিসু চহীচা তরানিপালদা নুঙ্গাংবম গোবিন্দরামনা গরিবনিৱাজ মহারাজনা তখেল (ত্রিপুরা) ঙন্নকখিবা মতাংবু শৈথাদুনা ইরমই। 'তখেল ঙম্বা' কৌবা লাইরিক অসি সমশোক ঙম্বদা ইরিবা মওংদগী লোন অমসুং খুৎইদা খেন্নবা উই। সমশোক ঙম্বদা অরিবা মণিপুরী লোনগী নিংথিবা মশক মপুং ফানা উবা ফংই। অদুগা তখেল ঙম্বা কৌবা লাইরিক অসিদা মপালগী লোনগী মমি মপুং ফানা তাবা উই। অদুগা হিন্দুগী প্রভাবসু মপুং ফানা মমি তাই। লোন অমসুং মফোঙদোক্তা সমশোক ঙম্বদা মপালগী লাইশিংগী মফমদা খুরুমদুনা চঙজবগী মথৌ উবা ফংদে। লমদম অসিগী ওইবা ইবুধৌ পাখংবা অমসুং চীংঙু অশিবা অনিগী মফমদা থাজবা থম্বা মতৌ সমশোক ঙম্বদা উবা ফংই। অদুগা তখেল ঙম্বদদি লানগী থৌরাং তৌবা মতাংদা হিন্দুগী চংনবীদা মপুং ফানা পুশিন্দুনা ইরমই। মতৌ অসুম তৌদুনা তখেল ঙম্বা কৌবা লাইরিক্তা অরিবা মৈতৈলোন অমসুং সংস্কৃত লোন য়ানশিন্দুনা ইরমই, অদুগা সমশোক ঙম্বদদি অদুকহাক্কা মপালগী লোনগী মমি তারমদে।

তখেল ঙম্বা কৌবা লাইরিক অসি গরিবনিৱাজ মহারাজনা রামান্দি ধর্ম্মা লৌরবা মতুংদা তখেলদা লান্দাখিবা মতাংদা থোকখিবা থৌদোকশিং অদুবু

শৈথাদুনা ইরম্মনি। গরিবনিবাজ মহারাজগী মথক্তা তখেল অমসুং ঔবা লৈবাক অনিনা অমত্তা ওইদুনা মৈতৈ নিংথৌ গরিবনিবাজগী মথক্তা লান্দারকখি। লাল অদুদা মৈতৈ লৈবাক কাংখোং চায়দুনা মচোয় মচোয় চায়খায়খি। মতম অদুদা গরিবনিবাজ মহারাজনা লৈবাক্কী ফম্মাইবা অঙম অথৌ অমসুং থৌনা ফরবা মনাই মশল কয়াগা লোয়ননা ঔবা অমসুং তখেল লাম্নীবু লৈজবী মতীক মথৌনা উথোক্তুনা ঙম্মা তানখায়খি অমসুং মায়থীবা পীখিবা মতাংদা গরিবনিবাজ অমসুং মৈতৈগী অকল অথৌশিংগী মতীক মথৌনা মপুং ফানা তখেল ঙম্বা কৌবা লাইরিক অসিদা উবা ফংই।

লাইরিক অসিদা মপালগী লোন অমসুং মৈতৈলোন অনিগী য়াশিন্নবা মওং অসুম্মা ইরমই। পোনবী গরূড়, ব্রাহ্মন লাইওইনবনা, খোইমোম মন্ত্রশোন, বর লনকু বিখিয়ে, শ্রীরামচন্দ্র লাইয়িংথৌবু, পুংপেরে শিংগার, শঙ্খ মোইবুং, ঠাকুর বামোন হঞ্জবা ব্রাহ্মন, পুরান লাইরিক অসিনচিংবা কয়া অসি লাইরিক অসিদা মরাং কায়না শিজিন্নবা থেংনৈ।

চইচা তরানিপালগী ময়াই চল্লকপা মতমদা ইখিবা লাইনিং লম্বীদা যুম্ফম ওইবা মৈদিংঙু চিংথংখোম্বনা মাগী অরোইবা পুন্সি য়াহিপ তানখিবা মতাংদা ইখিবা 'চিংথংখোম্বা মহারাজ গঙ্গা চৎপা' কৌবা লাইরিক অসিদা হিন্দু ধর্ম্মবু লৈবাককী নিংথৌনা কদায় ফাওবা পামজখিবগে হায়বসি উবা ফংই। মতম অসিদা মপালগী লোনগী মমি মণিপুরী সাহিত্যদা মপুং ফানা তারে। অদুগা নিমান্দি ধর্ম্মগী ফজবা মশক মৈদিংঙু চিংথংখোম্বনা লমদমসিদা শেমগত্তুনা চৎনখি। হিন্দুগী লাই নিত্যাইনন্দ, অদ্বৈত প্রভু, চৈতৈন্য মহাপ্রভু নচিংবা লাইশিংবু লমদমসিদা মপুং ফানা লিংখত্তুনা খুরুম্না চৎনখি। রাধা কৃষ্ণগী মতীক মগুন শৈথাদুনা শকপা শোনবগী মওং মতমসিদা মপুং ফানা লমদমসিদা চৎনখি। রাস লীলা, নট সংকীর্ত্তন নচিংবা হিন্দুগী লাইনিং লম্বীদা মনুং হনজিন্না চঙশিনবা অনৌবা মখলগী কলা মতমসিদা হৌদোক্তুনা লমদম অসিগী হরাও কুম্মে ওইনখি।

ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা মহাক্কী অরোইবা পুন্সি ফাওবা গঙ্গাদা তীর্থ খোঙলেঙদুনা ঈশ্বরগী মফমদা চঙজখি। ঈশ্বরগী মগুন শক শোন্দুনা শ্রীক্ষেত্র, নবদ্বীপ নচিংবা মফমদা ভান্দ্রা মহোতসোপ কত্তুনা পুক্লিং পেঙখি। অরোইবা মতম ফাওবদা ঈশ্বরগী মফমদা চঙজদুনা অরান খুবম ফংখিবা মতৌ চিংথংখোম্বা মহারাজ গঙ্গা চৎপা কৌবা লাইরিক্তা উবা ফংই। চইচা তরানিপালদা শাগৎখিবা

হিন্দুগী লাইনিং লাইশোলগী মশক মতমদুগী মণিপুরী সাহিত্যদা ময়েক শেংনা উবা ফংই। মতৌ অসুম তৌদুনা তরানিপাল শুবা চহীচা লোয়রকপা তরামাপল শুবা চহীচাদা ইথিবা লাইরিকশিংদা নিংথৌগী মতীক মথৌনা শৈথাদুনা ইরম্বা খাহি ঙম্বা, অমসুং 'ঔবা ঙম্বা', থোইদোক্লা শীংথাবা য়াই। খাহি ঙম্বা কৌবা লাইরিক্তা মহারাজ গমভীর সিংহগী মতীক মথৌনা ময়েক শেংনা উবা ফংই। বৃটিশশিংনা খাশিয়া জয়ন্তিয়াদা লম্বী শেম্বদা খাশিয়াশিংনা অপনবা পীবদগী মণিপুরগী নিংথৌ গম্ভীরসিংহগী মফমদা খাশিয়াশিংবু নমথবদা তেংবাংবীয়ু হায়রকপদা গম্ভীরসিংহ মহারাজনা শিলেট্টা খোঙলেংদুনা খাশিয়াশিংবু মায়থীবা পীখিবা মতাংদা মৈতৈ নিংথৌ গম্ভীরসিংহগী মতীক মথৌনা ময়েক শেংনা উবা ফংই। মৈতৈ নিংথৌনা হিন্দু ধর্ম্মদা পুক্লিং 'লুপচবা মতৌবু শিলেট্টা মুসলমালশিংগী কুম্মেগা মৈতৈগী রথ যাত্রা কাংচিংবগা নোংমতদা পাঙথোক্নুনা মুসলমালশিংবু শা মন তানবগুম তানখায়দুনা চায়খায়খিবা মতাংদা ময়েক শেংনা উবা ফংই।

'ঔবা ঙম্বা' কৌবা লাইরিক্তা গম্ভীরসিংহ নরসিংহ মচিন মনাউনা ঔবানা চহীতরেৎ খুন্তাক লানশি নঙদুনা মৈতৈ লৈবাক্তা ঔবাশিংনা পাল্লম্বদগী ঔবাশিংবু মণিপুরদগী তাহোক্নুনা মায়থীবা পীখিবা মতাংদা মৈতৈ নিংথৌ মচাশিংগী মতীক মথৌনা ময়েক শেংনা উবা ফংই। লাইরিক অনিমক লমদম অসিগী লৈহাওদা শাগত্তুনা ইরম্বা ঙাক্তনি। অদুম্মদি ওইরগা য়ারী পবীংনা লমদম অসিগী ওইজরবসু শীজিন্নরিবা লোন অমসুং খুৎইদি হিন্দুগী চৎনবীদা মপুং ফানা পুশিন্দুনা ইরমই। মতম অদুদা লৈবাক অসিদা হিন্দু ধর্ম্মনা মপুং ফানা চাওখৎপা মতম ওইখিবনা মণিপুরী সাহিত্যদসু হিন্দুগী চৎন লোনচৎ', মপুং ফানা পুশিন্দুনা ইরমই। লোন অমসুং মফোঙদোক্তা সংস্কৃত অমসুং বাঙ্গলা লোনগী মরাং কাইবা মচাক মণিপুরী সাহিত্যদা মপুং ফানা মম্রি তাখি।

অসুম্না গম্ভীরসিংহ মহারাজগী মতমদা ইবিবা মণিপুরী সাহিত্যগী মরুওইবা লাইরিক অমদি শামু ফাবা অমসুং গোবিন্দ নিরুপন কৌবা লাইরিক অসি থোইদোক্লা শিংথাবদা মতীক চায়। চিংথংখোমবা মহারাজনা ঔবাগী মখুত্তা মায়থীবা ফংদুনা তেখাও লৈবাক্তা চেন্দুনা তেখাও নিংথৌ স্বর্গদেব রাজেশ্বরগী মফমদা চঙজফম লৌদুনা লৈখি। মতম অদুদা তেখাও লৈবাক্কী মীয়াম্না ভাগ্যচন্দ্র মহারাজবু অশেংবা নিংথৌ মচারা হায়বগী চাংয়েংদা তেখাওগী অঙাওবা শামু ফাহনখি। শ্রীগোবিন্দগী থৌজান্দগী তেখাওগী অঙাওবা শামু লায়না ফাখি।

মণিপুরদগী ঔরাবু অমুক তাম্বোক্তুনা নিংথৌ খুবম হনজিল্লবদা শ্রীগোবিন্দবু নিরুপন তৌদুনা লাংখিবা মতাংদা চিংথংখোম্বা মহারাজনা ঈশ্বরগী মফমদা ভক্তি লৈবা মতৌ উবা ফংই। নিংথৌ মচা অমা ওইবগী মরীংজেল মথৌনা ঔরাশিংবু মণিপুরদগী তাম্বোক্লবা হোৎনবদা শোক্লখিবা লানফম অদুনা তশেং তশেংনা উৎলি। মতৌ অসুম তৌদুনা মতম অদুদা মণিপুর সাহিত্যগী ঈচেলদা য়াম্না অকনবা ঈহৌমক শাগৎপা ওমদ্রবসু মণিপুরী সাহিত্যগী ঈচেলদি লেপ্তনা অদুমক চেহুখি।

নরসিংহ মহারাজগী মতমদা ময়াম্বুং ইবুংঙো গম্ভীরসিংহনা অরোইবা য়াইহিপ তানখিবা মতাংবু শৈথাদুনা আনন্দ পুখ্রম্বনা গম্ভীরসিংহ নোঙ্গাবা কৌবা লাইরিক অসি ইখি। লাইরিক অসি মপুং ওইনা হিন্দুগী চৎনবীনা মপুং ফানা লমদমসিদা খোঙদারবা মতমদা ইখিবনা হিন্দুগী প্রভাব মপুং ফানা তাবা উই। গম্ভীরসিংহ নরসিংহ মমিচন মনাউনা ঔরানা চহী তরেৎ খুম্তাক্লুনা লৈবাক কাংখোং চায়দুনা লৈরুবদগী ঔরাগী মথক্তা অকনবা লান শোক্লদুনা মমা লৈবাক মণিপুরবু ঔরাগী মখুত্তগী কনখিবা মতাংদা নিংথৌ মচিন মনাউগী মতীক মথৌনা ময়েক লানা উবা ফংই। নিংথৌ মচা অমা ওইনা লৈবাক রায়েন থৌদা পাঙথোকপদা অচান মিরায় নায়দনা পুকচেল চাওবা মতৌনা লৈবাক্কী রায়েন থৌদাগী চুপ্নি ওইগদবনি হায়বসি গম্ভীরসিংহ নোঙ্গাবা কৌবা লাইরিক অসিদা মরীক চুম্না শৈথাদুনা ইরমই। ঈশ্বরগী মরমদা ভক্তি লৈবা মতৌ, গম্ভীরসিংহ মহারাজনা মনাউ ইবুংঙো নরসিংহগী মফমদা লৈবাক রায়েন চুপ্নি পুম্নমক শিন্নরম্নগা ঈশ্বরগী মফমদা চঙজদুনা অরোইবা য়াইহিপ তানখিবা মতাংদা ময়েক শেংনা উবা ফংই। মনাউ ইবুংঙো নরসিংহ যুবরাজগী কখোকপা অমসুং পুকচেল চাউবা মতৌ, ময়াম্বুং ইবুংঙো গম্ভীর সিংহনা থুপত্রবদা মহাকনা নিংথৌ ফম্বালগীদমক মীহৌবা লৈতনা ময়াম্বুংনা পোক্লম্বা মপারী চন্দ্রকীর্ত্তিবু (নিংথেম পিশক) নিংথৌ হাপখিবা অদুগা মহাকনা যুবরাজ ওইদুনা লৈবাক রায়েন চথখিবা মতাংদা ময়েক শেংনা উবা ফংই। লাইরিক অসিদা সংস্কৃত অমসুং বাঙ্গলা লোনগী মমি মপুং ফানা তাবমক ওইদ্রবসু মরক মরক্তা সংস্কৃত অমসুং বাঙ্গলা লোন থেত্তুনা ইরমই। মসিমক্লা লাইরিক অসিগী মগুনবু থোইনা হেন্না অরাংবা থাক্তা পুথৎপদা অচৌবা তেংবাং পীবা ওমই।

অসুম্না চন্দ্রকীর্ত্তি সনা হাক্তুক্তা ইখিবা 'চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা" কৌবা লাইরিক অসিসু থোইদোক হেন্দোক্লা লৈবাক অসিদা হিন্দু ধর্ম্মনা মপাল মরা

তারবা মতমদা ইখিবা ওইবনা হিন্দুগী চংনবী লাইরিক অসিদা মপুং ফানা মমি তাই। অকল অথৌগী মতাংদা য়েংলুরবসু চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা কাছারদা জিলা দরবার খোং লেঙবা তারক্লবদা ঈশ্বরগী মফমদা পুম্নমক ইহোক্তুনা করিগু মীপাইবা তৌদনা কাছারদা জিলা দরবার খোঙলেঙখি। মতম অদুদা লৈবাক্কী নিংথৌনা শ্রীগোবিন্দজিবু কদায় ফাওবা থাজনা নীংলম্বগে হায়বসি চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা জিলাদা খোঙলেঙবদা পুম্নমক মহাক্কী মফমদা শিন্নথোক্লগা অমাং অতা খুদোংথীবা থোক্কদবা কয়াবু ঙাকথোকপীবা ঙম্বদি শ্রীগোবিন্দ মহাক্তনি হায়বসি চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা কৌবা লাইরিক অসিদা উবা ফংই।

কাছারদা জিলা খোঙলেংবদা লম্বীদা ঈশিং চাওরমদুনা লিতানথোংগী থৌরি তত্তুনা লানবা য়াদ্রবদা মনাই লৈশং যাত্রা অথৌবনা শ্রীগোবিন্দবু মকোকথক্তা থোনগৎচরবগা কনখ্রবা ঈশিংগী ঈরৈদা করিগু অকি তুজুংলুবা লৈতনা ঈশিংদা চোংথদুনা লিতান থোংগী অতৎপা থৌরি শমখিবা মতাংদা থৌনা লৈবা মীগী লিচৎ অমসুং ঈশ্বরগী মফমদা থাজবা লৈবা মতৌ মপুং ফানা ফোঙদোক্তুনা লাইরিক অসিদা ইরমই। অদুতসু নত্তনা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিনা মবুংঙো শ্রীগোবিন্দবু মতম কুইনা উরক্ত্রবদা নুংঙাইরক্ত্রদুনা শ্রীগোবিন্দগী নির্ম্মাল্য লৌরুবা ঙম্বা কনা য়াওবগে হায়দুনা মনাই মশলশিংগী মফমদা হংলক্লবদা মনাই অচানবা মাইবিয়া তাম্রসিংহ অথৌবনা শ্রীগোবিন্দগী নির্ম্মাল্যবু মহাক্লা চত্তুনা লৌজরুগে হায়দুনা নিংথৌগী মফমদা দণ্ডবৎ তৌদুনা খুরুম্লগা শ্রীগোবিন্দবু নীংশিংজদুনা শাংলবা লম্বেলবু লমজেল চেন্দুনা মণিপুরদা য়ৌরক্লগা শ্রীগোবিন্দগী নির্ম্মাল্য পুরক্লগা নিংথৌগী মফমদা কৎখিবা মতাংদা ঈশ্বরগী মফমদা ভক্তি অমসুং থাজবা লৈবা মতৌ মপুং ফানা উবা ফংই। মতৌ অসুম্না বরাক খোংনুংগী জহাজ মনুংদা সাহেবশিংগা লোয়ননা দরবার পাঙথোকখিবা মতমদসু নিংথৌগী পুক্লিংদা য়ামনা চিংনবা পোকখি অদুবু পাঙথোক্তবদি য়াদবনিনা শ্রীগোবিন্দবু কাওদনা পুম্নমক ঙাকথোকপীয়ু হায়না খুরুমজখি। জিলা দরবার মাই পাক্তুনা হল্লকপদা শ্রীগোবিন্দনা জয় ওইরে হায়না লৈবাক মীয়াম্না নীম্নখিবা মতাংদা ঈশ্বরগী মফমদা থাজনা নিংজবা মতৌ মপুং ফানা উবা ফংই।

মতৌ অসুম তৌদুনা মণিপুরী সাহিত্যগী ঈচেল্লদা অরিবা মতমদগী হৌরগা চহীচা তরামাপল ফাওবদা তাক্কক কয়াদা অহোংবা কয়া উবা ফংই। অরিবা মতমদা ইরম্বা লাইরিকশিংদা অইবগী মিং অমসুং ইখিবগী মতম পল্লমদে। মতমদুদা

শৈথাদুনা ইরম্বা হিরমশিং অদুগা চহীচা তরানিপাল অমসুং তরামাপলদা ইরম্বশিংগা য়াম্না খেন্নবা মওং অমা উবা ফংই। অরিবা মতমগী খুৎইদা অকন অথৌ অমসুং মহৌশা খুৎশেমগী, লম্মিং তুম্মিং, নুংশি নুংওন কয়া অসিদা মপুং ওইনা খুৎ থারমই। অদুগা তরানিপাল অমসুং তরামপালগুবা চহীচাদা ইরম্বা লাইরিকশিংদা অকন অথৌগী মরমদা শৈথাদুনা ইরম্বা য়াওদবদি নত্তে অদুবু মপুং ওইবা খুৎই অমসুং লোনদি হিন্দুগী প্রভাবতা পুশিন্নবা হোৎনৈ। মতম অসিদা ইখিবা লাইরিকশিংদা অইবগী মিং অমসুং ইখিবগী মতম নিংথিনা মরীক চুম্না পল্লমই। হিন্দুগী প্রভাবনা লৈবাক অসিদা অকনবা শাফুগা লোয়ননা মতমসিদা খোংদাখিবদগী হিন্দুগী লাই তীনগী বারী, রামায়ন, মহাভারত, মতমসিদা ইখি। অসিদসু নত্তনা মৈতৈগী লাইরেম্বীবু শৈথাবগী মহুত্তা হিন্দুগী লাইরেম্বী দুর্গা অমসুং লক্ষ্মীগী মরমদা শৈথাদুনা ইরম্বা লাইরিক কয়া মতমসিদা থোরকখি। অকল অথৌগী, লৈবাক্কী নিংথৌগী মরমদা শৈথাদুনা ইরম্বা লাইরিকশিংদসু হিন্দুগী প্রভাব মপুং ফানা পুশিন্দুনা ইরমই। মপানগী লোন সংস্কৃত বাঙ্গলাগী ঈথিল মতমসিদা ইখিবা লাইরিকশিংদা মপুং ফানা উবা ফংই। ঈশ্বরগী মফমদা ভক্তি লৈবা অমসুং হিন্দুগী ধর্ম্মবু পামজনা য়োকখৎলম্বা মতৌ মতমদুদা ইখিবা লাইরিকশিংদা ময়েক শেংনা মমি তাবগা লোয়ননা মপুং ফানা উবা ফংই। মতৌ অসুম তৌদুনা অগুনবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যদা মীবু মী ওইনা খল্লমদবা শা-ঙাগী মতৌগুম অকনবনা অশোনববু তুহৎপীবা অগুম অগুম্বা পংহাৎ হাৎন শুনবা কয়া তোয়না উবা ফংই। অসুম্না চত্থরকপা মওং অদুদগী লমদম অসিগী সমাজগী ফিভমদা চহীচা তরানিপাল অমসুং তরামপাল অসিদদি য়াম্না থোৎপা নৌবা ইং তপ্পগী মওং মতৌদা মণিপুরী সাহিত্যদসু মপুং ফানা খোংদারকখিবগী মতৌ চহীচা অসিদা ইরম্বা লাইরিকশিংদা উবা ফংই। মতম অসিদা মণিপুরী সমাজগী ফিভম নোংচুপলোমগী সভ্যাতাগা মপুং ফানা খুৎশম্নখিবগী মমি মপুং ফানা মতমদুগী সাহিত্যগী লাইরিকশিংদা তারমই। অসুম তৌদুনা মণিপুরী সাহিত্যদা চহীচা তরানিপাল অমসুং তরামাপলদা লৈবাক্কী নিংথৌ অমসুং অকন অথৌশিংবু শৈথাদুনা ইরম্বা লাইরিকশিংদা ভক্তিগী মশক মপুং ফানা উবা ফংই। অসুম্না খুৎইদা ইরম্লিবা লাইরিকশিং অসিদা পল্লিবা খরা অসিনসু লোইবদি নত্রি। ঐখোয়গী লাই ওইখ্রবা ইপা ইপুশিং অদুনা তুংগী মীরোলগীদমক মখল মখা কয়াগী হীরমদা লাইরিক কয়ামরুম ইদুনা থম্বীরম্বশিংগী মনুংদা মীশিংনা তোঙান তোঙানবা

মাইকৈদগী লমদমসিদা চঙলক্লুনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈখিবগী মতাংদা পল্লদুনা নোংশাবা খুম্ফোক, অঙোম খোঙহৌ, অঙোম খোইরা, খল্লাংবা খুনকুমলোন, রাংব্রেন খুনকুমলোন, নোংপোক হারম, নোংচুপ হারম, ময়াং তেখাওলোন, ময়াংকালিশালোল, চকপা চাইরেললোন, মেতু তিনশাং, উখোংশাংলোল, বামোন খুম্ফোকলোন, পাঙল থোরকপা, খাগেম্বা লানফা অসিনচিংবা লাইরিকশিং অসিদা মরীকচুম্না ইরমই। লমদম অসিদা য়েক ৭ শলাই ৯ লৈরিবা অসিগী মরমদা খাগেম্বা য়ুম্বী, খাগেম্বা য়ুমলেপ, চেকখোং, নোংশ্রং, কৈরোই, লাংথাবাল লোন, শঙ্গাই ফম্মাং, শাকোক, মৈহৌবরোল, থিরেল শাকোক, লৈহৌ নাউফমলোন, পুদিন, লৈথক লৈখারোল, অসিনচিংবা লাইরিকশিং অসিদা মরীক চুম্না ইরমই। লৈবাক রায়েন থৌদা চৎন লোনচৎকী মরমদা লোইয়ুম্বা শিলয়েল, লাইশ্রা ফমলোন, ফমলোন, মশিল, থৌদৌমশিল, খুম্ফোঙ খায়বা, শঙ লিঙখৎপা, শঙলোন অসিনচিংবা লাইরিকশিং অসিদা শুগায়না তাক্লুনা ইরমই। লম্মীং তুম্মিংকী মরমদা থাংরাইবোল, শল কাও, লাইকাও, তোৌরৈলোল, লম্মীংলোন নচিংবা লাইরিকশিং পনবা য়াই। লাইশোল তীনশোন ইরাৎ থৌনিগী মরমদা পাখংবা য়াংবী, তাউরোই নাই য়াংবী, লৈমরেল শেক্লীং, লৈমরেল ফম্বাল, ইরাৎলোন, সনামহী ফাংখোং, সনামহী লাইহুই, নচিংবা লাইরিকশিংদা মরীক চুম্না ইরমই। মীওইবগী পোকপা অমসুং শিবগী মতাংদা খম্মোই য়াংমোই শেক্লীং, পাখংবা শেক্লীং, পোম্বীরোল শেক্লীং, লৈমরেল শেক্লীং, নচিংবা লাইরিকশিংদা ইরমই। জগোইগী মরমদা অনোইরোল, লাইরেম্মা পাওশা, খেঞ্জো, ঔগ্রী, শৌবোন য়াইরেম্বী লৌতারোল, পাম্ফোইবী লৌতারোল, পনবা য়াই। থাং তাগী মরমদা শাফা লানফারোল, থেঙ্গৌরোল, শাতুরোল, শাথুপলোন, লাম্বুপলোন, সনা লমলেন রা, লৈচিল্লোন, লাঞ্জাকলোন, লাইরিকশিং অসিদা মরীক চুম্না ইরমই। লাইশোন তীনশোনগী মতাংদা অতাই লাইশোন, ঈরা লাইশোল, উমংলোন, অহোংলোন, নাহৈরোল, য়ুমদৈ নাকশেল, য়েম্বৌরোন, তুদৌরোন, সনা লমওক, খোইজুলমওক, ইরাৎ থৌনিরোন, খয়োমলোন, নচিংবা লাইরিকশিং অসিদা মরীক চুম্না ইরমই। তুংদা থোক্লগদবা ওইরক্কদবা রাফমশিং তাক্লুনা নিংথৌরোল শীংকক, কাইবরোন, শেকচীন, লাংওন লাংদাই, মতম থোংলৈ, লাইরিকশিং অসিদা মরীক চুম্না শৈথাদুনা ইরমই। লাইনিং লম্বীগী মরমদা শাকোক লমলেন কাংবরোল, তাংক্রু লমলেন, ক্রথোং লমলেন, খল্লাং পাম্বারী

অহুইবোন, নচিংবা লাইবিকশিংদা ইবমই। চীংশিংগী মবমদা, লাঙ্গোল চীঙ্গোইবোল, নোংমাইজিং চীঙ্গোইবোল, থাঙ্গা চীঙ্গোইবোল, হৈবোক চীঙ্গোইবোল, থাংজিং চীঙ্গোইবোল, কৌব্রু চীঙ্গোইবোল, নোংপোক লৈহৌ চীং, চীংলোন লাইহুই অসিনচিংবা লাইবিকশিং অসিদা ইদুনা থম্মীবমই। ইতিহাসকী ওইবা লাইবিকশিং নিংথৌবোল লম্বুবা, চৈথাবো কুম্বাবা, মোইবাং নিংথৌবোল লম্বুবা, মোইবাং কংলৈবোল, খুমন কংলৈবোল, লুয়াংলোন খোঙ্গুল, থরান থাবা হিবাল, নাউথিংখোং ফম্বাল কাবা নচিংবা লাইবিকশিংদা মবীক চুম্না মণিপুরদা পানখিবা নিংথৌশিংগী হাক্তক্তা থোকখিবা থৌদোক কযাবু শৈথাদুনা ইবমই।

সাহিত্যগী ওইবা লাইবিকশিংদি ওহৈক্রা যামখ্রে অদুবু মক ওইবা খবদং পল্লবদা। উগ্রী, হিজিং হিরাউ, পোইরৈতোন খুন্থোক, নুমিৎ কাপ্পা, পান্থোইবী খোঙ্গুল, চাযনরোল, চৈংলৈরোল, খোংজোমনুপী নোঙ্গারোল, কোন্থৌজম নোঙ্গালরোল, কৌওইবী বারোল, শৌরোল যাইবেম্বী লৌতারোল, নুংবাল পোম্বী লুয়াউবা, চাথে থাংবায পাখংবা তুতেংলোন, শমশোক ঙম্বা, তখেল ঙম্বা, গম্ভীর সিংহ নোঙ্গাবা, চিংথংখোম্বা গঙ্গা চৎপা, চহুই লৈরোং পাম্বা, চন্দ্রকীর্তি জিলা চংবা, ওবা ঙনবা, খাক্তি ঙম্বা, থাম নোঙ্গাবা, বিবাট শাহুপালোন, সংবাদানিক, ধনঞ্জয় লাইহুই নীংবা, অংবং নন্দকুমার, হাওশ নামোইনু, কপবাল, অসিনচিংবা লাইবিকশিং অসি থোইদোক হেন্দোক্লা পল্লবদা মতীক চাববা খুৎইদা ইবগ্না সাহিত্যগী মরোং যাওবা লমদম অসিগী লৈহাওদা খুম্ফম ওইবগা ইবম্না লাইবিক ঙাক্নী। পাংগী মবমদা ইবম্না লাইবিকশিং মক ওইনা, শুবিকা লাইশাবা, শুবিকা শৈংগল, খেন চাং, শুবিকা, তীনথুম, অহিং নুংথিল পুংলুপ খাগবা, নুমিৎ থা থবানমিচাক শেঙ্গংলোন। চিংবা লাইবিকশিং অসি অবিবা মতমগী খুৎইদা ইবম্না লাইবিক ঙাক্নী।



মণিপুরী ট্রেদিসনেল থিয়েটর

(Traditional Theatre of Manipur)

Dr. Rajen Toijamba
Asstt. Prof., M.U.

ঙসি পৃথিবীগী জাতি খুদিংমক্না মাগী মাগী মশাগী মশক তাক্লবা হোংনবদা লম কয়াদগী তোঙান-তোঙানবা মীৎয়েংদা চঙশিন্নরক্নি। চাওখৎলক্লিবা নত্রগা লৈখা তারক্লিবা কাঙলুপ খুদিংমক্কী মশাগী জাতিগী ঈচেলগা শাগোন্নরক্নবা থিয়েটরগী মশক অমা শোয়দনা লৈফম থোকই। অমরোমদা মালেম অসিগী জাতি কাঙলুপ কয়াবু ষ্টেজ অমতদা চীংথোক্লুনা খঙনহনলিবা অসিদা থিয়েটরগী চাওরবা থৌদাং অমা লৈরী। মীওইবা কাঙলুপনা তাইবং অসিদা লৈতাদুনা লৈরকপদগী ঙসিফাওবদা চাদা নাউদা শমথরকইবা মতৌ অসি করম্না ওইরকপনো হায়বদু জাতি অদুগী অঙনবা মতমগী থিয়েটর নৈনরগা ইঙান-ঙান্না উহল্লি। অদুবু থিয়েটর মীওইবগী চিন্দদি তোয়না পংপন-পন্নরগা মসিনা মীওইবগী পুন্সি অমদি সমাজদা লৌরিবা থৌদাং অদুবুদি অয়াম্বা মীয়াম্না ময়েক শেংনা উবা খঙবা ঙম্নদে। মরম অদুনা মণিপুরী থিয়েটর নৈনদ্রিঙৈদা মসিগী হৌরকফম অমদি মশক হান্না তাকফম থোকই।

ঙসি মীপুম তিংনা শীজিন্নরিবা ইংগ্রাজি ৱাহৈ 'Theatre' হায়বসি গ্রীক লোনগী 'Theatron' দগী লাকপনি। কুম্মৈ শান্নরিবা মফম হোল অদুবু নত্রগা এক্তরশিংনা ভাবোকশিংগা লোয়ননা পাঙথোক্লিবা মীওইবগী অৱা নুংঙাইগী থৌদোক ৱাথোকশিংবু মতৌ তমদুনা উৎলিবা কুম্মৈ অদুবু থিয়েটর হায়না খঙনৈ। শান্নফম এরিয়া, ভাবোক, শান্নরিবা মীশকশিং (actor & actress) ফিজেৎ লৈতেং, ঈশৈ নোংমাই, জগোই, হকচাংগী লেং ওৎপগী মতেংনা মীয়ামগী মীৎমাঙদা অমদি পুক্লিংদা তোঙান-তোঙানবা মহাও অমদি ৱাহস্তোক পীবনা কলা মখল অসিগী মরমচংনি। মরম অদুনা মীয়ামগী মীৎমাঙদা কলাকারশিং মশানা উত্তবা খোঞ্জেলনা, পোৎশক্না অঁতে অমনা মহুৎ শিল্লগা ফোংদোকপা মসিগা নকশিন্নবা কলা মখল অমতবু থিয়েটরনি হায়নদে। মসিদি পার্ফোমিং আর্ট

ফোর্মনি। মরম অদুনা ঙসি আর্ট ফোর্ম অসিগী অৱাংবা থাক য়ৌরক্লবা মতম অসিদদি মীওইবগী পুন্সিদা করম্না কলা মখল অসিনা লৈরকখিবনো হায়বগী মতাংদা তোঙান-তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোংদোক্লদুনা খোঙ্গুল পীনরক্লি। মতাং অসিদা নোংপোক অমদি নোংচুপ অনীগী স্কোলারশিংগী তোঙান-তোঙানবা ৱাফম কয়া পুথোক্লরক্লি। বৈজ্ঞানিক ওইবা মীৎয়েংদা মসিদগী হৌরকই হায়বা কনামত্তগী ৱাফম পুথোকপা ঙমদ্রবসু লমশিবু নৈনরিবা স্কোলার অয়াম্বনা থিয়েটর হায়বসি মীওইবা জাতিনা লৈরকঙৈদগী লৈরকফম থোকই হায়না মান্নবা ৱাফম পীনরি। মরমদি কলা অসিদা য়াওরিবা মরমচৎ অসি চাওখৎপা চাওখৎতবগী ৱাফম থাদোক্লগা মীওবা কাংলুপ্পা মালেমদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরকপদগী লোয়নরক্লবা মতৌ অদু তমদুনা পাঙথোক্লবা ঙাক্তনি। মতাং অসিদা Theodore W. Hatlen না মীওইববু শেম্বিবা ঈশ্বর অমা লৈ হায়না মীওইবনা থাজবগী মতুং ইন্না অদুগুম্বা শকউদনা লৈবা ৱাহন-নুংঙাইহনবা ঙম্বা ঈশ্বর অদুগী মফমদা হায়জবা নোঞ্জবা ঈরাৎ থৌনি তৌবা, (ritual) মপু মানা হরাও তয়াম্বীনবা পাঙথোকপা থৌরমশিংদগী থিয়েটর হৌরকই হায়না ফোঙদোক্লি। মীওইবনা হিংবদা অকি তুজুং ফাওরিবা কয়াসি কোক্লনবা মপু অমদা চংজবা অসি মীওইবগী মনাৎনি। হায়রিবা অৱা অনা কয়াবু কোক্লনবা থৌরম কয়া পাঙথোরকপদা ঈশে নোংমাইগী খোম্বোক, জগোইগী শাথেক, ৱাঙাং শাঙাং, লাইশিংদগী মতৌ তম্বা অভিনয়, মাইস্টেক এক্সন অসিনচিংবা কয়া য়াওরকই। মসিদা মশানা থিয়েটরগী মশক কয়া য়াওরকই। কাংলুপ খুদিংনা মশা-মশাগী ওবা মিথকী ৱারীদা য়ুম্ফম ওইবা থাজনবগী ৱারী কয়াদা য়ুম্ফম ওইদুনা শান্নরিবা কুম্মৈশিং অদুদা পুন্না মীয়াম হুপ্পা শরুক য়ামিন্নবা য়াবা, অৱাই-অখুমগী ৱাঙাং, মান্নবা অর্থ চেনবা ফিজেৎ লৈতেং; লেং ওৎতুনা পাঙথোকপা থৌরম কয়া অদুবু থিয়েটরগী হৌরকফম থোকই হায়বনি। অদুবু ৱাফম অমদি হায়রিবা জাটি কাঙলুপ-কাঙলুপশিংদুগী লাইশোন তিনশোন নাৎকী ওইবা থৌরমশিং অদুবু থিয়েটর কৌই হায়বদি নত্তে। পাঙথোক্লিবা মতৌ অদুদগী থিয়েটর পোক্লকই হায়বগী ৱাফম্নি। ৱাফম অসি গ্রিক্কী থিয়েটর হৌরকপগী মতাংদা পন্নরিবা এরিস্টোটলগী ত্রেজিদিদা মীৎয়েং থম্লগা হায়রিবা ৱাফমগসু য়াম্না নকশিন্ননা উই। থায়নগী অঙনবা মতমদগী মীরোল মীরোল, মথং মথং চত্থরক্লিবা থিয়েটর মওং অসিগী হৌরকফমগী মরমদা W.H. Hudson গী "An Introduction to the studies of Literature" দা মখাগী অসুম্না পনলী–

কোদ– 'Greek Tragedy and Comedy..... like originated in rustic festival which in early Attica periodically held in honour of the nature god, Pyorysus- the one from the serious, the other from the frolicsome side of such celebrations'.

মীওইবা জাতি অয়াম্বগী কলচরদা ইতিহাসতা থিয়েটর হায়বসি হৌরকপগীমরমদা জাতি অদুগী লাইনিং-লাইশোন ধর্ম্মাগী ওইবা মীৎয়েংগা শোয়দনা মরী লৈনরকই। হায়রিবা মীৎয়েং অসিগা শাগোন্নদুনা পাঙথোক্লিবা থৌরমশিং অদুনা থিয়েটরগী হৌরকফম ওই হায়বসি থোইদোক্না য়েৎনিংঙাই ওইদবা ৱাফম অমনি। অতোপ্পা অমনা থিয়েটর হৌরকপগী মতাংদা John Luis Barault না Hatlen গা খরা খেন্ননা মহাক্কী 'Reflection on the theatre' দা পীরিবা ৱাফম অমদি মীওইবগী মতৌ তমদুনা শান্নবা হায়বা মচৎ অসিদগী থিয়েটরগী হৌরকফম ওই হায়বসিনি। মহাক্না হায় 'Play is a training for life' মসিগী খুদমদি গ্রীক থিয়েটর হৌরকপদা মখোয়না মখোয়গী লিজেন্দরি হিরোশিংগী মতৌ তমদুনা শান্নবগী মওং কয়া থেংনরী। হায়রিবা শান্নবা হায়বা ৱাফম অসিদসু লাইতিন অমদি প্রকৃতিগী মীওইবনা তমগুমদবা মতৌবু তশ্বনি। মরম অদুনা মসিদসু মীওইবগী থম্মোইবু পোথানবা নুংঙাইনবা ৱাখল্লোন অমদি মশানা য়াওবা তাই। মসিবুনি J.L. Barault না শান্নবা হায়রিবসি। ভারতকী ওইবা মীৎয়েংদসু নাট্য হৌরকপগী ৱাফম অসি ব্রহ্মানা ইন্দ্রগী মৱা তারগা ভরত মুনিদা মচানিপা চাম্মগা লোয়ননা নাট্য বেদ পাঙথোক্লবা য়াথং পীরকপদগী হৌরকখি। ইন্দ্রধবজ হায়না কৌবা লাইশিংগী অচৌবা মপুং ফারবা হরাও তয়াম্লবা অদুগুম্না বিজয় উসব অদুদা হিংচাবশিং হাৎখিবগী ৱারী লাইয়াম্না মাই পাকখিবগী নুংঙাইবা মদুদা মায়থিবা হিংচাবশিংনা মমায় ওন্দুনা চেনখিবা লাংনা শাওনদুনা হাৎনা শুনবা কয়াগী মতৌবু উত্তুনা নাট্য হৌরকপগী ৱাফম নাট্য শাস্ত্রগী নাট্য হৌরকপা হায়বা মতাং শ্লোক ৫৫ (খ) ৫৮ (ক) দা পল্লি।

কোদ–'ততস্তস্মিন্ ধবজমহে নিহতাসুরদানবে।।
প্রহৃষ্টামরসং কীর্ণে নহেন্দ্রবিজয়োসবরে।
নান্দীকৃতা ময়া পূর্বনা শীর্বচন সংযুতা।।
অষ্টঙ্গপদ সংযুক্তা বিচিত্রা দেবসংমতা।
তদন্তেহ নুকৃতির্বদ্ধা যতা দৈত্যা: সুরৈর্জিতা :।।
সংফেটদ্রবকৃতা ছেদ্যভেদ্যবহাত্মিকা।"

অনকোদ— অদুবু ভারতকী রাকম অসিদি লাইশিংবু পেন্নবা হোৎনবদা নাট্য অসিনা অটোবা থৌদাং লৌবগী মওংনি। নাট্য অসিমক লাইশিংবু ঈরাৎ পুজা তৌবগী উপাই অমা ওইনা শীজিন্নবনি। অসুন্না ভারতকী ওইনসু লাই তিন অমদি সুপরনেচরেল ওইবা কেরেক্তরশিংগী মতৌ তমদুনা থিয়েটরগী মশক কয়া চখরকই। বাল্মীকীগী রামায়নদা পল্লিবা ইশাক্কু শাগৈগী লাইগুম্লবা নিংথৌরেলশিংগী মতৌ কয়া, ব্যাসকী মহাভারত্তা য়াওরিবা পাণ্ডব কৌরবকী মপুঙ ফারবা অঙক-অঙকপা চরিত্রশিংগী মতৌ তমদুনা থিয়েটরগী পরম্পরা অমা শাগৎলকই। তুংদা কালিদাস, শ্রীভাসখোয়গী মতমদদি লিজেন্দরি নিংথৌশিংগী অমদি মুনি ঋশিশিংগী চরিত্র য়াওনা হিন্দুগী ট্রেদিসন্দা য়ুম্ফম ওইবা ড্রামাগী টেক্স কয়া ইরক্নুনা নাট্য শাস্ত্রগী লীলা মখল তরাগী মনুংদা ইবা ক্লাসিকেল ওইবা আর্টফোর্ম অমদা লাকখ্রে।

মথক্কী থিয়েটর হৌরকপদগী মওং অমা নোংপোক নোংচুপ অনীদা থেংনরিবা অসুন্না মণিপুরদসু ট্রেদিসনেল থিয়েটরগী মশক অসি লৈশেম নোংশেম লাই তিনগী বারীগা মখোয়বু ঈরাৎ পুজা তৌবগী থৌরমশিংগা অমত্তা ওইনা হৌমিন্নবকই। অশিবনা তাইবং অসিবু করম শেমশিগে হায়দুনা লেঙ-ওৎপা হৌরকপগী মতাং অদুবু অহানবা নুপাগী জগোইনি, অশিবনা লৈশেমলিববু হারাবা লৈথিংগাইনা য়েখাই থিনগাইবগী মতৌবু অনীশুবা নুপাগী জগোইনি, হারাববু শুমহৎনবা য়েখায় থুগাইবগী রাখল কাউননবা থৌরাংতৌদুনা নোংথাং লৈমনা উৎথিবা শাথেক খুথেকশিং অদুনা নুপী জগোইগী হৌরকফমনি। মতুংদা লাইয়াম্না পুন্না জগোই শামিন্নবগী রা অনোইরোল অনীশুবা শরুক লা: ৩২ দা অসুন্না পল্লি—

কোদ—"লাইরৈমা খোংফাং তরেৎসুং
লাইয়িংথৌ খোংফাং তরেৎশুং
খোংফাং অনিমানা য়েৎলম উপনা লৈএ
রোইরোম লোংনা লৈএ।
খুৎথেক সাথেক লেংমান্ননা নোয়এ।"

অনকোদ— নোংপোক নিংথৌ অমদি পাছোইবীনা অমগা অমগা অরাই অখুম তৌনদুনা ঙাংন শরুরিবা লাইরেম্মা পাউশা, পাউশা ঈশৈ হায়বসিদা য়াওরিবা

মতাং অসি থিয়েটর অমদি ড্রামাগী মওংগা ফনা চুশিন্নবা মতৌ উরী। নুংশি নুংঙোলগী ওইবা মপুং ময়ৈ ফাগৎলকপা মতমগী ওইবা পুন্সি লমদাংগী তাঙ্কক অমবু নীংথিনা ফোংদোক্লদুনা হায়না হুম্না কেনা নুংশিনা ওইননা পাউশানরিবা লৈশেমঙৈগী লাইনিংথৌ লাইরেম্মা অনীশিগী মতৌ অসি থিয়েটরগী শক্লোন য়াওরবা মতৌনি হায়না লৌবা য়াই। মসিগী মতুংদা কৌব্রু চীংদা লাইয়াম্মা লাই হরাওবা হৌখিবগী রা, অমদি লাংমাইচীং চীংদা নোংপোক পাহ্নোইবী অনী য়াওরগা অসুক হেন্না মপৃঙ ফাখিবগী রা মথংদা শতাব্দী ৪ গী অদুরাইদা খাবা লৈরেনখৈনা মখোয়গী মমৌনুপী ওইরম্বা পাহ্নোইবীনা নোংপোক নিংথৌদা ওংব্রবদা কোন্নথংদা লাইনি হায়না খঙলক্তুনা লাইশং শাদুনা নোংপোক অমসুং পাহ্নোইবীবু ঈরাৎ পূজা তৌদুনা মীরমলেন্দা লাই হরাওবা হৌখিবগী রা "কৌব্রু হরাওরোল" "পাহ্নোইবী খোঙ্গুল" অমদি হীরম অসিদা ইরম্বা লাইরিক অয়াম্বদা থেংনরি।

মথক্কী পীজরিবা রাফম খরসিনা পৃথিবীগী থিয়েটর হৌরকপগী নৈন রারোলশিং সিগা মণিপুরীশিংগীগসু মান্নবা লৈ হায়বনি। লাইহরাওবা হায়বসিদা পাঙথোক্লিবা থৌরমশিং অসি মণিপুরীশিংগী রাখল্লোন্দা ঐখোয়বু শেম্বীরম্লিবা চাদা নাউদাহনলমলিবা ইপা ইপু লাইশিং অদুগী মতৌ তমদুনা তাইবং মালেম অসিদা নুংঙাই য়াইফনবা ঈরাৎ থৌনিজবগী থৌরমনি। থৌরমশিং অসি পাঙথোকপদা চুম্নগী মী খরতগী নত্তবা মীপুম খুদিংমক্লা শরুক য়াজবা য়াবা মীয়ামগী ওইবা কুম্মৈ ওইনা পুথোক্তুনা থিয়েটরগী মওংদা উৎলকই। উৎলিবা থৌরমশিং অসিদা শরুক য়ারিবা মীশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি ট্রেদিসনেল থিয়েটর হায়বদি পরম পরাগী ওইবা মীরোল মীরোল কয়া চত্থরক্তুনা লাক্লবা থিয়েটরগী মশক্তি হায়না লৌবা য়াই। মসিবু ঙসিগী মতমগী থিয়েটর স্কোলারশিংনা Folk Theatre হায়নসু মমিং পন্নৈ। অদুবু ট্রেদিসনেল থিয়েটর নত্রগা ফোক থিয়েটর হায়বসিগা রাহৈগা ওইনা মান্নদ্রবসু পাঙথোক্লিবা মওং মশক্তি খেন্নবা লৈতে। থিয়েটর মখল অসিদা কাংলুপ অদুগী মীয়াম্মা পুন্না শরুক য়ামিন্নদুনা পাঙথোকপদা অপুনবগী ওইবা হরাও তয়াম্বগী মপুং ফারবা মশক অমা য়াওরি। মসিবু পাঙথোকপদা মরু ওইনা ঈশৈ নোংমাইগী, জগোইগী, হকচাংগী শাথেক্কী মফম কয়া অমসু লৈ। পূম্নমকসিনা পুনশিল্লগা উৎলকপা মতমদা ফজরবা আর্ট ফোর্ম অমা ওইরক্তুনা জাৎ বিজাৎকী রা লাম্বোক্লগা মীওইবা সমাজগী ওইবা লন হায়বদু ওইরকই। মসিবু Anniah

Gowda না ইদিট তৌবা Indian Drama, Parasanga 1974, P. 101 দা অসুম্না হায়রী–

কোদ–"Folk Theatre can make a whole Community take part, the classical is for the chosen few. The folk has mass appeal and setters for the lowest common factor- the ordinary man, the classical is for the elite and demands previous knowledge from the spectator. The folk theatre has a universality which classical lacks. Folk art (singing, dancing, acting) crossed the border of class, religion and country."

অনকোদ– থিয়েটর মখল অসিদা অকক্লবা টেক্স লৈতবা অইবনা মশাগী মরম্নাই রাখলদা শাগৎলক্লুনা ফোঙদোক্লিবা স্টেজগীদমক্তা দিজাইন তৌরিবা নীয়ম অমনা পুল্লবা মওং অদু নত্তে। শরুক য়ারিবা মীয়াম্না মনিং তম্না মশা-মশাগী মগুন হৈজবী উত্তুনা শরুক য়াজবা ফংনবগী মফম অমা লৈ। মতাং অমদা নত্রগা অমদা হাপতোক হাপচিন হোংদোক হোংজিন তৌদুনা পাঙথোকপা অদুম য়াই। অদুবু মসিদা চংদবা য়াদ্রবা মরু ওইবা মচাক্তি লীলা শান্নগদবা মীশক, শান্নফম, কুম্মৈ, য়েংলিবা ভাবোক অসিনি। হায়রিবা মথক্কী মচাকশিং অমদি মওং মতৌশিং অসিমক মৈতৈশিংগী লাই হরাওবা হায়বা কুম্মৈ মখল অসিদা নীংথিনা মশক শেংনা য়াওরি। খুদম ওইনা শান্নফম হায়বসি নৈনবদা মৈতৈগী লাই হরাওবদা লৈকাই লৈকাইগী লম-লমগী উমং লাইগী হরাওবুং হায়দুনা থৌরমশিং পাঙথোক্লবা মফম অমমম লৈনৈ। মফম অসি মাগী মাগী খুন-খুনগী ওইনা শেম-শাদুনা নীংথিনা উ রা হৌহন্দুনা মহৌশাগী ওইবা মতৌ অমা পীনবা হোংনৈ। হৌরিবা মহৌশাগী উপাল রাপালশিং অদুনা অয়েংবা অউবশিংদা অশেংবা অইংবা মহৌশাগী রাফম পোকহন্দুনা পুক্লিংদা লাইগী মফমনি হায়বগী থাজবা অমা পীরি। লীলা শান্নগদবা মীয়ামশিংসু মশা মশাগী ফিজোল শেত্তুনা চথরিবা পরিং অদুদা মনিং তম্না শরুক য়াই। থোইদোক্লা অকনবা নিয়ম্না মতাং খুদিংবু পুন্দুনা থমদে। ভাবোক মরক্তগী অমা হেক্তা থোরক্লগা য়াওশিনবা য়াই। মাগী মাগী হৈজবী উৎননবা মফম লৈ। মসিনা লীলা শান্নগদবা মীশক হায়বদু মীয়াম্না অদুম ওইজরে। কুম্মৈ য়েংগদবা ভাবোকসু লাইশংগী য়েং-ওইদা নুপা নুপুগী ফমফম লৈরী অকোইবা পূম্বা মীয়াম্না

কোইশিন্দুনা য়েংলি। পূম্নমক্কা শান্নবদসু- লীলা য়াওবা ওইনসু শরুক য়ারী। তীল্লীবা মীয়াম অমদি শরুক য়ারীবা কাওলুপ অনীগী মরক্তা থোইদোক্না তোখায় তানদুনা লৈতে। হরাওবুংদদি ভাবোকসু থৌরম পরেংশিং অদুগী শরুক অমনি অমসুং থৌরম পরেংশিং অদু পাওথোক্লিবা মীশিং অদুসু থৌরমশিং অদুদা শরুক য়ারিবা মীশক্তি। অদুবু মতাং খরদদি ভাবোক মরক্তগী খনগত্নুনা পাওথোকপা অখন্নবা অরুবা মতাং খরদি য়াওরী। খুদম ওইনা হোইরৌ হয়া, চুংখোং লিৎপা, ফিবুন হাবী, লাইরেন মথেক, হিজিং হিরাও অসিনচিংবা মতাংদদি য়াওরুরগা তোক্লিংবা মতমদা তোকপা য়াদে,- য়াওনিংবা মতমদা হেক্তা য়াওশিনবা য়াদে। মসিগী মরমদি পাওথোক্লিবা অসিদা লাইগী ভাক্তগী ওইবা ব্রাকম অমদি মীসু লাইসু অনীমক পুনশিনবা য়াবা হরাওবগী মওং মখল অনী থোক্না লৈবগী মতৌ অসিননি। মওং অসি ভারতকী নাট্য হৌরকপগী মতাংদসু লৈবগী মশক অমা থেংনৈ। মসিবু 'Kapila Vatsyayan না মহাক্কী Traditional Indian Theatre গী Preface তা অসুম্না পল্লি –

কোদ–Here the spoken and sung word and the movement could not be dissociated from each other, it would be almost impossible to see these elements in isolation. Theatre was total experience and multimedia expression comprehending the four types of abhinaya and two levels of presentation, namely Natya and Loka."

অনকোদ– মথক্কী নৈনরিবা ব্রাকম কয়াসিদগী মণিপুরীশিংগী ট্রেদিসনেল থিয়েটরগী মশক অমা থিগে হায়রবদি অহানবদা লাইহরাওবদা মীৎয়েং থমদুনা নৈনবা চুমগনি নীংই। লাই হরাওবা য়েংবা মতমদা ট্রেদিসনেল নত্রগা ফোক থিয়েটরনি হায়রিবা অখণ্ড-অহৈ কয়ানা পৃথিবীগী ওইনা পুথোক্লরক্লিবা ব্রাকম অমদি মরমচং কয়াশিংগা য়াম্না মান্নৈ, নকশিন্নৈ। ট্রেদিসন নত্রগা ফোক থিয়েটরগী ওইবা মরমচং হায়বদি জগোই-ঈশৈ, যন্ত্রশিংগী থৌদাং পুন্না উৎমিন্নবা, উৎলিবা লীলাগী শরুকশিংগা জগোই ঈশৈ যন্ত্রগী থৌদাংশিংগা মতম খুদিংদা থানদনা অচৌবা থৌদাং লৌবা মতাং-মতাং কয়াদা ইনপ্রোভাইজ তৌদুনা ব্রারীশিং অদু ফোঙদোক্লবা হোৎনবা, ভাবোক্না লীলা শান্নবা মীশিংগা খেন্নবা লৈতনা অমত্তা ওইবা, ব্রাঙাং শাঙাং অমদি উৎলিবা চংলিবা

পোংশকশিং পূন্নমক য়াম্না সিম্বোলিক ওইবা লোয়ননা থৌরমশিংবু মওং অমদা ফাজিন্দুনা উৎপগী চৎনবী অদুগা অমরোমদা কবিতা থিবগী মওংদা মীৎ না উইশিন্দুনা লাইশোন তৌবা অসিনচিংবা চথবা কয়া য়াওরি। মরম অদুনা মণিপুরীশিংগী ট্রেদিসনেল থিয়েটর নৈনবা তায়বদি লাইহরাওবা হায়বা ঐথোয়গী লৈহাওদা শেমগৎচরকইবা ঙসিফাওবদা অতোপ্পা মপালগী ঈথিল চংখ্রিবা কুম্মে অসিদা থিন্দুনা মশক তাকপা তাই অমদি নৈনবা তাই।



'চে' গী পুরারি অমসুং মসিবু লাই ওইথ্রবা অহল লমন্না তুংগী মীরোলগীদমক লিশিন্দুনা থম্বিরম্বগী মওং

ডাঃ কে. সুশিলা দেবী
ডিপুটি ডাইরেক্তর, আরকাইব্‌স

"চে" (paper) হায়বসি মীওইবনা মরু ওইনা লাইরিক লাইশুনচিংবা ইবদা শীজিন্নবা পোৎলম অমনি। ঐখোয়না ঙসি ইনরিবা, চৎনরিবা থৌদোক ৱাথোক অমদি নিংশিংবগী ৱাখল, মীওইবনা কাউথোকখিবদগী কয়নবা অইবা ওইনা থমহৌবদা শীজিন্নরিবা খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইরিবা পোৎশক অমনি। মালেমসিদা ইবগী চৎনবী অমসুং চে হৌদোক্লম্বা অসি ঙসিদগী চাওরাক্লা চহি ৫৫০০ গী মমাংগী মতমদগী পুথোরকখিবসিবু শৌগৎলিবা ৱারোম্দি– "The oldest known writing in word is on a tablet of solid lime stone found in the ancient city of Kish in Mesopotamia, some 5500 years ago a scribe carved into it the outline of a foot, ahead and a sledge with other marks beside them" অসিনি।[১] অদুগা ইবা হায়বসিনা মহাক্কী মথৌসি পাংথোক্লবা মমায় নত্রগা মপাক অমা শাগোন্নে হায়বসিদি খ্বাইনা খঙনদুনা লৈরবা হিরমনি। মরম অসিনা মীওইবনা অহানবা অইবগী চৎনবী মতুংদগী চহি ৪০০ (চামরি)। কোম্বরগা লৈপাক-লৈতুম (Tablet of clay) তাশিন্দুনা শেম শারগা মদুদা ইবগী চৎনবীশি মখা-চত্থনা পুদুনা লাকখি।[২] মসিগী মতুং তারকপদা মীওইবনা "পেপীরস" (papyrus or paper-reed) পুথোক্লুনা মদুগী মতেক-মতেকশিংগী মপাক মচা মচাশিং শেম-শাদুনা ইনরকখি।[৩] অসুম্না মসিদগী অমুক মখা চত্থরকপদা চফুগী ফুমায়শিং, নুঙগী নুঙমাইশিং, কোন

> **লৈপাক লৈতুমশিংদা ইনরকপা অমদি ইবগী চৎনবী হৌদোক্লরকপা**

১। Readers Digest Assn., 1974, p. 302
২। মথক্কি
৩। মথক্কি

ধাতুগী কোনমায়শিং, চীংগী চীংমাইশিং অসিনচিংবদা হত্তুনা ইবগী থবকসি চখরকখি অমসুং পুথরকখি।[১] মাইকে অমরেমদনা চখরক্কিবা ইবগী চংনবিশিগী পনখে মনুংশিদা নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং মরু ওইনা চাইনাদদি শাংতক তৌবা শরু (Elongated Bone) গী মমায়দা ইবগী চংনবিসি হৌদোরকখি। মসি লৈপাকশিদা হৌজিক হৌজিক লিদুনা থম্লিবা ঙসিদগী চহি ৩৪০০ রোমগী মমাংদা শরুদা ইরম্বগী পোৎলমশিংদগী খঙবা ঙমনরি। মসিগী মথা শমথরকপগা ইরোইননা China দা উগী মপাক, মচেৎশিং অমসুং ব্রাগী ব্রাচেৎ মতেকশিংদগী ইবগী থবকশিং লৌথৎতুনা চংনরকখি অমসুং শমথরকখি। অসুম্না ইবগী মমায় মপাকশিং মতমগী মতুং-ইন্না হোংলকপগা লোয়ননা চখরকপসিদা খ্বাইদগী হেন্না পক্লবা, চুনবা অমসুং পান্নরবা 'চে' (paper) হায়বসি মালেমসিগী জাতি পুম্নমকসিগী মনুংদা China গী মীশিং হায়বদি চাইনিজশিংনা খৃষ্টগী অহানবা চহি-চাদা পুথোক্লকখি।[২] অদুবু পুথোক্লকপগী মতমগী ব্রাফমসিদা মালেমগী অনৌবা থিজিন হুমজিনবগী ওইনা খ্বাই পুম্নমক্লা য়ানদুনা চংনরিবা চে পুথোক্লকপগী মতমদি খৃ: ৭৫১ দা পিরি।[৩] চে-শাবা হৌরকপগী মহে-মশিং (শিনফম) অসি চাইনাদং ওইরম্বদগী 'আরব' লৈপাক্তসু শন্দোক্লকখি। মদুগী মতুংদগী মথং মথং ওইনা মালেমসিগী লৈরিবা লৈপাকশিং অয়াম্বা শিনবা থুংনা শন্দোরক্লরকখি অমসুং মসিগী শিনফম অসি খৃ: ১৩৯৪ দা (India) ভারতবর্ষদা চংলকখি।[৪] অদুবু চে শাবগী শিনফমসিমদি (মহে-মশিং) চাইনানা খ্বাইদগী ইহান হান্না হে অমদি খঙই হায়বসি পৃথিবীগী মীপুম খুদিংমক্লা য়ানরবা অমসুং খংনরবা ওইবনা ভারত্তা চংলকপগী মতম অসি মথক্কীদা পিরিবশি চানদবরা খঙে, মদুদি—খৃ: মতুংগী কুমশিং চাওরাক্লা ২০০ (Chinese Traditional War) অমসুং ৮৪৫ দা ওইগনি হায়না লৌজে।

China দা শরুগী মমায়দা ইরম্বা ঙসিদগী চহি ৩৪০০ গী মমাংগী অইবা

চাইনাদা চে পুথোক্লকপা খৃ. ১০৫, ময়াম্না য়ানদুনা পুথোক্লকপা খৃ. ৭৫১

আরব লৈবাক্তা চে শারকপা

১। মথক্কি

২। E. Korovkin, 1981, p. 100.

৩। Readers Digest, p. 172

৪। National Archieves of India, 1993, p. 3.

মৈত্রবাক্তা/মণিপুরদা ইবগী চৎনবী হৌদোক্লকপা ঃ

মৈত্রবাক্তা/মণিপুরদা ইবগী চৎনবী অসি য়াম্না ওল্লিঙৈগী মতমদগী লৈরে হায়না পীনবা লৈ অদুবু মদু scientific ওইবা মীৎয়েংগী মায়কৈদদি য়ুম্ফম ওইদে। মৈত্রবাক্তা মণিপুরদা ইবগী চৎনবি অসি 2nd century অমসুং 6th century দগী চৎনরকপা হৌরে হায়বগী খুদমদি হৌজিক হৌজিক Manipur State Museum দা লৈবিবা ময়েকশিংদগী খরদি খংবা ঙমই। মসিগী মতুং তারকপদা মৈতৈ নিংথৌ ক্যাম্বা খৃ. ১৪৬৭-১৫০৮ দা পোং-নিংথৌ খৈখোম্বানা (কৈফা কিখোম্বা) মাগী মতুংইন্না লোয়নরকপা মী অমসুং পোৎলমনচিংবা শিন্নবগী মতাং খৃ. ১৪৭০ দগী পোং-মাও-সানগী ময়েক ইবা হৈবা মীওই লাকখিবা,[১] অমরোমদা অমুক মণিপুরগা পাশাগা যাম্না ওল্লিঙৈগী মতমদগী মরি লৈনরকপগী[২] মওং উৎপা অসিনা মণিপুবদা পাশা, সিলোটতগী লাকপা ব্রামহী অমসুং দেবনাগবি ময়েক শিজিন্নবা ঙম্না মীওইশিং চাউবাক্লা ১৬ শুবা (16th century) খৃষ্টগী কুমশীঙ চাদদি চঙলক্রে। অদুগা বাঙ্গালি ময়েক ইবা পাবা ঙম্না মীওইশিং, লাইরিক ইবা "কবি" অমসুং লাইবিক য়েংবা ভকিরোৎ ভগীরথ মৈদিংঙু লম-ক্যাম্বা খৃ: ১৫১২-২৩ গী স্না হাক্তক্তগী মথংশিংনা খৃ:১৫১৪ অমসুং খৃ: ১৫১৭ তা থোক্লক্লুনা মণিপুবদা লৈনৱে, অসুম্না মাম্নদবা ময়েকশিংগী চয়েৎনবা লৈদুনা অমগী অমগী লাইবিক্লা মরোল ফাওনদবদু কোক্লনবা মৈদিংঙু খাগেম্বনা খৃ: ১৬১৬ দা মৈতৈ লৈপাক্কী ওইবা পুন্না খঙনবা য়াবা ময়েক পুথোক্তুনা মজাইবুঙোশিং অমদি মৈত্রবাক্তা লাইবিক্কী মহৈ-মশিংসিগী থবক, থৌরাং, থৌরম, ৱারম অসিনচিংবা কয়া অমা পাইখৎনরকখি।[৩] অদুগা লাইরিক ইবগী থবক অসিমসু তৎন-থানবা য়াদবা হিরম অমা ওইনা মালেমগী মফম খুদিংমক্তা ওইবগুম মৈত্রবাক্তসু ওইরকখি অমদি চৎনরকখি।

মৈতৈ লৈপাক্কী ওইবা পুন্না লাইরিক্কী মহৈ মশিং তম্বা হৌদোরকপা ১৬১৬

মৈত্রবাক্তা/মণিপুরদা চে শারকপা অমসুং শারকপগী মওং ঃ

মণিপুরদা চে শাবা অমদি হৈবা হৌরকপগী চপ-চাবা অকক্লবা শোক তারিক অদুমক্তি হৌজিক ফাউবগী ওইনদি খঙবা ঙমদ্রি অদুবু পোৎশক অসিনা

১। নোংপোক হারমলোন।
২। চেংলৈরোল।
৩। চৈথারোল কুম্বাবা, লা: ৩৫।

লাইরিক ইনরকপগা সাগোন্নরগা, ইরোইননা লাকখিবশি চাওরাকপা মতম অমা লেপ্পা তারবদি খৃ: ১৬১৬ তগী খৃ: ১৬২০ গী মনুংগী মতমদনি হায়না পিরি[১] (B. Kullachandra Sharma, 1919, 17)

মণিপুরদা চে শাবা হৌদোক্লরকপা চাওরাকপা মতম খৃ: ১৬১৬-২০

অদুগা মণিপুরদা থায়নদগী চংনরকপা চে শাবগী চেশা-মওং অসি মখল অনিথোক্না লৈরমই মদুদি (১) Bengal গী চেশা অমদি মওং (২) Chinese গী চেশা অমসুং মওং। অদুবু Bengal গী চেশা অমদি মওং অসিদি মতম খরদমক লৈরম্লগা (শারম্লগা) মখা তানা শাবা উখিদরে। মখোয়গী চাওরাকপা মওঙ মতৌদি বঙ্গদেশ (Bangladesh) কী শ্রীহট্ট/শীলোট কী লমথৈ মনুংদগী লাক্লুনা লানফা ওইদুনা খুন্দাখিবা মুসলমান শাগেগী পুকোক শৈক্ষ চুনালিয়া/চনেৎনা পুশিল্লকখিবনি। মহাক্না পুশিল্লকখিবসি খা-নোংপোক এসিয়াদা চংনরিবা Chinese শিংগী চেশাগা য়ানশিন্নরগা শাবা চেশানি। মসিগী মতমসি চাওরাক্না খৃ: ১৬১৯-২০ গী অদুব্রাইদা ওইবা য়াই। হায়রিবা Bengal গী চে-শাগী খুৎশা মওং পায়খৎলম্বনা অমসুং মদুবু শিনফম ওইনরম্বনা শাগেদুগী য়ুম্নাক মমিংসি "চেশম" চে শাবা ময়ুম হায়না খংনরমই।[২] হৌজিক হৌজিক Muslim য়ুম্নাক শাগে অসিদি হিংলি/লৈরি অদুগা মখোয়গী চে-শাবগী শীনফম ওইরম্বা থবক অদুদি মখা তারকখিদরে।

চাইনাগি চে-শাবগী মওং ঃ

মওং অসি খা-নোংপোক এসিয়াদা ললোনবা লাকপা চাইনাগী মীশিংনা তম্বিরম্বনি। হায়রিবা চাইনিজ ললোনবশিংগী রাফমসিগী মতাংদা পল্লিবদি "…. introduced by the Chinese marchants who visited the state in the reign of king Khagemba, 1630."[৩] মখোয়না মণিপুরগী মফমশিংদা ললোন ইতিক্লীদমক চিং-পাৎ, খুঙ্গং, তুরেল কয়া ফাউরগা অমদি লাল্লগা লাকখি। মখোয়না ফাউরকখিবা চিংশিংদি খোইবু (খোয়ফু) gate-way via Shan, Northern Myanmar অমদি General Tiwan অমসুং general prince fev-cia অসিনি।[৪]

১। B. Kullachandra Sharma, p. 17.
২। B. Kullachandra, Badaruddin, p. 59/62
৩। T.C. Hodson, 1918, p. 15, 17, 21.
৪। Yumjao, p. 27. B. Kullachandra, p. 13/14.

মদুগী মতুং তারকপদা মণিপুরদা লৌরিবা মীশিংনা মশাগী technology দা চে অসি শারগা পুথোকখি। মখোয়দুগী মনুংদা থৌদাম, ইরোং-নচিংবা যুম্লাকশিংনসু হায়া শাবা হৌদোরকখি। অদুনা মৈতৈনা শারিবা চেগী চেশা অসি চাইনিজশিংনা শারিবা চেগী মওংগা অমত্তনি হায়বা য়াই। মসি Myanmar, Thailand নচিংবা লৈপাকশিংদা শারকপা মওংগসু মান্নে।[১] মৈত্রবাক্তদি চে-শাবা হৌদোক্লকপা অসি চাওরাক্লা লৌরিবা মতম খৃ: ১৬১৬-১৭ অসিনি অদুবু T.C. Hodson নদি চাইনিজ লল্লোনবশিংনা মণিপুরদা লাকখিবসি চাওরাক্লা খৃ: ১৬৩০ নি হায়না লৌরি। মরমদি— মহাক্লস য়ুনান্দগী মণিপুর ফাউরগা অমদি Guwahati ফাউরগা মগধদেশ অখিবা অদুগা কাবুল য়ৌখিবগী লম্বিশি করম্না মতমদা হাংখিবা অমসুং লল্লোন-ইতিকী লম্বি য়ুনান্দগী মোগাউং ফাওরক্লগা টাজ লাল্লগা মগধরোমদা চংথ্রিবা অনিশুবা সিল্ক লম্বিসিদা তিল্লি হায়বসিসু তাক্লমদবনা[২] খৃ: ৮ শুবা কুমশিং চাদা হাঙথ্রবা লম্বিশিং অসিগী মতম খল্লুদনা মতম থেংথনা পীবিরম্লিবনি।

(১) চে-শাবগী মচাক পোৎলমশিং ঃ মৈত্রবাক্তা চে-শাবগী মওং অমদি চেশাদা চৎনরম্বা অমদি শানরম্লিবসি চাইনিজশিংনা চে-শাবদা শিজিন্নরম্বা মচাকশিংগা হাইরপ মান্নে। মখোয়দুগী মওং-মতৌনচিংবসু হায়রপ মান্নবা পোৎলম ঙাক্তা ওইনা তৌই। চাইনানা মরুওইনা শিজিন্নরম্লিবসি উ-ৱা, নাপীশিংদগী লৌবা পোৎলম, মথেলশিং, শিজিন্নদ্রবা ফিজেৎ, উ-কু, ৱা-কুশিং অসিনচিংবনি[৩] মৈতৈগীসু হায়রিবশিংশিদগী অয়াম্বনি। মৈতৈগী চে শাবগী মচাকশিংদা হৌজিক্কী মতমগী অনৌবা মীৎয়েংদা ঐখোয়না শরুক মরিথোক্লা খাইদোকপা য়াই। (১) য়ুমফম ওইবা পোৎচাক, (২) তেংবাং/থৌগৎনবা ওইবা পোৎচাক, (৩) ঙাকথোক-কম্থোক্লবগী ওইবা পোৎচাক অমসুং (৪) নপশিন-পকশিনহনবগী ওইবা পোৎচাক।

অহানবগী য়ুমফম ওইবা পোৎচাকসিদা চংলিবসি পাম্বিদগী অয়াম্বনি। মখোয়দুদি— উনা-ৱানা, নাপীগী মনা অমদি মউশিং, ৱাগী অনৌবা অথোৎপা মউ, মপাম্বী, শিজিন্নদ্রবা ফিজেৎ, লংহুম অসিনচিংবনি অদুগা অনৌবা মতম

১। মথক্কি, লা: ১৮।
২। P.Gogoi, 1968, p. 68/69.
৩। F. Korovkin, 1985, p. 100.

চংলকপদদি মণিপুরগী মপান্দগী পুশিল্লকপা মেছিননা শাবা চেশিংগী হুন্দোক্লবা কাময়ব্রবশিংদগীসু শিজিন্নরে। মৈতৈগী চেদা খ্বাইদগী হেন্না ফবা কনবা অমসুং মগুন লৈবা চে শানবগীদমক্তদি পোৎচাকসি অখৈন্নে। হায়রিবা পাম্বী অসি মৈতৈনা শু-পাম্বী হায়না খংনরম্মী। হায়রিবা পাম্বীগী পোৎথোকশিংদি– মনা, ময়োন, মউ, মপান, মকু অমসুং মরানি। হায়রিবা পাম্বীসিগী পোৎথোক্লা শাবা চেদি মমল তাঙই অমসুং হোংনা ফংনদে অদুগা অমুক মৈত্রবাক্তা কব্রং তিল (silkworm) য়োকপা লমখৈগী মনুংদা চনবনিনা কব্রংচাক মরাং-কাইনা হৌই অমসুং ফংই। মসিদা চে শাবদা শিজিন্নবা য়াবা পাম্বি জাৎ অসিসু য়াওরি, হায়রিবা পাম্বিসি মালেম অপুম্বগী ওইনা খ্বাইদগী হেননা ফবা চে শাবগীদমক মমিং চৎলি। মসিগী মথংদা অফবা অমসুং ফজনা চৎনবা য়াবা চে শানবগীদমক পোৎচাক পীরিবা পাম্বি মখলসি "ব্রানি"। মণিপুরদা হৌজিক্কী মতম 2000, A.D. দা ফংলিবা ব্রা মখল অসি ২৯ লোমনি[১] মসিগী মনুংদা মখল অহুম (১) শনৈবী, (২) উতং, (৩) মৌবী অসিদি চে শাবদা য়াম্না শিজিন্নৈ অমসুং পাম্নৈ।[২] অদুগা কাহেননা ফবা নত্তবা চেশিং শানবগীদমক্তদি অতৈ মখলগী পাম্বী, মনা-মশিংদগী অমদি ফিজেৎ-ফিগাই, লংগী মকুমনচিংবা কয়াদগী শানৈ। মখোয়দুসু অদুম্মক চৎনবা য়াবা হায়বদুদি ওই।

মৈতৈনা শাম্না শানরম্বা পাম্বী 'শু-পাম্বী'

কব্রংচাক পাম্বিদগীসু চে ফংবা paper mulberry

ব্রা মখল খরা (মণিপুরদা ফংবা some species of Bamboo

(২) **তেংবাংনবা পোৎচাক হাপ্পা ঃ** পোৎচাক অসি চে শাবগী থৌরমদা থুজিন্নবা, পথ্-পুমথহনবদা মতেং পিনবা পোৎলমনি হিরমসিদা মৈতৈনা শিজিন্নরিবা পোৎলমদি খরি অমসুং উত্তিনা শেম্বা খরিনি। উত্তি অসিনা (vegetable ash-solution) পাম্বী নৎত্রগা য়েনসাং নাপীশিংদগীসু লৌই। মখোয়দুবু কংহল্লগা মৈ থাদোক্লুনা উত্তি চুমথোক্লুনা লৌরগা ফংবা ওমই। উত্তি শেম্বদা খ্বাইদগী অফবা মখলগী মনা মশিংদি– খুজুম পেরে, চঙবী অমসুং হৈ

১। L. Dhanabati.
২। B. Kullachandra, p. 34

লফুশিং, হরাই থবাক, শগোল হরাই, নুংহরাই, গানখোক, হোওঙু, চক অসিনচিংবনি।[1] মসি ঙাকথোক কম্বোক্লবা পোৎচাক: চেশিংবু অহিংবগী ওইবা পোৎলমশিং, অমাঙবা থোকহনবা তীন-কাঙশিং, থরাই পানবা উচিগুম্বশিং অমসুং মহিক শুম-তাওনচিংবদগী ঙাকথোক্লবা অমসুং কম্বোক্লবা অমদি শোকহন কাহন্দনবা/চিকখাইদনবা অসিনচিংবা মচাকশিং অসি শিজিন্নৈ। মখোয়সি অয়াম্বনা তীন হীদাকশিংগী কাংলুপ্তা চিংই। মৈতৈনা

ঙাকথোক্লবগী পোৎচাক হাপ্পা (materials for protective chemicals

শীজিন্নবিবা পোৎচাকসিগী পোৎলমশিংসি থোংদগী থোকপা/ফংবা শা-ঙাদগী ফংবা/লৌবা পোৎলমশিংদগীদি পাম্বীদগী লৌবা/ফংবা নৎত্রগা শেম-শাবা পোৎলম পোৎচাকশিংনা অযাম্বনি। মখোযগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না মক ওইবা অমসুং তোযনা শিজিন্নবা পোৎলমশিংদি— কেক্রু, তোমাল অমসুং লম হৈবীগী মহৈশিংনি।

নপশিন-পকশিনহনবগী ওইবা পোৎচাক ঃ

মসি চে শাবদা চেগী মপাক মনুংদুদা পোৎচাকশিংদু অমগা অমগা চোযথোক ফাদোক্লদনা ফাজিন পুন্সিন্নদুনা লৈননবা পোৎলম, পোৎচাকশিংনি। মসি চে শাবদা হাপ্তুবদি যাই অদুবু চে অদুগী মপুন্সিদি শাংদে মবমদি চেগী মশা মনুংগী ওইবা পোৎচাকশিংদু মহৌশাগী ওইবা নোংজু-নুংশা, অইব-অশাগী হোংলক্লিবা, ওল্লক্লিবা চাংশিংদা ফাদোক-চাইথোক্লবক্তুনা চেদুগী মপাঙ্গল অমসুং নপুন্সি হন্থহল্লি।

মৈতৈ চে শাবগী চখনবিবা থৌরম পবেং ঃ

চে শাবা/ হৈবগী থৌবম পবেংদি মখাগী থৌবমশিংসি মথং-মনাউ কাযদনা চৈখে। মদুদি— (১) অতেকপা পোৎচাকশিং হাপ্পা, চে শানবা লৌবিবা/ পুবক্লিবা পাম্বী/পোৎশিংদু চামথোক শেংদোক্কনি অমসুং মশা-মবেং, মকোয়-মবাংনচিংবা হেন্দোক-শাংদোক্লিবশিংদু ককথৎ-হিদোক্কদবনি অদুগা পাম্বীগী ওইববদি মকক মকক তেন্তক্লা থাংজৌনা ককথৎকনি অমসুং অককপাশিংদু

১। Ibid, p 378

শংবাইদা হাগুনা থমগনি। অসুম্না শঙবাইদা থম্বসিদা মনা মশিং, মরী মতাংনচিংবা মগুং তানা শেম-শারগা হাপ্পা য়াই।

ভেংবাং খৌগৎনবা পোৎচাক হাপ্পা ঃ

মথক্তা অহানবা শেম-শাখিবা পোৎচাকশিংদু য়ানশিন-তিনশিন্নরগা হায়বদি শিংজু তোৎপগুম তোৎখায়গনি মতুংদা খরুঙ/ঙাংখ অচৌবা অমদা তিংননবা হাপকনি। পোৎচাক হাপ্লগা খরুঙদুদা খরি উক্তিগী মহিদু পোৎচাকশিংদুনা পত্থ পুমথরক্লবদা মহিনা হেল্লোয়দবা মওংদা হাপকনি অদুগা খরুঙদু চফু অমনা মখুম ওইদুনা চেৎনা খুমজিল্লগা থমগনি। অসুম্না নুমিৎ ২/৩ নি তিংলকপদা পুমথরকপগী নমথিবা মনম পোক্লক্লবা মতুংদা মনম চৎখিদনবা অমদি মনিল চৎখিদনবা মখুমদু য়ারিবমখৈ চেৎনা খুমজিন্দুনা অতোপ্পা নুমিৎ ৩/৪ (কালেন্দা) থমগনি অদুগা নিংথমথাদদি নুমিৎ ৫/৬ নি থমগনি। মতুংদা নপশিন্দনবা পোৎচাকশিং চনাং ওইনা নোয়রগা হাপকনি। হাপ্লবা মতুংদা উগী নৎত্রগা ব্রাগী খাবৈ অমনা মনুং থিৎনা ওৎখাইগনি। অসুম্না ওৎপসি হন্ন হন্না

ঙাকথোক কম্লেক্লবা মচাক হাপ্পা (material for protective chemicals)

পাংথোক্তুনা পত্থ-পুমথবদগী মপং অকনবা ওইরম্বা পোৎলমশিংদু মহি মপঙ য়াম্নবা ওইরক্লনি। অসুম্না পোৎচাক য়াওরবা খরুঙদু মৈ হৌগৎতুনা মৈদু মৈচাক ফনা অপাম্বা মৈশাগী চাংদু ফংহন্নবগী মওংদা য়োৎশবী থারগা মথক্তা নিংথিনা পোৎচাকশিংদু শৌহনগনি। মপুং ফানা শৌরক্লবা অমসুং অশৌবদুনা পত্থরক্লবা মতমদা ঙাকথোক কম্বোক্লবা পোৎচাক কেক্রু মহৈগী অতিংবা মহি, তোমাল মহৈনচিংবা নৈখাইরগা হাপ্পী লোয়ননা নুংশিল অশংবা, লুপাহিদাক, লমহৈবী মনা, ফিজিগ্রিনচিংবা হাগুনা মৈতৈ চে অসি তুংদা তিল কাঙনা পামদবা চে ওইহল্লি। অমদি শুম-তাউনচিংবা কয়াদগীসু ঙাকথোকহল্লি। মথংদা— ঐখোয়না চে অসি শারিবা মনুংগী পোৎচাকশিংদু অমগা অমগা চোয়থোক-ফাদোকহন্দনবা অতোপ্পা পাম্বিদগী লৌবা চনাং-চুজাক, ইরোইয়াগী চেং (চাক্তা মহাউ য়াউদবা অকনবা) গেহু, আলু, পান অমসুং মপ্প্রানি। অদুবু মখোয়দুগী মরক্তা খ্বাইদগী হেননা পাম্নবা অমসুং কান্নবা শিজিন্নরিবদি চুজাক্কী চনাংনি[১] পোৎচাকশিং অসি

১। Ibid, p. 378.

চে শাবদা হাপ্তবদি য়ায় অদুবু চে অদুগী মপুন্সি শাংদে মরমদি চেগী মশা মনুংগী ওইবা পোৎচাকশিংদু মহৌশাগী ওইবা নোংজু-নুংশা, অইং-অশাগী হোংলক্লিবা/ওল্লক্লিবা চাংশিংদা ফাদোক চায়থোবক্তুনা চেদুগী মপাঙ্গল অমসুং মপুন্সি হন্থহল্লি।

মুনবা মুন্দবা য়েংবা অমদি মুম্ননবা লোনবা

অসুমনা পোৎচাক শুনা হাপথ্রবা মতুংদা মৈথক্তা লেপ্তুনা লোনদুনা মহি কংলা-হাপ্পা তৌদুনা লোল্লবা মতুংদা কত্তক তৌনা থোৎপা, পেৎপগী মওংদা লাক্কনি। হায়রিবশিংগী শকক মচা অমা খুৎকী খুবি অমসুং খুদোম্বীগী মবক্তা থল্লগা মেৎশিল্লকপদা য়াউবিবা পোৎতুনা মপাক ওইনা পকশিন্দুনা মচেৎ তাপ্রবদি পোৎচাক্তু মুল্লে হায়বা খংগনি। অদুনা খকংদু থাংথবা য়াবে মদুদগী মনুংদা য়াউরিবদু ইংহন্নবা মফম

চে শান্নকপা অমসুং ওইহন্নকপা

চাবা অমদা থমগনি। ইংলবা মতুংদা মহি-মপঙ ওইবা পোৎচাকশিংদুগী মবক্তা পামদবা পোৎশকশিং হায়বদি মরি-মবাং, শম-তুনচিংবা যাওবশিংদু শেংদোক মহ্মোক্কনি। অসুম্না মহ্মোক্লবা পোৎচাক্তু লাইখুদেং অচৌবা অমদা খকঙদগী হৈদোক্কনি অদুগা মনুং-থিংনা নোইদুনা অকন অপেৎ মান্নবা শেম-শাগনি, অসুমনা মহি মপঙ ওইরম্বদগী মতুম মচা মচা তানা শেমদুনা উপাক ফাপ্পাও অমগী মথক্তা (ফান্দু মফম চানা লেংহন্দনা থম্বা) লেংবা হাযবা তৌদনা মতুমশিংদু শুকুম্বা উগী মচৈ অমনা তক্তুনা মপাক মপাক ওইনা ওহ্মোক্তুনা থমগনি। মসিদা থাবা-পাবগী চাংসু মতাং অসিদা চেকশিন্না যেংগনি অমদি চাং মান্নবা পুগনি। চেগী মপাক তকথোকপগী থৌরম/থবকসি লোয়রবদা মপাকশিংদু উপাক-ফান মথক্তুদা শন্দোক্তুনা থমগনি অমদি নুংশাদা ফৌগনি। অসুম্না ফৌরিবা মপাশিংদুনা কংলক্রবা মতমদদি মপাকশিংদু মৈতৈ চেগী মপাক অমমম ওইরক্রে।

(৩) অরোয়বগী শেম-শাবা ঃ

শাবা লোয়ববা মৈতৈ চেগী মপাক মপাকশিংদু অরোয়বা ওইনা চেবাং শাননবা মমায় নানবা ফান অমগী মথক্তা থল্লগা অকুৎ অতোংনচিংবা কয়াদু মান্নবা, নালহন্নবা মমায়গী শরুক্তু কাংখিন্না তক্কনি, মথক থংলিবা মমায়দু লোয়রগা মখা-থংবা মমায়দু অমুক তক্কনি। অসুমনা তকপা লোয়রবা চে অদু চাং মান্নবা হেন্দোক হেঞ্জিন তুমথোক তুমশিন্নচিংবা তৌদুনা মচৌ-মচা

নাইদনবা কাটি অমনা কক্তুনা চাং চপ-মান্নহনগনি অসুম্না শেম-শারবা মপাকশিং অদু লাইরিক ইবা য়ারবা চেবাং অমা হায়বদু ওইরে।

মৈতৈ চে-শাবদা চঙবা খুজু-খুৎলাইশিং ঃ

১। থাংজৌ
২। চেংজাম্মুক, (চেং চান্নবা থুমুক)
৩। কোম্পাক নৎত্রগা লাই খুদেং/উরুক খুদেং
৪। খরুঙ অচৌবা ঙাংখ/তোংলোই
৫। উপাক/ফাঙ্গাও
৬। শুকুম্বা উগী মঁচে
৭। কাটি
৮। কাংখিন
৯। উগী/ৱাগী খাঁবে অচৌবা
১০। শঙবাই অমসুং থুম্মুক অচৌবা
১১। থুমুক মচা খরা, অমদি চফু খরা অসিনচিংবা।

মৈতৈ চে অমদি মৈতৈনা খুৎনা শাজবা 'চে' অসি মসিগী শেম্বা-শাবনচিংবদা মতম য়াম্না চংবা মরম্না অমদি পোখোকসু য়ামহনবা ঙমদে মরম অসিনা হৌজিক্কী মতমগী মেছিন্না শাবা চেশিংনা মতম চংদবা, পাঙ্গল ৱাদবা অমসুং চাদিংদা হম্বুবা মরম্না থাইনদগী ইপা-ইপুশিংনা চৎনরকপা মনাৎতা চৈথেং পি অমসুং শিথরকই অদুনা মসিগী চৎনবি/মনাৎশি মালেম অপুম্বগী ওইনা মুংপা মাঙবগী মাইকৈদা খোংদাদুনা লৈনরি, অদুবু অনৌবা মেছিনগী যুগ লাক্লিঙৈ, মেছিনগী চেশিংনা লাক্লিঙৈগী মতমদা মসিনা মীওইবা সমাজগীদমক্তা লৌরম্বা থৌদাংদি কাওথোকফম থোক্তে।

মৈতৈ অহল লমনশিংনা অইবা চেবু মতম শাংনা কুইনা চৎনবা লিদুনা থম্নবগী মওং:

মৈতৈগী থাইনগী অহল লমনশিংনা চেদা ইরম্বা লাইরিকশিংবু হৌজিক্তা হায়রগদি য়াম্না scientific ওইবা মওংদা থম্বিরমই। মখোয়না অইবা লাইরিকশিংবু য়াম্না চেকশিন্না উপাক্লা নাকন অনিমক চপলগা চনাং য়াওদবা ফিনা মথক্তা পুন্সিন্দুনা লুবাক মনুংদা থম্নরমই। অদুগা লুবাক অসিসু ঐখোয়গী

নুংতিগী অহল লমনশিংগী ফুঙ্গা লাইরুগী মথক্কুম্না নৎত্রগা চাকখুমগী মথক (চাক থোংফম) মথক্তা মৈখু, মৈশা য়েহন্দুনা তিল-কাণ্ড, উচিনচিংবা কয়াদগী গুাকথোক-কনথোকপা ঙমহল্লি। অদুদসু নত্তনা মসিনা লাইরিক্কী চেনাশিংনা কোকফাই সুজা কারকপা, ঈশিং মনিলগী চাং বাংখৎলকপদগী থোক্রকদবা অমাং-অতা কয়ামুক্তগীসু কনবা ঙমই। মসিনা লাইরিকশিংবু মপুন্সি শাংনা চৎপদা মতেং ওইনে।

অতোপ্পা অমনা– মৈতৈ অহল লমম্না চে শারকপা মতমদসু চাক্তা মহাউ য়াউদবা অকনবা চাক্কুম্বগীনা চনাং থাই মরমদি মসিনা চেগী মশা লিংবতা নত্তনা মুক চুপতনবা অমদি মুক ফাদোকহন্দে, মথক্তা চে শাবকপা মতমদা হান্ননা তিলহাৎ হিদাক হায়বদি মমাংদা পিজখ্রিবা কযামশিংদু নৈখায়বগা হাপখিবদুনা তিল-কাণ্ড কযাদগী কম্মোক্কুনা ঙসি ফাউবদা মশা শোক্তনা লৈবা থেংনবি।

অদুবু ২০ শুবা চহিচানা লাকপা অনৌবা Millennium না চংলকপা মতমদদি ঐখোযনা 'চে' (paper) অসিদগী ওইবক্লিবা Records, Documents, খুৎই লাইবিক, file নচিংবা কয়া অসিবু তুং-কোয়না তেক্তা কাযদনা থম্বা তফাইফদে। মক ওইনা Archives তা লাক্কদৌরিবা files, documents কয়া অসিদি non-current (চৎনদ্রবা) ওইববা record নী মবম অসিদগী ঐখোয়না মৈতৈ ইপা ইপুশিংনা তৌবিরম্বা কয়া অদুগী মখা শমথরকপা ওইনা খবদং পঞ্জরবদা– অহানবা ওইনা (১) fig. No.1. থমজরিবসি উপাক্তা নাকন অনিমক্তা চপ্পগী খুৎথল্লি। (২) fig. No.2. দা Corner মবিদা ফিনা য়োমশিল্লগা Ribbon শুম্বনা য়াম্না চেৎনা পুনবগী মওং (The fourth corner is also folded over it and the ribbon is rightly tied over the menuscripts. (৩) fig. No. 3 দা খুৎনা Vacuum cleaner শী মতেংনা অমোৎপা লৌথোকপা (A hand-held vacuum cleaner) (৪) fig. No. 4. দা Deacidification process (শুনু ইকদা লুপ্পা) (৪) fig. No. 5. দা The document from which the old cellulose accitate foil is to be removed is immersed in a cold acetone both and worked with a brush. মসিগী মওং অসি মৈতৈনা অহানবা তৌরম্বদি organic ওইবা মওংদা ঐখোয়গী খুৎই লাইরিক অসি অহিংবা সনাবৈ (marrigold) নৎত্রগা জুবাকুসুম্না চেগী মমাইদা তক্কুনা নুংশাদা কৌনরমই। চেদুগী মমাইদা অতোপ্পা অপাকপা চে অমনা অমুক মথক্তা কুপশিল্লমই। অসুম্না মৈতৈনা য়াম্না বৈজ্ঞানিক

ওইবা ম ওংদা 'চে' অসি শারমই অমদি মতম কুইনা চৎনবা থম্বিরমই। হৌজিক্কী modern year দদি scientific ওইবা মওংদদি য়ামনা থোরক্নে অনৌবা modern গী যুগ লাক্লিংউ মমাংদা সিজিন্নরম্বা থবক থৌরম অমদি ম ওং মতৌসু ঐখোয়না নিংশিংবা চুমই।

মতেং লৌজখিবা অমদি মরি মথোং তাকপা –

১। Readers Digest Assn., London-1974.

২। F. Korovkin', History of Ancient World, Moscow-1985

৩। National Archives of India, Conservation of paper materials, New Delhi, 1981.

৪। Agarwal, O.P., Conservation of manuscript and documents, INTACH, Lucknow, 1992.

৫। এল. ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং এন. খেলচন্দ্র সিংহ, চৈথারোল কুম্বাবা ১৯৮৯.

৬। B. Kullachandra: Typology & Technology of Meitei writing materials, Imphal-1999.

৭। P. Gogoi, The Tai & The Tai Kingdoms, Guwahati. 1968.

৮। T.C. Hodson, The Meitheis, Delhi-1981.

৯। B. Kullachandra & Badaruddin, Meitei Pangal Hourakpham, 1991.

১০। Nangpok Haramlon, (Manuscript)

১১। Chengleiron, (Manuscript)






Figure No 1




Figure No. II





Figure No. III






Figure No. IV








Figure No. V

সনামহি লাইনিংনা মণিপুরগী কলচরদা পিবা ইথিল

রুহিনীকুমার

মেম্বর লাইনিংথৌ সনামহি

তেম্পল বোর্দ, ইম্ফাল

মণিপুর হায়না খংনরিবা পোইরৈ মৈত্রবাক অসিদা য়েনহৌঙেদগী চৎনরক্লিবা মীতৈ লাইনিং পথাপ্তা লাইয়িংথৌ সনামহিনা মরু ওইবা লাই ওইনা লৌনরক্লি। খৃ: ১৭০৯ দা মৈদিঙু পামহৈবা ময়াংঙম্বানা পাল্লিঙৈ শান্তিদাস গোষাইনা নোংচুপ লোমদগী মৈত্রবাক্তা চঙলক্লুনা হিন্দু ধর্ম্ম শন্দোকলকখি। মদুদগী হিন্দু ধর্ম্মগী অনৌবা লমায় হাংদোকপা হৌখি। তপ্না তপ্না হাননা চৎনরম্বা ইপা ইপুগী লাইনিং পথাপশিংগী মাহুৎতা হিন্দু ধর্ম্ম চৎনা লোনচৎশিংনা শিনজিনবা হৌখ্রে। মসিনা নিংথৌ পামহৈবগী মতমদগী চহি ২০০ রোমগী মনুংদা তম্পাক্কী মফম শিনবা থুংনা শন্দোক্লুনা হিন্দু ধর্ম্মসি মপুং মরৈ ফাবা পামেল ওইরে।

অনৌবা হিন্দুগী লাইনিং চংশিল্লকপা অসিনা লমদমসিদা কান্নবা কয়া অমা পি, অমাংবা কয়াসু উবা ফংলি।

য়ু থকপা, শা চাবা, যুমদা ওক-শা লোইবা মসি পুম্বা তোকখি। হান্নদি মসি থিংবা লৈরমদে।

অনৌবা ফজবা লমচৎ বেভার, হৌনা-লিচৎ, থৌগলরোল কাংলোন, থকশি খাসি, চাকচা ফিজেৎ মচু তাবা (অরেম্বা) পথাপ শেমগৎতুনা খুন্নাইসিবু চাউখৎপা জাতি অমা ওইনা মালেমদা শক তাক্লবা হোৎনবা হৌখি।

লোইনা লোইননা অনৌবা ফিজেৎ লৈতেংগী মখল মখা কয়া পুশিল্লক্লুনা অরু-অনানগী ওইবা ফজবা খুনায় অমা শেমগৎপা হৌরকখি। মসিনা মীরৈবাক চাশিংনা মীতৈ খুন্নায়বু ফিজেৎ-চাক শেংতা লু-নানবগীদমক হৌজিকসু ইকায় খুমনরি। মৈদিঙু পামহৈবা গরিবনিৱাজনা মীতৈ প্রজাশিংগা লোইননা হিন্দু ধর্ম্ম লৌবা খৃ: ১৭১৭ তা লাইমিং লৌবদা শালাই ৭ খক ক্ষত্রি শাগৈ লেপ্তুনা লুগুন

থাংএ। হিন্দুগী বর্ন ৪ হায়বদি ক্ষত্রি, ব্রাহ্মণ, বৈশ্য, সুদ্র হায়না খায়রিবসিগী মনুংদা ক্ষত্রি অমদি ব্রাহ্মণদি অৱাংবা থাক্তা লেপ্তুনা লুগুণ থাংই অতৈদি লুগুণ থাংবা য়াদে। খৃ: ১৭৩৭ কী হিয়াঙ্গৈ পুর্ণিমা শগোলশেল নুমিৎতা মী ৩০০০ লুগুণ থাংদুনা খ্বাইদগী মী য়াম্না নোংমতদা লুগুণ থাংবা নুমিৎ অদু ওইখি। মসিনা ভারতকী ধর্ম্মগী অশেংবা লাইফম পুম্নমক্তা মীতৈশিংগা ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিশিংগা চাকচা-ফিদা তিন্নদুনা হিন্দু সমাজদা মীতৈশিংবু ক্ষত্রি শাগৈনি হায়না ইকায় খুম্নবা উৎলি।

মৈদিঙু গরিবনিৱাজগী হাক্তক্তা মীতৈ শালাই ৭ মক্কী খায়না মৈহৌবরোল পুয়া "নোংৱং" ইদুনা খৃ: ১৭৩২ দা তশ্বীরম্মী। মসিদা নত্রনা শাগৈ শাগৈগী ওইবা য়ুমদাবা পুয়াসু খৃ: ১৭৭৮ দগী ইদুনা মীতৈ য়ুম্নাক শাগৈ খুদিংগী থমহল্লম্মী।

মৈত্রবাকসিদা হান্নদি ঈশিংদা পোৎলোইবা, নুংশিৎতা পোৎলোইবা, লৈপাক্তা পোৎলোইবা অমসুং মৈদা পোৎলোইবা মখল ৪ অসি চৎনরম্মী। অদুবু খৃ: ১৭২৪ গী ফাইরেল ২০ নি পনবা নোংমাইজিংদগীদি মীতৈ পুম্নমক্কী ওইনা মৈদা পোৎলোইবসি চৎনবা হৌখি। (চৈথারোল কুম্বাবা লমাই ৮৫)

মৈত্রবাক্তা হিন্দু ধর্ম্ম চংলকপগী অফবা কয়া লৈরবসু ফত্রবা কয়া অমগী চৈথেংসু ফংলি। খৃ: ১৭৩২ গী মেরা ১৭ নি নোংমাইজিংদা মৈত্রবাক্কী পুয়া ময়াম খোমগত্তুনা কংলা উত্রা মাংদা মৈ থাদুনা মাংহনখি। মসিনা লৈবাকসিগী মৈহৌবরোলগী ইনাৎকী শক্তম পুম্নমক্কী মরি মখোং মুৎখি।

ময়াং লৈবাক্কী বর্ণ খায়বগী পথাপসু লমদম অসিদা পুশিল্লক্তুনা অমনা থোংবা অমনা চাদা অমনা পাইবা ঈশিং অমনা থক্তা কাংলুপ অমত্তা ওইনা হিংমিন্নরম্বা মচোয় মচোয় তাখিদুনা অপুনবা শক্তি অমা ওইনা শেমগৎপা য়াদনা চমম্নদুনা ঈশিংগা থাউগা তিনশিনবা য়াদবগুম হৌজিক ফাউবা তোখাই তোখাই তাদুনা লৈরি।

নারবা মতমদা অনাবদুদা কম্বা ঙম্নবা হোৎনবা লায়েংবদা অরৈবা মরল মথুম পুম্নমক চংত্রবসু কনবা ঙমদনা শিখিবা ইমুং অমদা অনৌবা পোৎলুম হাপচিনদুনা লুহোংবদা উনবগুম ফবুং কাংথোন, উপু খাবৈ-চেগপ ফাউবা ৱাত্তুনা হাপহন্দুনা শেল কাহেন্না তিংবা অমা লাননা থৌরম (শ্রাদ্ধ) দা থেংনহল্লী; শেন-থুমগী অৱাবসিদগী কম্নবা নাম্থোক্লবা হোৎনবদা তাইবংপান থারমদাইদা

তঙাইফদনা লম্বোইবা 'অতুর সয়্যাসি' ওইহল্লগা শিহল্লি। অসিগুম্না লাইবক থিবসি হৌজিক হৌজিক লৈবাক মীয়াম্না মায়োক্নদুনা লৈরি।

খ্বাইদগী লাইবক থিবা ওইরম্লীবদি নিংথৌশিংনা শালাই ৭ কী লৈবাক মীয়াম (প্রজা) শিংদা য়েংঙমলিবা তমথিরবা মিৎয়েংদুনি। মৈদিঙু নোংদা লাইরেন পাখংবদগী তুবী চরাইরোংবাগী মমাং ফাউবদা পানখিবা নিংথৌশিংনা, শালাই ৭ কী চাদা নাউদা পুম্নমকপু 'ঈ' অমত্তগী মচানি খন্না নিংথৌমককী মচা-মশুশিংবু তোঙান তোঙানবা য়ুম্নাক মমিং পিদুনা লৈবাকসিগী প্রজা পুম্নমক্কা চপ মান্নাবা মিৎয়েং থমদুনা পুন্না নুংশিনা লুনা লোইনরম্মী। হিন্দু ওইরবা মৈদিংঙু চরাইরোংবগী মচাশিংগী মতাংদগীদি নিংথৌগী মচা-মশু পুম্নমক য়ুম্নাক তাখিদরে নিংথেমচা হায়না খংনরে। লৈবাকসিদা হক লৈবা প্রজা অশেংবা হায়বদু শালাই ৭ কী মনুংদদি নিংথেমচাশিংনা ওইরে অতৈ শালাই মচাশিংদি অরৈবা নিংথৌগী মীনাই অমদি অতোপ্পা লৈবাক্কগী ফারকপা মীনাইগুম নিংথৌশিংনা লোইনখরে; চহি ১ গী মনুংদা নুমীৎ ৯০ দগী ১০০ ফাউবদি অসুমন পিদনা মীনাইদগী হেন্না তোন্না নিংথৌনা নুমিৎ চুপ্পা শিজিন্নবী, চা থক্লবসু ময়ুম ময়ুমদগী পুরক্লগা চাগদবনি; মশাবু থবক শুরিঙৈদা পান্নবা মীনা মখোয়বু ফুননবা শনৈবী ব্রাশা শাজৈ শারগা লোইশংদা পুরকহল্লি; ব্রাশা শাজৈদুনা থবক সুরিঙৈদা মখোযবু ফুবী মসিনা মীতৈ ব্রাহৈদা "লালুপসু কাবা ব্রাশাসু চাবা!" হায়না মীপুম থিৎনা নুমীৎ চুপ্পসু শুবা অদুগা মীনসু থান্নবীদবা মতমদা প্রমানসি তৌনরি। মসি নুমীৎ ৪০ নি খুদিংগী ১০ নিদী দন্দীসি ফংহল্লি মসিবু লালুপ কাবা হায়না খংনৈ। কনগুম্বনা মশা কন্না নাবা নত্রবদি নারবসু কাদবা য়াদে কাররোই হায়রবদি মীহুৎ পিবা তায়। শেল তিংদুনা মীহুৎ পিনবা হোৎনবদা লৈতবা ইমুংদদি য়ামনা শাথিনা অব্রাবা নংনরম্মী।

শালাই ৭ কী মচা মশু প্রজাশিংদদি মরালগীদমক পিবা দন্দীদসু শা-ঙাদগী হেন্না তমথিনা শাথিনা পিবিরম্মী, মখোং কক্লুনা, মখুৎ কক্লুনা উদা য়ানবা, মক্রাং শেগাইদুনা ফাক্লুনা হাৎলগা ফৌবা, লিচৈ মপুন মপুন পৈরগা কৈথেল খুদিংদা পাং তিংদুনা শিথ শিথ ব্রাম্বাবমখৈ ফুবা মখল কয়াগী তমথিরবা দন্দীশিংসি শালাই ৭ কী মচাশিংদদি পিরম্মী। চৈথারোল কুম্বাবদগী খুদম অমত্তং নিংশিংজরি— "খৃ: ১৮৫২ গী হিয়াংগৈগেগী ২৭ নি য়ুমশকৈশদা বামোন চন্দ্রাহাসকী মচানা য়াঙম্বম নিংঙোনবু মশা শোনবীবু (মবুক কংবী) ইচা নত্তে হায়দুনা শোরিনা থিনহৎতুনা হাৎলে। মহাক্কী অব্রাদা থাজিল্লে।" মসিনা তাক্লীদি মহাকপু খুঞ্জাশিংনা অব্রাফম

তাহনখিবা য়ায় খন্দুনা খুল হোংহনখি। মদুনা দন্দী ওইহনখি। মহাকপু ফুবা-চৈবগী দন্দী ফাউবা পিখিদে। অদুগা মদুগী ওল্লকপা কুম খৃ: ১৮৫৩ গী শজিবু ২৭ নি শগোলশেলদা ..... মাইস্নামচা অহিংগী মতু মপুক কংলিখিবু পুত্রস্বম মচা অমনে কাংহজম মচা অমনে মখোয় অনিনা হাত্তুনা ফুমখাদা নমশিল্লমএ হায়দুনা খ্বাইরম্বন্দা হাংলৈএ। শাফাক ফাক্লা য়াল্লে।"

মসিনা খংহল্লিবদি শালাই মচা ২ শিবুদি হাংলগা শাফাক ফাক্লা য়ান্দুনা থম্মীসিনী। মীনায় লৈবা য়োনবসু মৈত্রবাকসিদা চংনহল্লম্মী। মমা মপা শিখিবগী সোরাং (শ্রাদ্ধ) শোন্নবা, অনা-অয়েক অকনবা য়াউরকপদগী লায়েংনবা শেল লৈরক্তবদগী অমদি ইমুং অদু অশোন অনা ঙাক্তুনা ঙাইবদগী চান-থক্লবা লৈরক্তবদগী মশাবু নত্রগা ইমুং মনুংগী মীবু য়োম্বোকপা অসি চংনরম্মী। মশা য়োনথোক্তুনা মীগীদা মীনায় ওইনা লৈত্রবা মীশক অদু মপুদুগী য়ুমদা ময়ুম মকে পাল্লবদি মতু-মচাদুসু মীনায় ওইদুনা লৈগনি অসুম্না মচা-মশু পুম্নমক অদু মীনাই ওইনা য়ুমদুদা লৈগনি। মসিবু 'ফুঙ্গানায়' হায়না খংনৈ হায়বদি নুমীৎ-থানা পাল্লিঙৈ ফুঙ্গাগী মৈনা মুৎত্রিঙৈ নায় ওইদুনা লৈবা হায়বনি। মরাইবক থিরবা নায় শিংসিগী কনবীনবা নিংথৌশিংগী থৌজান অমত্তা লৈরমদে হায়বদি মহাক্লা লৌরুরিবা শেলফমসিগী নুমিৎ অশুক্লা, চহি অসুক শুরগা নায় ওইবা কোক্কদবনি হায়বা পথাপ শেম্বীরমদে। মপু অদুনা মাগী নায়শিংদু অতোপ্পদা য়োম্বোকখিবা লুহোংবদা অউনপোৎ ওইনা উম্বোকখিবসু য়ায়; ব্রায়েন বিচারদসু নায় কোংবা চংনরম্মী। ফুঙ্গা নায়শিং অসিবু ব্রারক্লবা মতু থাদোক্তুনা চেনখিবা থোক্লাবসু হাংপা তুম্না অকনবা দন্দী পিনা ফুঙ্গানায় লোইশং ফুঙ্গা নায় শংলাকপগী ম্বখাদা নিংখত্তুনা থমলম্মী। মনিংতম্বা মণিপুর ওইরিঙৈগী ইকোন কোনবা ফুঙ্গানাই শংলাকপাদি খৃ: ১৮৯১ গী খোংজোম লালদা মেজর পৌনা ব্রজাবাসীগা শিমিন্নখিবা মহারাজ লবৈন্যাচন্দ্রগী মশু ইবুংঙো চীংলেন সনানি। মহাক মতমদুদা মতু মচা লৈরবনি লাকপা ওইদুনা লৈবাক্কী থৌপুরবনি। পাংতিংলগা লিচৈনা য়ৈবা শাথিরবা দন্দী মখল অমসু চংনরম্মী। মরাল লৈবা কৈথেল অচৌবদা পাংতিংদুনা ফৌরগা মথুন্দা ফদি অচোৎপা থারগা লিচৈনা মশিং কক্লা শিথ-ব্রাম্বাবা ফাউবা ফুবসি চংনরম্মী।

অসুম্না নিংথৌশিংনা মহাক্কী শাগে-নাতে, অঙম অথৌ অমদি অচানবা মনায় নত্রগা অতৈদি শা-ঙাশুম্না উরম্মী শাথিবা মীহাৎ-মীপুন শিজিন্নদুনা ওৎপিরম্মী; তশেংবদি মতম অদু বৈষ্ণব ধৰ্ম্মবু য়াম্না থাজনা চংলিবা মতমনী

তমথিবা মীহাৎ-মীপুন অসি থায়নদগী চৎলকপনি হায়বা তারবসু বৈষ্ণব ধর্ম্মদি থৌজান অমসুং শুকপি হৈবদা যুম্ফম ওইবা লাইনিং পথাপনি অদুবু নুংশিচাউবা থৌজান উৎপিদুনা তমথিরবা মীহাৎ-মীপুনগী পথাপ-অসি মুৎথৎপিখিদে নিংথৌ অমসুং মরৈবাকপু কন্নবা অমসুং শুক্লানবগীদমক্তা য়েক্লাবশিংগী মাংদা মথবাক লোংনা য়াদুনা মথাই কৎথোক্কদৌরিবা অমসুং হুনবা লৈতনা কৎথোক্তুনা লাক্লিবা মীতৈ য়েক ৭ কী মথক্তাদি অহোয়নদুম তমথিরবা মীহাৎ মীপুনসি চৎথদুনা লৈখি। অদুবু মতমগী মতুং ইন্না খৃ: ১৮৯১ গী এপ্রিল ২৭ তা বৃতিশনা মণিপুর লৌশিনখ্রে। মদুগী ওল্লকপা কুম খৃ: ১৮৯২ গী এপ্রিল তাং ২৯ দগী মীবু মখোং মখুৎ কক্তুনা হাংপা উদা য়াম্দুনা ফৌবা, দুর্গা পুজাগী বলি নুমিৎতা হামেং ইরোয়বু থাংনা মণ্ডক কক্তুনা বলি তৌবগুম মীগী মকোক কক্তুনা হাৎপা অমদি শুগুনু লোই থাবানচিংবা তমথিবা মীহাৎশিং অসি খুদক্তগী তোকহনখি; মদুগা লোইননা নুমিৎসিদগী ফুঙ্গা নাই "পথাপসু মুথৎখি। নমদুনা শেল পিদনা শিজিন্নবা" (Forced labour) সু তোকহনখি।

খুঙ্গাশিংবু নমদুনা শিজিন্নবা "পোথাং" হায়বদুসু লৈবাক মীয়ান্না হৌবদগী (অন্দোলোন তৌবদগী) খৃ: ১৯১৩ দগী তোকখি। পোথাংসিদি হিঙ্গোল খাজনাদা লুপা ১/১ দা পৈশা ৪ চৎপি ৩ (ময়াং আনা ৩/৩) হেঙ্গৎনা থিহল্লগা তোকহনখিবনি। মসিদি হৌজিক ফাউবা বৃতিশনা নমদুনা হেঙ্গৎনা থিহনখিবা খাজনা শরুকসি হৌজিক ফাউবা কোকপিরে হায়বা সরকারনা লাউথোকখিদ্রি হৌজিক ফাউবা থিদুনা লৈরি।

কৈথেলদা পাং তিংদুনা লিচৈনা ফুবা নুংশিহৈত্রবা তমথিবা দন্দী মখলসিদি পৃথিবীগী ২ শুবা লাঙ্গাও ফাউবা চৎথরম্মী। মসি মমৈথংদা তোকখি।

হিন্দুগী লাইনিং পথাপ চংশিল্লকপদা মীতৈগী হান্না লৈনরম্বা উমংলাইগী খুভমশিং, কোমাইশিং, লাইনিংথৌ সনামহিগী শেলগী শক্তমনচিংবা মাংহন তাকহল্লুরবসু মৈদিঙু পামহৈবগা লৈপাক মীয়ামগা য়ান্নবা পুরক্তুনা মীতৈগী উমংলাই পুন্নমক হিন্দুগী লাই ওইনা লৌশিনখি। খৃ: ১৯৩৯ দগী মীতৈ যুম খুদিংদা অমুক লাইনিংথৌ খুভম য়াদুনা লাৎপা হৌরে উমং লাই পুন্নমক্কী খুভমশিংসু অমুক হন্না লিংখত্তুনা লাই হরাউবনা চিংবা লাইগী থৌরমশিং পাংবা হৌখি। লাইনিংথৌ সনামহিগী শক্তমসু অমুক হন্না নিংখত্তুনা লাইশংদা নিংথৌ লাই ওইনা কুমসিগী ৱাকচিং ১১ নি পানবদগী লাৎপ হৌখি।

লমতা থাগী মনুংদা অহৌবা অমসুং অরোইবা থাংজদা খুন খুন খুদিংদা শরোই খাংদুনা খুন অমসুং লৈকাইদা অশি-অনা থোক্তনবা য়েলহৌঙেদগী চৎনরকপদু হৌজিকসু কায়দনা তৌরি।

চহি হৌবা শজিবু চৈরাউবগী থৌরমদা হিন্দু ওইরবসু থাইনদগী চৎনরকপা মী অমনা লৈবাক্কী অৱা-অনা পুবগী থৌরম "চৈথাবা" হায়বা চহি খুদিং কায়দনা চৎথরি।

মসিগা লোইননা মণিপুর পন্দিত লোইশংনা লৈবাক্কী য়াইফনবা মাইকৈ মরি খুরাই পুঙ, ৱাংখৈ শৌদোংপুঙ, খ্বাই ৱাংথোনবী পুঙ, ককৱা লমদাইপুঙদা চহি খুদিংগী কায়দনা ইরাৎ থৌনি তৌরি। মীতৈগী ইমুং খুদিংদা কুমগী অনৌ অপেন কত্তুনা লাইনিংথৌ সনামহিদা ইমুং মনুংগী অৱা অনা ঙাকথোকপিনবা খুরুম্নরি। চাক-এনশাং থোং থাকপা লোইরগা লম কোনবা, হিঙ্গোন কোনবা লাই লামাবা, তুমাবা, লমশেনবা তুশেনবা, হনু কোকচাউ, হনু লৈখমনচিংবা খোয়ুম লাইশিংগী থাদোক্তুনা তিনমু-ফত্তবা লাইমু ফত্তবা, শরোই ঙারোই পুম্নমক হাউরে খা পাংনা হোইথবিখিনবা কৎথোক্লবা চৎনরি। চৈরা ওবা নুমীৎকী অয়ুক্তা লাই নোংশাবা, পাখংবা অমসুং য়ুমজাউ লাইরেম্বী, কোনুংগী লাই ৩ অসিসু হৈকৎ-লৈকৎ তম ফিরোই ফিঙাম হোংএ ।

নুমিৎ অসিদা মণিপুর পন্দিত লোইশংনা লাংগোল চীঙদা লৈরিবা থোঙাবা লাইরেম্বীদা চরৈ ফিরোন কত্তুনা থৌনি। থৌনিবা লোইরগা মৈ হৌরগা মদুদা করম্বা তিন-কাং চঙকপা পাইশিল্লকপা য়েংলগা লৈপাক্কী অফ-ফত্তগী মহৈ য়েংই। লাংগোল নিংথৌ লুৱাং গুরু পুন্সিবগী লাইশং অমসুং তরুং লাইরেম্বীগী লাইশংদসু থৌনি পাংথোকই। মসিগা লোইনা লোইননা লাইরেমা হুইদোন পোকপিগীদসু তল কত্তুনা ইরাৎ-থৌনি তৌই মসিদা ইরেংবম খুন্দা লৈ। পুম্নমকসি পন্দিত লোইশংদা লৈপাক্কী ফনবা তৌরিবনি। চৈরাউবা নুমিৎসিদা পন্দিত লোইশংগীসু মঙাং, লুৱাং অমসুং খুমন গুরু অহুমদসু লুক কৎলি অদুগা সনাথোং ৱাংমদা চাকলুক থাদোক্তুনা লৈপাক্কী থৌনি অদুগা পেনা লোইশংনা চীঙু পোইরৈ তোনদা, মাইবী লোইশংনা লাইরেমা লৈমা লৈনাউতাবীদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা থৌনি।

হায়রিবা থৌরমশিংসি চহি খুদিংগী কায়দনা হৌজিক ফাউবা হিন্দু ওইরবসু লেপ্পুনা চৎথরি।

মৈত্রবাক্কী থাবন চোংবনাচিংবা য়াউশংগী থৌরমগা হিন্দুগী দোল যাত্রা/ হোলিগা পুন্সিনুদনা লমদমসিগী খাইদগী চাউবা নাটকী (কলচর) থৌরম ওইনা নুমিৎ ৫ নি চুপ্পা য়াউশং পাংথোক্কি। শজিবু চৈরাউবগী ৫ নি ফাউবগী মনুংদা লাইনিংথৌ সনামহিদা তল কৎপগী থৌরমসু পাংথোক্লরি। মসি সনামহিগী খুভম য়াবা ইমুং খুদিংগীনি।

শজিবু পানখৎলকপা ৭ নি পানবা "কোংবা লৈথোং ফাৎপা শজিবু লৈখুন ফুনবা" থৌরম নিংথেম পোকপা চীঙ্‌ নোংদা লাইরেন পাখংবা অমসুং অঙোম পোকপা অনিগী মতমদগী লৈপাক্কী অফ ফত্তবা খুদম চাংদম য়েংবা থৌরম কায়দনা পন্দিত লোইশংনা চৎথরি। মসি ঈরিল তুরেলগী নোংচুপ থংবা কোংবা খুম্নেলগী নোংপোক থংবা লৈপুং অচৌবা অমদা নক্লনা নিংথেম পোকপগীনা নোংচুপ থংনা অঙোম পোকপা চীংখ্রাংলোক্কী পুরৈরোম্বাগীনা নোংপোক থংনা লৈখুন অনি লৈ। মদু তৌথোক্লগা মদুদা লৈরম্বাশিংদু ফি অহনবদা য়োম্লগা পুরক্লগা য়ুমজাউ লাইরেম্বীগীদা খরুং অনিদা হাপ্পুনা নুমিৎ ৫ নি থমগনি। অদুগা য়ুমজাউ লাইরেম্বীদা হৈকৎ-লৈকৎ তন্নগা মদুদা য়াউরম্বা তীলশিংদু পুরগা হৈবোক লাইফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তন্নবা তুংদা তিনদু নম্বুল তুরেল তুখুন্দা থাদখিনী। হায়রিবশিংসি হৌজিক ফাউবা কায়দনা চৎথরি। কালেন থা থানিল পূর্ণিমা পুমিৎতা "পাখংবা চেং হোংবা" থৌরম পাংথোক্কুনা নুঙাই য়াইফবা লিনরি অদুগা ইঙা থানিল পূর্ণিমাদা লাইনিংথৌ "সনামহি চেংহোংবা" অহোংলোন শক্কুনা থৌরম পাংথোক্কুনা পুন্সি নিনরি।

লাংবন তর্পোন থাখাইদুগী মনুংদা য়েনহৌঙেদগী চৎনরকপা ফুঙ্গা পোকপা অপোকপা খুরুম্বা থৌনি পাংথোক্লদুনা নুঙায় য়াইফবা নিনরি। মসি লাংবন ১৬ নি পানবদগী লাংবন থাসি ফাউবগী মনুংদনি। অশি-অনাগী থৌরমদসু পোৎলোইবা নুমিৎতা নত্রগা লান্না থৌরম (শ্রাদ্ধ) নুমিৎতা মীতেগী হান্নাগী চৎনবীদা অশি থোং থিংবগী থৌরম পাংথোক্লবসু য়াউরি।

অনা-অয়েক তৌবদা লাইকোক তিনকোক্লবা থৌ তৌবা, চবান থাদোকপা, অমসুং খয়োম লাকপা অসিসু চৎনরি। মতম কুইনা নারুবদগী ফরকপা মতমদা "লাইখৌবা" থৌরম তঙাইফদনা তেশন হঞ্জন্দনবা পাংথোক্লরি।

অরুবা অনাবনা শিবা, মীশি চাদনা শিবা, ঈশিং, মৈ থাং-তেন খুংগু-খুংলাইনা শিবা, মীনা শানা হাত্তুনা শিবা অসিগুম্বাশিংসি শাগেন্দা অমদি ইমুংদুদা তেশন হঙন্দনবা "চুপ শাবা" হায়বা থৌরমশি তৌনরি।

পোইরে মৈত্রবাক্কীদি হিংননবগী মরু ওইবা মচাক্তী ফৌনা মরু ওইরি। মসিনা মরাং কায়না ফৌ থোক্লবা অমসুং কোৎতা ফৌ লিশিনবদা ময়েং তাদনবা ফৌওইবী লাইরেম্বীবু ঈরাৎ থৌনি তৌবা হৌজিকসু চৎনরি মসিবু ফৌকৌ রোল অমসুং কোৎ লাই খুরুম্বা হায়না খংনরি। লৌতাবা হৌবা মতমদসু মালেম লৈশেম্বা কোরৌ নোংহৌরকপগা নাইরেমা মালেম লৈহৌবী কোরৌ নোংথিবীগা খোয়ুম মতে মনাওগী লৌতারোল ঈশৈনা থৌনিরগা লাংগোন থাবা লৌকোন লাইরেম্বা লৌতারোল শক্তুনা থৌনিরগা ফৌ হুনবানচিংবা থৌরমশিংসু পাংথোকপা চৎনরি।

অপোকপা হায়বসি চাউরাক্লা মখল ৩ নি। শালাই পোকপা, শাগৈ (য়ুম্লাক) পোকপা অমসুং ফুঙ্গা পোকপা অসুম্না খায়রি। চীঙু নোংদা লাইরেন পাখংবনা মঙাং শালাই (নিংথৌজা) গী অপোকপনি, চীঙু চীংখোং পোইরেত্তোননা খুমন অমসুং লুবাং শালাইগী অপোকপনি অসুম্না শালাই ৭ মক্কী অপোকপা লৈরি। মসিনি শালাইদুগী য়ুম্লাক ৫০/১০০ সুরবসু পুন্না খুরুম্বা য়ায়। শাগৈ (য়ুম্লাক) পোকপাদি য়ুম্লাক য়ুম্লাক্কী "পিবা" না খুভম য়াদুনা থম্নরি অসিদি শাগৈদুগী অপুনবনা পিবানা লেপলকপা অফবা নুমিৎতা ইরাৎ থৌনি তৌনরি, চাকলেন কত্তুনা খুরুমনরি।

য়ুম-হিঙ্গোলদা খোই শাবা, ইমুংদা লমলক্কী শা-উচেক চংবা, হিঙ্গোলদা হৌবা লফুনচিংবদা অপোকপগী খুদম পাল্লকপা/পিরকপা থোক্লবদি থায়নগী মীতৈগী চৎনবীদা ঈরাৎ থৌনি তৌবসু চৎনরি।

লৈবাক্কী পন্দিত লোইশংদা য়েলহৌঙেদগী মেরা ১০ নি পানবদা পাংথোক্লিবা "কাক তানবাগী থৌরমগা দুর্গা পুজাগী বিজয়া দশমী" গী রাবন কাপ্পাগী থৌরম অমত্তদা পুন্না পাংথোকপা হৌজিকসু কায়দনা চৎথরি। ইপা ইপুশিংনা য়েলহৌঙেদগী চৎনরকপা চাবোকপা মতমদা খোইরী নাওফম চফুদা হাপ্তুনা য়ুমগী মখা থংবা য়েনখাদা ফুম্বা হৌজিকসু চৎনরি। ৬ নি ইপান থাবসু হান্না চৎনরকপা পথাপ কায়দনা অয়ুক্তা পাংথোক্লরি, নুংদাংদনা হিন্দুগী চৎনবী পাংথোক্লি।

লুহোং খোংদোংবগী মতাংদসু হায়না শিংনবা, ৱাবোই পোৎ পুবা অমসুং হৈজিংপোৎ থৌবমশিং য়েলহৌঙে চৎনবকপা পথাপতা পাংথোক্লি।

লুহোংবা পুম্নিৎসু নুপা ময়ুম্না যাত্রাগী চেংবোন চেংলুকক্কা অপোক অশাগী ফিকক ২ গা পুবকপা নুপি ময়ুমনসু অপোক আশাগী ফিকক ২ পুন্না ময়ুমদা পুবকপা মদুশিংদু লুহোংবা মতুংদা কাযথোক্লগা অপোকপা লাই অমসুং লমলাইদা কৎলগা অপোকপদা কৎপনা শাগৈদা য়েনবা লমলাইগীনা লৈকায়দা য়েনবা চৎনবি। লুবাক চেংবোন্দী ৫ নিদা কায়বী। মসিবু ফিকক নুংশাং কাযবা হাযনা খংনবি।

লুহোংলিঙৈদা ঈশিংদা নুপি নুপা অনিনা পুন্সি নুংশাং পান্নবা ঙম্নু অমমম থাবাসু চৎনবি। লুহোংবা অমসুং সোবাৎকী ঈশৈ পালাগী কোযেৎ অচৌবনা চিংবা ফিজেৎ লৈতেং মালেনমসিগী হিন্দু সমাজগী মবক্তা তোপ তোপ্পা অমা ওইবতা নত্তনা পালা চোলোমগী খোংলোন খোংথাং খুৎথেক খুৎহায পুন্নমক মীতৈ য়েলহৌঙৈগী চৎনবকপা অকল অথৌগী ওইবা থাংলোন অমসুং খৌসাবোলনদগী শেম্বা পথাপলোন খক্তনি।

কাংগী মতমদা জযদেব চোংবগী পালাগী খোংলোন খোংথাং খুৎথেক শাথেক অয়াম্বসু লাই হবাউবগী লাইবৌ চোংবগী অমসুং ঔগ্রী চোংবগী খোংলোন খুৎ শা অদুগী তোপ তোপ্পা মীতৈ ঐখোযগী ওইনা শেম্বা ঙাক্লি।

ধর্ম্মগী ওইবা থৌবমশিংদা নুপী নহাশিংনা শেৎলী ইল্লিবা ফিজেৎ লৈতেংশিংসু ইপা ইপুশিংনা যেলহৌঙৈদগী শেৎলক ইল্লকপমক্তনি থৌবম থৌরমগী ওইনা খাইদোক্নুনা শেৎ-ইনবাতনি মীবমগী হিন্দুশিংগী ফিজেৎ লৈতেংদগী তমলকপা নত্তে।

অসুম্না মৈত্রবাক্তা থাযনা য়েলহৌঙৈদগী চৎলকপা সনামহি লাইনিংথৌগী চৎলকপগী নাৎ (কলচব) গী ফজবা পথাপকী ইথিলসিংনা হিন্দু ধর্ম্মগী পথাপশিংদা লেংশিন্দুনা নাৎকী তোপ তোপ্পা নিংথিজববা শক্তম অমা ওইনা শেমগৎ শাগৎতুনা লুনা নান্না তক তক থম্বা মবম্না পাক চাউববা হিন্দু ধর্ম্মগী ঈপাক অসিদা মখুম চেংনা খুম্বা অশেংবা শঙ্গোম চক্ নু অমা চাংজৌ ঙমখৈ লৈত্রবা সমুদ্র ঈপাক্তা তাউদুনা লৈবগুম মীতৈশিংনা তোপ তোপ্পা মশক নাইবা কাংলুপ ওইনা মালেমসিদা হৌজিক ফাউবা লৈবিবনি।

●●●

INDEX

Index : Prepared by R.K. Budhi Singh, M.U.

ERRATA

Page	Para	Line	For	Read as
1	2	8	Analyses	analysed
1	2	9	students,	students
2	Table	4	155	1552
9	2	8	table, the	table. The
13	1	8	reason	reasons
19	2	2	remolded	remoulded
20	3	6	resulted to	resulted in
21	2	2	arose	areas
21	2	9	distributing	distribution
21	2	15	qualification	qualifications
21	3	5	higher academic	higher education in the state one had to go outside for higher academic
21	3	9	education	educated
22	1	4	academicians and	academicians had
22	2	1	right	rights
22	2	5	boorish Meteis	foolish Meiteis
22	3	6	state the	state has
22	3	9	which	who
22	3	14	the productive	and productive
22	3	15	Manipur has	Manipur and has
23	2	4	an	and
23	2	6	advertisement	advertisements
23	3	2	life the	life of the
24	2	8	lessions	lessons
24	2	8	drasting	drastic
24	3	7	retails	rituals
24	3	9	annihilated	annihilate
25	1	7	identify	identity
25	2	7	They	The
25	2	8	Post-Independence	post-Independence era
25	2	19	import ant	imported

Page	Para	Line	For	Read as
25	3	2	education	educated
26	1	1	playing	play
26	1	3	imitaiton	imitated
26	1	8	Chaba a	Chaba (a
26	1	9	Tous	Lotus
26	1	14	in the story of lovo	of the story of love
26	2	11	There the	there has
27	1	3	cultured	cultures
27	2	2	be all	be-all
27	2	3	Paragraphs are	paragraphs-are
27	2	4	bye-products for	bye-products of
28	–	5	Meerabai	Meenabai
29	2	3	the	be
31	4	1	In human	Inhuman
33	3	9	– the	- The
34	1	1	Re-inforcing	Re-enforcing
37	1	11	tis	its
37	1	12	nurturing all	nurturing and
39	(b)	1	are	is
39	(b)	4	were symbols	are symbols
39	2	8	or decorate	to decorate
40	3	6	transitional	traditional
40	3	16	Cultural	culture
41	5	2	in dependance	independance
42	3	4	participating	participation
43	1	1	is traditional	is a traditional
43	4	2	ever	over
43	4	4	caused alcohol	caused by alcohol
44	(x)	6	iter-women	inter-woven
48	2	6	takes	taken
48	3	2	1877	1876
48	3	6	Statement	Statesman
49	2	7	1957	1857
49	3	3	Post	past
50	2	4	capable or	capable of
50	2	5	Precessing	processing

Page	Para	Line	For	Read as
50	2	9	serving	service
50	3	3	substitution	substituting
52	1	6	marellous	marvellous
52	2	4	scrutiny	security
52	2	10	Wedsite	Website
53	Ref	3	Her	Herald
53	Ref	4	312	213
54	Ref	4	Swing	Singh
54	Appen	2	Wedsite	Website.
54	Appen	4	India	Indian
54	Appen	10	Pakrika	Patrika
		add point		
54	Appen	11	—	Hueiyen Lanpao www.hueiyenlanpao.cjb.com.
59	2	22	Jaydey	Jaydev
105	3	5	Umanglaies	Umanglais
108	1	8	Prevailing	prevailing
109	1	1	alone	above
110	1	2	also	able
110	2	1	down	dawn
111	3	5	Mapannaibi	Mapannaibi of
111	3	14	Knew	Knee
112	2	15	Thamaingoubi	Thambalngoubi
113	1	3	an Sabitri	and Sabitri
113	3	10	Ngaibi	Nganbi
115	1	1	london	Tondon
115	2	1	Thambalgoubi	Thambalngoubi
115	2	1	Tondon	Tondon,
115	3	4	guiding	guidance
115	4	6	especially	specially
116	1	4	Wearing	Weaving
120	4	10	green black	green, black
122	1	1	White	While
124	Ref	7	wll	wall

Page	Para	Line	For	Read as
138	অইবা	–	নিংথৌজম	নিংথৌজা
142	2	9	খেনরুবা	খেংনরুবা
145	1	9	হিন্দু	হিম্পুন
152	2	7	লানিঙ	লাইনিঙ
176	1	9-10	incription	inscription
177	2	6	Devnagari	Devanagari
177	3	8	Extrardinary	Extraordinary
185	2	7	Composive	Composite
186	1	3	খুঙলঙ	খুলঙ
186	1	5	অকানবগী	অকোনবগী
188	5	7	ব্রাঙ্গোইদা	ময়াং ইম্ফালদা
192	1	4	নোক্রিংবা	নোক্লিংবা
192	2	1	চন্দ্রকীত্তিনা	চন্দ্রকীর্ত্তিনা
192	2	2	দুর্গ পূজা	দুর্গা পূজা
192	3	2	পাটুগী	পাটুগী
193	2	2	পলা	পালা
193	4	8	নোকপ্তনা	নোকপতনা
193	4	14	নোংকহল্লি	নোকহল্লি
194	2	15	মীনই	মীনাই
196	1	9	চংলাশি	চংলশি
198	2	8	চিলচর	সিলচর
199	1	6	পয়া	পায়া
199	2	8	কলাকায়িন	কলাকায়নি
201	2	9	হয়না	হায়না
201	3	7	তাকপপিয়ু	তাকপিয়ু
201	3	7	আতমাগাট	আম্মাঘাট
201	3	8	মমনা	মমানা
202	2	4	লেকগখিগে	লেকচখিগে
203	2	8	পীয়কই	পীয়কউ
203	4	3	বাব	বাবা
206	2	5	ফনবা	ফানবা
207	1	3	হায়মই	হায়মকই
207	1	4	শেংল্লিবা	শেংলিবা
210	1	2	মখা	মখাদা

Page	Para	Line	For	Read as
210	1	2	মরূগী	মরূদগী
210	1	3	চাউখংনবা	চাউখংহনবা
210	2	2	লৌথোক্রবদি	লৌাথোক্রবদি
217	1	3	য়ুমরৈ করৈ	য়ুমরৈ কৈরৈ
217	1	29	ফমই	ফঙই
218	1	7	নুংশাবা	নুংশাঙবা
219	2	9	মীঙখগা	মীঙখগা
221	2	8	শৌথাদুনা	শৈথাদুনা
221	3	1	সমশোম	সমশোক
225	2	5	মমিচন	মচিন
229	1	4	থম্মীরমই	থঙীরমই
229	1	5	চৈথারো	চৈথারোল
229	2	4	নোজালরোল	নোঙারোল
230	1	10	থৌদাং।	থৌদাং
231	1	19	ওবা	ওইবা
234	1	7	অসুক	অমুক
240	1	10	সিলোটতগী	সিলেটতগী
241	2	3	Marchants	merchants
244	2	4	অইব-অশাগী	অইং-অশাগী
244	2	6	নপুন্সি	মপুন্সি
245	2	12	হম্র	হম্রা
246	1	21	মপাশিংদুনা	মপাকশিংদুনা
248	3	11	menuscripts	manuscripts
256	2	2	নত্রনা	নত্তনা
256	6	3	ফবুং	ফমুং

PRESERVATION AND CONSERVATION OF CULTURAL HERITAGE OF MANIPUR

A KEY NOTE ADDRESS

ডা. সরোজিনী দেবী
Jt. Director, Art & Culture

কুনগুবা চহি চাগী লোইরমদাই অসি পৃথ্বীগী ইতিহাসতা যাম্না মরু ওইবা তাংকক অমনি। ঙসিগী পৃথ্বীগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা খুন্দারিবা মীওইবা জাতি অমতনি, মীগা-মীগগী খেন্নবা লৈতে হাইবগী ৱাখল্লোন লৈরবসু অদুগুম্বা জাতি নত্রগা কাংলুপ খুদিংমক মরু ওইনা মীশিং য়ামজদবা অপিকপা খুন্নাইশিংনা মশা-মশাগী চংনলোনচং অমসুং ইতিহাসপু য়াম্না মরিক চুম্বা মশাগী ওইবা শক্তম অদু ঙাক শেন্দুনা থমজিনবগী ইহৌদি অহোইনদুম হেনগৎলক্লি। তশেংনা হাইরবদা জাতি নত্রগা মীওই কাংলুপ অমবু মশক খঙগে হায়রবদি জাতি নত্রগা মীওই কাংলুপ অদুগী মনাৎ অমদি নাৎকি ওইবা শক্তম অমসুং পোৎলমশিং অমদি ইতিহাস অদু য়েংলগা ইরাই লাইনা খঙবা ঙম্মী। মসিননি জাতি খুদিংমক্না মশা মশাগী অশেংবা ইতিহাস অমসুং মনাৎপু ঙাক্কুনা থম্লবা হোৎনরিবসি।

মীওইবা জাতিনা মশাগী নাৎকি ওইবা চংনলোন কয়া ঙাক শেন্দুনা থমগদবশিংদি- (ক) ইতিহাসকি মাংফদ্রবা পোৎশকশিং হাইবদি আরকিওলোজিগী ফাইন্দিংশিং (খ) ইতিহাসকি ওইনা তুংগী মিরোন্না খংনরবা অইবা পেৎশকশিং হাইবদি আরকাইভেল মেটরিয়েল য়োক্কুনা অমসুং ঙাক্কুনা থম্লবা হোৎনবা (গ) মথংদা লৈবাক অমগী শকয়েং মিংশেন ওইদুনা ঙাক্কুনা থম্লিবা মীওইবা জাতিনা মথং-মথং চাউখৎলকপগী পোৎশকশিং লিরিবা ঙসিগী মিরোননা খংনরিবা 'Museum' গী পোৎশকশিং (ঘ) মীওইবা সমাজনা চাউখৎলকপগা ইরোইননা মহৈ-মশিং তন্নকপা অমদি সমাজগী সমস্যা কয়াগী অফোংবা হিরম কয়াগী লাইরিকশিংবু লিদুনা তুংগী মিরোলগীদমক থম্লিবা লাইরিক্কি 'শং' লাইব্রেরীশিংবু চেকশিন্না লিদুনা, ঙাক-শেন্দুনা থম্বা, (ঙ) মীওইবা সমাজ অসিনা পোক্লকপদগী মীওইবা জাতিনা খুন্দা লৈতারকপদ্রগী হৌনা মাগী মাগী চংনরোল কয়া জগোই ঈশৈ ওইনা পুথোক্লরকই। ভারতকী ওইনা য়েংলবসু

অমসুং মণিপুরগী ওইনা য়েংলক্লবসু লমদম অসি লৈশেন্নকপদগী লমদম অসিদা লম-লমদা খুন্দারিবা জাতি মচা-মচা কয়াগী তোপ-তোপ্পা জগোই মখল কয়া লৈজৈ মদুদি খুনজাউনবগী, মরু-মরাং পান্নবগী, শা-ফাবগী, লান-ঙম্বগী অমসুং ঈশ্বরদা কৎথোকপগী জগোই ঈশৈ কয়া অসিনচিংবা লমদম অসিগী মিরোলশিং অসি ভারতকী কাচিন্দা লৈজরবসু মশাগী নাৎ-কলচরবু য়োকখৎননবা হোৎনবদা মাংজিন থারি। লমদম অসিগী মমাংগী মিরোলনা অমদি ওসিগী মিরোলনা তুংগী মিরোলগীদমক মশাগী নাৎ কলচর, সমাজগী চৎনরোল লিক্লম লিশিনবসি তৌফদ্রবা থৌদাংনি খন্দুনা ওসিগী চাউখৎলবা পৃথ্বীগী মীওই জাতি কয়াগী নাৎ কলচর য়োকখৎপগী লমজেন্দা মণিপুরীশিংসু মাংজিন থাদুনা চৎলি। হাইবদি ঐখোয়গী মণিপুরসু ২০শুবা শতাব্দীনা লোইরমদাই অসিদদি ঐখোয়গী কলচরগী ওফিসশিং মথং-মথং লিংখৎলক্তুনা লমদম অসিগী ইতিহাস অমসুং কলচরবু অচুম্বা শক্লোন্দা য়োকখৎননবা হোৎনরক্লি। মসিগী চাউখৎ লমজেন্দা ২১ শুবা শতাব্দী অসিদদি মণিপুরীশিংসু অতৈ লৈবাকশিংদগী কা হেন্না শোম্বরোই।

অহানবদা ঐহাক্লা লৌখৎচরি মদুদি আরকিওলোজিকেল ফাইন্দিংশিং—পৃথ্বীগী মফম খুদিংগী ওইনা মীওইবনা চাউখৎপগী মঙাল ফংলকপদগী মখল মথেলগী পোৎলম শিজিন্নদুনা য়েংবগী পেনবা নাইদ্রবা অঙকপগী মশক ওইরবা ফজ-ফজরবা মাগী-মাগী মনাৎকি ওইবা ইতিহাসকি মোনুমেন্ট কয়া শেমদুনা শাগৎতুনা থম্লে। খুদম ওইনা পঞ্জরবদা গ্রীক্কী পর্থেনোন (Parthenon), রোমগী কোলোসিয়ম (Colosseum), ভারতকী তাজমহল, (Taj-Mahal) কুটব মিনাব (Qutab-Minar), ইজিপ্তকী পিরামিদ (Pyramid) অসিনচিংবা অসি ওসিদি পৃথ্বীগী ইতিহাসিক মোনুমেন্টশিং ওইরে। অসিগুম্বা জাতি অমসুং মীওই কাংলুপশিংগী মনাৎকি ওইবা শক্তম অমসুং পোৎলমশিং, পৃথ্বীগী ইতিহাসিক মোনুমেন্টশিংবু লিদুনা থম্বগী পান্দমগী মখাদা চহি খুদিংগী November ১৯ দগী ২৫ ফাউবা পৃথ্বিশিনবা থুংনা World Heritage চয়োল পালন পাংথোক্লে। Heritage চয়োল অসি ইংশোক ১৯৭২ দা Stockholm দা ফমখিবা U.N.E.S.C.O. গী মীফম অদুদা World Heritage Committee গী লমজিং মখাদা পাংথোকখিবনি। অসিগুম্বা heritage চয়োল অসি কলচর মিনিষ্টরগী মখাদা লৈবা ভারতকী Archaeological Survey of India না চহি খুদিংগী ভারতকি মফম কয়াদা পাংথোক্লি। ভারতকি ইতিহাসিক (Monument world

heritage নি হায়রবা মফম (১৬) শুরে। মখোয়শিংদি— Ajanta caves, Ellara caves, Humayuns Tomb, Sun Temple (Konark), Mahabalipuram, Khujaraho, Hampi, Pattodkal", Goa গী Church শিং অমসুং Convent শিং, Elephanta Cave অমসুং Brihadishwar Temple Thanjavur অসিনচিংবা অসিনি। World Heritage Monument শিং পৃথ্বীগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা monument শিং লম লমগী চুনবা Scientific Method শিং শিজিন্নদুনা অমাং-অতা থোক্তনবা হোৎনদুনা য়োক্লরি। অসুম্না ভারতকীসু Archaeological Survey of India গী Central Act কী মখাদা ঙাক শেন্দুনা থম্লিবা National Monument ৩৫৯৩ শুরে। অসিগুম্বা Monument শিংগী মরক্তা ঐখোয়গী মণিপুরগী বিষ্ণু মন্দির অসিসু অমনি। ভারতকী Monument শিং অসিবু য়েংশিন্নবা ভারতকী Archaeology গী ওফিস circle ১৮ লৈরে। মণিপুরগী ওইনা মণিপুরগী Monument Act, 1976 গী মখাদা মণিপুরগী ইতিহাসিক Monument ৩৪ থক ঙাক শেন্দুনা থম্লে। অসিগুম্বা Monument Archaeological site শিংগী মরকত্তা সেক্তা কৈদগী ফংবশিং শিংথানবা য়াই। মথংদা খাঙবোকতগী, সলাংথেলদগী ফংবশিং লমদম অসিগী মীওইশিংনা শিংথানবা য়াই।

(২) Archival documents : অনিশুবদা ঐখোয়না অরিবা ইতিহাসিক documents হাইবদি Archival materials করম্না লিদুনা থমগদগে অমদি থম্লিবগে হাইবদু য়েংলশি। ভারতকী ইতিহাসকি য়াওলদা অইবা অরীবা খুৎইগী লাইরিকশিং শিজিন্নবগী ৱারী লিখুন ভারতকী হিন্দু সভ্যতাদগী ফংই। অদুদগী মুসলিমগী ইতিহাসকি আরবিক্কী অইবশিং অদুদগী বৃটিশ জাতিনা ভারত্তা লল্লোনবা ওইনা ১৭শুবা শতাব্দীদা লাকখি। মমৈদা মখোইনা লৈঙাকপা ওইরকপগী ৱারিশিং মথং মথং লৈরি। ভারতকী নিংথৌ পানবা লৈবাক মচা-মচাশিংনা মখোই মশেল নুংশিনদবগী লাল মচা মচা কয়াগী খুদোংচাবা বৃটিশনা লৌখি। মমৈদা বৃটিশ জাতিনা ভারতকী মপু ওইরকখি। পৃথ্বীগী মীওইশিংগী মরক্তা বৃটিশ জাতি অসি খ্বাইদগী হৈশিংবা লৈঙাকপা কাংবুনি মখোইনা ভারতবর্ষগী মচি মচিদা চাইদুনা লৈরিবা ইতিহাস অমসুং কলচরবু য়োকখৎতুনা থম্বিরমখি। মসিগী লারবা খুদমদি বৃটিশশিংনা ভারত জাতিগী অইবা রেকোর্ড ওফিস 'National Archives of India' অসি

খৃ: ১৮৯১ দা কলকটাদা ইম্পরীয়েল রেকোর্ড ওফিস হাইনা কৌখি মতুংদা খৃ: ১৯১১ দা ভারত জাতিগী রেকোর্ড ওফিস ওহোকখি। ওফিস অসিদা মোগল পেরেদকী রেকোর্ডতগী ভারতকী মোদর্ন ইতিহাসকী ষ্টেট কয়াগী রেকোর্ডশিং পুম্নমক তুংগী মীরোলগীদমক থম্লি। অসুম্না মণিপুরগী ষ্টেট আরকাইভস অসিসু খৃ: ১৯৮২ দা মণিপুর সরকারগী আরট অমসুং কলচর ডিপারমেন্টকী মথাদা ইউনিট অমা ওইনা লিংখৎখি। ওফিস অসিদা মণিপুরগী লম্নাই মিওই কয়ানা নিংথৌরোল কয়াদা ইরমখিবা খুৎইগী লাইরিকশিং মীয়ামগীদমক নৌনা শেমজিন শাজিন্দুনা থম্লি। সরকারগী লোইশং কয়াগী চহি ২৫ হেল্লবা ফাইনশিং, দোকুমেন্টশিং তুংগী মীরোলগীদমক Preserve তৌরি। লোইননা বৃটিশকা মণিপুরগা লৈনখিবা মরীগী চিঠিশিং মণিপুর ষ্টেটকী দারবারগী রিজোলুসনশিং, বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্টশিংগী রিপোর্টশিং অমদি মণিপুরগী অহানবা অমসুং অনিশুবা নুপী লানগা মরি লৈনবা চেশিং, মণিপুরগী পোলিটিকেল পার্টিশিংনা হৌরকপগী অমদি মণিপুরগী অহানবা পোলিটিকেল গুরু শ্রীহিজম ইরাবটগী মরী লৈনবা চেশিং অমদি মণিপুনা মপুং ফাবা ষ্টেট ওইবক্লবগী চেশিং পুম্নমক মণিপুর ষ্টেট আরকাইভসতা তুংগী মিরোলগী জাতিগী লন ওইনা যোক্লুনা থম্লি।

অহুমশুবদা ঐহাক্না ইনাৎপু য়োকখৎপগী মরু ওইবা পোৎলমশিংগী ওফিস ঐখোয়না Museum হাইনা খংনরিবা মফম অমদি ইনাৎকী পোৎশকশিং করম্না য়োকখৎকনি অমদি লিগনি হাইবা অসি পুখচ্চরী। অচুম্বমক Museum হাইবা অসি গ্রীকী ৱাহৈ 'Mousion' হাইবদুদগী লাকপনি। ৱাহৈ অসিগী অর্থনা 'মহৈগী তুংনফম হাইবনি'। লম লমগী Museum না মাগী মাগী জাতি অদুগী নাৎ অমসুং চৎনরোলগী মচাকশিংবু খোমজিন্দুনা লীশিন্দুনা থম্লগা ঙসিগী মীরোলনা অমদি তুংগী মীরোলগীদমক থম্লি। Museum দা মীওইবা জাতিনা হিংবদা চংবা অঙনবা মতম্মদগীনা ঙসিগী Scientific World অসিগী পোৎচংশিং অমদি পৃথ্বীগী লম লমগী মখল কয়াগী শা-ঙা শিং অমদি পাম্বী মখল কয়াগী হৌবকফম অমদি পৃথ্বীগী লৈমায়গী অওনবশিং পুম্নমক Museum না উৎতুনা মীওইবা সমাজদা তাক্লি। অহানবদা Museum সি Alexendria দা Hellennistic period তা Ptolemy শিংনা ইহান হান্না লিংখৎখি। অদুগুম্বা Museum দু ঙসিগী Museum গুম্বা নৎতে, মফম অদু University নত্রগা থিজিন খোৎচিনবগী লোইসং ওইরম্মী। মতুংদা নিংথৌশিংনা নত্রগা ফম্নাইবশিংনা মখোয়গী শিজিন্নবগী মপোৎ-মচৈশিংদু

লীশিন্দুনা থম্লম্মী অদুগা হয়াউ কুম্মেদা অচৌ অশাংশিংদা য়েংহন্নম্মী। মমেদা ১৮-১৯ শুবা শতাব্দীদা Public কিদমক নোংচুপকি মীওইশিংনা Museum লিংখৎলম্মী। অদুবু হৌজিক্তি Museum হায়বসি মীওইবা সমাজবু তাকপি তম্বিনবা অমদি অনৌবা লৌশিং পোকহন্নবা মফম ওইরে। ওসিগী মীয়ামগীদমক Museum না তুংগী মীরোলগীদমক জাতিগী পোৎচৈশিং য়োকখৎনবগী অনৌবা থৌরাংশিংদি— (১) মাস ইদুকেসন সেন্টর অমা ওইহনবা (২) মিয়ুজিয়মবু ঔদিয়ো-ভিজুয়েল ইদুকেসনেল এদ সেন্টর অমা ওইনা শিজিন্নদুনা মীয়ামবু জ্ঞান তাহনবা (৩) মাঙখ্রগদবা থাইনগী পোৎচৈ অমাং অতা য়াউদনা খোমজিনদুনা থম্বগী থৌদাং লৌবা (৪) মিয়ুজিয়মবু লমকোইবা লাকপশিংদা মফম খংনা য়েংহনবা (৫) জাতি অমগী মাঙখ্রগদবা ৱারীবু শাগৎতুনা তুংগী লাকদবা অঙাংশিংদা খঙহনবা অসিনচিংবা অসিনা মিয়ুজিয়ম অসি জ্ঞানগী পুক্কৈনি হাইরিবনি। হায়রিবা অনৌবা মোদর্ন মিয়ুজিয়মগী মেথদ পুন্নমক ষ্টেট মিয়ুজিয়মদসু অয়াম্বনা পাইখৎলে। মণিপুর ষ্টেট মিয়ুজিয়ম অসি খৃ: ১৯৬৯ গী সেপ্তেম্বরগী তাং ২৯ দা ভারতকী প্রধান মন্ত্রী ওইবিরম্বী শ্রীমতি ইন্দিরা গান্ধীনা হাংদোকপিরম্মী। মিয়ুজিজম অসিনা মীয়ামদা উৎলিবা পোৎচৈশিংগী গেলরীশিংদি— ইথনোলোজিকেল, এনথ্রোপোলোজিকেল, নেচরেল হিসতোরী, খুৎজু খুৎলাইগী, আরটস অমসুং ক্রাফটসকী, জলালগী অমসুং অঙাংগী অসিনচিংবা। মণিপুর সরকারগী অতোপ্পা মিয়ুজিয়মশিং খরদি পনজরবদা— মোইরাংগী I.N.A. মিয়ুজিয়ম অসিসু শ্রীমতি গান্ধীনা ১৯৬৯ গী সেপ্তেম্বর ২৯ দা হাংদোকখিবনি। অতোপ্পা সরকারগী মিয়ুজিয়মশিং খরদি মণিপুর সরকারগী এগ্রীকলচরগী মিয়ুজিয়ম, সনজেনথোং এনথ্রোপোলোজি মিয়ুজিয়ম, ডি:এম: কোলেজ, এনথ্রোপোলোজি মিয়ুজিয়ম, মণিপুর ইউনিভরসিটি, বাইওলোজিকেল মিয়ুজিয়ম, মণিপুর জুলোজিকেল গারদেন, ইরোইশেম্বা, চিলড্রেন মিয়ুজিয়ম-কমদোল হাউস বাল ভবন, সোসিয়েল রেলফিয়ার ওফিস, খুমন লম্পাক লিভিং মিয়ুজিয়ম, সেক্তা খুল, মণিপুর সরকারগী আরকিওলোজি ওফিসকী মখাদা লৈবনি, মেদিকেল মিয়ুজিয়ম, রিজনেল মেডিকেল কোলেজ লম্ফেলপাৎ, মণিপুর ইউনিভরসিটি মিয়ুজিয়ম, পোলিস মিয়ুজিয়ম, মণিপুর পোলিস ডিপার্টমেন্ট, ষ্টেট কলা একাদেমী মিয়ুজিয়ম, খুমন লম্পাক অমসুং নুপী লাল মেমোরিয়েল মিয়ুজিয়ম, নুপীলাল কমপ্লেস অসিনচিংবা অসিনি। লন্নাইগী ওইবা অতোপ্পা মিয়ুজিয়মশিংদি— পোটরী মিয়ুজিয়ম অন্দ্রো খুল, মুটুবা মিয়ুজিয়ম কৈশামপাৎ, পিপলস মিয়ুজিয়ম

ককচীং, লুঙ্গং মিয়ুজিয়ম উখ্রুল, ওরেন্ট মিয়ুজিয়ম তমেংলোং, মোইরাং থাংজিং মিয়ুজিয়ম, মোইরাং, অমসুং প্রাইভেল মিয়ুজিয়ম শগোলবন্দ অসিনচিংবা অচুম্বমক ইনাৎকী পোৎচৈ থমজিনবা অমসুং য়োকখৎপদা মণিপুরদা মিয়ুজিয়মগী রোলনা খ্বাইদগী চাউনা পাংথোকই হাইবসি ঙসিগী মণিপুরগী লম লম খুদিংদা লৈবা মীওইশিংগী থৌদাংনা সাথি ওইরি।

মথংদা ঐহাক্না পুখচ্চরী জাতিগী মাংফদ্রবা মনাৎ কনবগী পোৎশক্তা শাগোন্নরিবশিংগী মরক্তা লাইব্রেরী অমসুং লাইরিকশিং অসিসু অমনি। লাইব্রেরী য়োক্খৎপা অমসুং চাউখৎহন্নবা হোৎনবা হাইবসি ঙসিগী মীরোলগী অচৌবা থৌদাংনি। ঐহাক্না ভারতবর্ষগী ইতিহাসকি লিখুনবু য়েংলগা ভারতবর্ষগী প্রসিদেন্ট ওইবিরম্বা ডা: রাধাকৃষনন্না হাইবিরম্মী মদুদি— 'অরিবা ভারতকী পরাম পরদা ওঝাশিং অসি লাইব্রেরীয়ান শিংনি'। অচুম্বমক অঙনবা মতমগী চাউখৎলম্বা সমাজশিং হাইবদি সিনধু সভ্যতা অমসুং এরিয়ান সভ্যতাদা ইউনিভরসিটি লিংখৎলকপা অমসুং মসিগী লাইব্রেরীশিং লৈরম্বগী প্বারী লীখুন ঐখোয়না ফংই। শম্না হায়রবদা 414 A.D. দা তখশিলা ইউনিভরসিটি, গনধরা সহরদা অহানবা লিংখৎলকই। অসিগুম্বা ইউনিভরসিটি অসি পৃথ্বীগী খ্বাইদগী হোৎনবা অমদি খ্বাইদগী ফবা ইউনিভরসিটি লাইব্রেরী অমনি হাইনা মতমদুদা শিংথানরমই। মরম অসিমক্না ঐখোয়গী অরিবা লাইব্রেরী কলকটাগুম্বা হিন্দুগী অরিবা লাইরিকশিং, পোলিটিকেল সাইন্সকী, লিটরেচরগী, হিদাক লাংথক্কি, ফিলোসোফিগী ঙসিদি নিংথিনা ফংলিবসিনি। অসুম্না পাটনাদা নলান্দা ইউনিভরসিটি অমসুং মসিগী লাইব্রেরী মতিক চানা লৈরম্বগী প্বারিশিং চাইনিজ লমকোইবশিং পঞ্জরবদা— ফা হিয়েন হিউয়েন সাং অমসুং আই-সিংনা ভারত্তা লাক্রম্বা চহিশিং ৩৯৯ A.D. অমসুং ৬২৯ A.D. শিংদগী খংবা ঙম্মি। ভারতকী ইতিহাসকী কাইফদ্রবা পেরেডশিং হাইবদি অঙনবা মতমগী ইতিহাস, ময়াই থংবা মতমগী ইতিহাস অমসুং অনৌবা ভারতকী ইতিহাসকি লিখুন পরেং লৈবনা লাইব্রেরীগী ইতিহাসসু অহোংবা কয়া লৈখি। মরম অসিনা ভারতকী লাইব্রেরীগী ইতিহাসকী য়াওলদা চাউখৎলম্বা লাইব্রেরীশিং পুমতোই তোইনা থুগাইখিবা য়াউদবা নংতে। বৃটিশনা ভারতকি মপু ওইরবদা মাংথ্রবা কলচরগী মচাকশিং নৌনা অমুক শেমগৎপা হৌরকখি। বুদস ইদুকেসন কম্মিসন লিংখৎলকপগা লোইননা অনৌবা ইউনিভরসিটি অহুম লিংখৎখি মদুদি— বোম্বে, কলকটতা অমসুং মদ্রাজদা লন্দন ইনিভরসিটিগী মওং লৌরগা লিংখৎখি। মসিনা মতম মতমগী মীওই কয়াগী, য়ুন্দুরেল কয়াগী পুন্সিগা শাগোন্নরবা চৎনলোল কয়া লাইরিকশিংদগী খংহনবা ঙম্মী। অসুম্না

২০ শুবা শতাব্দীদা নৌনা ইউনিভরসিটি হিংগৎহনবগা লোইননা লাইব্রেরীশিং নৌনা হিংগৎহনখি অমসুং ফগৎহনখি। মথংদা S.R. Ranganathan না নিংখা তন্নবা ভারতকী লাইব্রেরীগী ঈহৌসি হেনগৎহনখি অমসুং মসিগী মরু ওইবা মমি মিয়ামদা খংহন্নবা হোৎনরক্কি। ভারতকী লাইব্রেরীগী ঈহৌ অসি মণিপুরদসু ২০ শুবা শতাব্দীগী অগুনবা মতমদগী লাকপা হৌখি। ঙসিগী চপ চাবা লাইব্রেরী মীয়াম্না State Central Library হাইনা খংনরিবা অসি নিংখা তন্নবা মতুংদা খৃ. ১৯৫৮ দা লিংখৎখি অমসুং মীয়ামগী সেবা তৌবা হৌরক্কি। মণিপুর ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরীগী মখাদা চীংগী জিলা মগুদা দিসত্রিক্ট লাইব্রেরী মগ খৃ: ১৯৭৪ দগী মথং লিংবা হৌরকখি। মণিপুরগী লোইচি-লোয়াদা লৈরিবা ক্লবশিং, অমদি Voluntary organisation কয়াদা খৃ: ১৯৮৩ দগী রাজা রাম মোহন রোই লাইব্রেরী ফাউণ্ডেসন্না ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরীগী খুত্থাংদা লমদমসিগী অইবা কয়ানা ফোংবা লাইরিকশিং লৈবিরগা য়েনবিদুনা লাইরিক অমসুং লাইব্রেরীগী কান্নবা মীয়ামদা য়েনথোক্কি। হৌখিবা চহি ১৯৯৯-২০০০ ফাউবদা লম্লাই সংস্থানত ১২০দা খুদোং চাবা পিদুনা লাইব্রেরীনা কলচরগী লন য়োকখৎপদা লমদমসিগী মীয়ামগী সেবা তৌজরক্কি।

অরোইবদা নাৎ য়োকখৎপদা মরু ওইরিবা শরুক অমদি মী ওইবা জাতিনা মশা-মশাগী সমাজ শেমগৎলকপদগী য়াওরক্লবা জগোই ঈশৈ অসিনি। পৃথ্বীগী মচি-মচিদা খুন্দারিবা মী ওইবা কয়ানা মাগী-মাগী লৈফমগী ইরোইননা মশা-মশাগী Performing Arts কী মখলশিং লৈজে। মতমগী য়াওলগী মতুং ইন্না লম-লমগী জগোই-ঈশৈ অসি মফম-মতম অমদি অরি-অনৌ খাইদোরকই। ভারতকী ওইনা য়েংজববদা ঐখোয়না ঙসি উবা ফংই ফোলক দান্স অমসুং ক্লাসিকেল দান্স। মণিপুরগী ওইনা য়েংজরবদা ঐখোয়গী সরকারনা শক খংলবদা ত্রাইভ ২৯ অমসুং লেমহৌবা ত্রাইবশিংগী জগোই মখল কয়া অমদি মৈতৈশিংগী লৈশেম জগোই নত্রগা লাই হরাউবা জগোই অমদি রাজরশী ভাগ্যচন্দ্রনা হৌদোকপিরম্বা রাস জগোই অমদি হিন্দু ধর্ম্মাগী ঈশ্বরদা কৎলবা সংকৃটন অমসুং মসিগী জগোই ঈহৌ পুম্নমক য়োকখৎতুনা থম্লি। ঙসিগী মিরোল অসিনা ভারতকী ষ্টেট কয়াদা শক তাক্লি লমদম অসিগী কলা অমদি সংস্কৃতি। ভারতকী ষ্টেটশিংনা অমদি পৃথ্বীনা পিক্লবা লমদম অসিবু খংবিরি লমদমসিগী কলা অমসুং সংস্কৃতি। মসিনি লমদমসিনা ঈনাৎপু য়োকখৎপগী লারবা খুদমনি মীয়ামদা উচ্চরি।

●●●

SPEECH OF SHRI VED MARWAH, HIS EXCELLENCY, THE GOVERNOR OF MANIPUR, AT THE INAUGURAL FUNCTION OF THE 5TH MANIPUR STATE LIBRARY CONFERENCE & 8TH SEMINAR OF MANIPUR LIBRARY ASSOCIATION & 1ST EXHIBITION OF DONATED RECORDS OF STATE ARCHIVES, AT IMPHAL ON 10-8-2000

I am privileged to be in your midst today for the inaugural function of the 5th Manipur State Library Conference and the 8th Seminar of the Manipur Library Association. The topic of the seminar chosen as "Preservation and Conservation of Cultural Heritage of Manipur" has special importance in today's Manipur, and I am happy to know that The 1st exhibition of donated records of state archives is also being simultaneously organised.

Manipur has a long fascinating history. Since 33 AD the state was built and re-built on several occasions under different rulers, all of whom have left an indelible mark on the cultural evolution of the state. It is time that serious steps are taken to preserve and propagate this rich heritage in a systematic manner. The first and foremost requirement is the proper documentation of all the records. I am happy that a good beginning has been made and today in our midst we have several citizens who have voluntarily donated valuable records for the state archives. Similar exercise should be undertaken for the preservation of other facets of Manipur's rich cultural heritage. I must, however, caution you at this stage that collection of archives is not a very difficult task. More difficult task is its proper preservation. There have been instances where valuable collections have been ruined for want for proper care and attention.

A few days ago Smt. M.K. Binodini Devi met me to express an urgent need for the collection and documentation

of the works of eminent gurus. She mentioned that in the past the State Kala Akademi had made a beginning but sadly, much of the material collected was wasted because of inadequate attention to the complicated task. Apart from collecting and documentation of old records and artifacts there must be serious efforts to compile books on Manipur's culture. Books with illustrations on the 'Dances of Manipur' and the 'Festivals of Manipur' can be valuable addition to the knowledge about Manipur's culture. There is no dearth of experts in different cultural fields, but there must be an institutional mechanism to co-opt these experts to arrive at a workable action plan to disseminate knowledge about Manipur's culture.

As Dr. Radhakrishnan, while referring to learning, had said, "While we inhale; whatever we inhale, we have to exhale also." As and when we acquire knowledge we must learn to share it and to distribute it too. Libraries should become the fountain-head for dispersal of knowledge and learning.

I am happy to learn that the Manipur Library Association from the beginning has been organising a number of programmes, symposia, essay competition, seminars and conferences to create an awareness about Manipur's culture. It is a happy coincidence that during the seminar, the Manipur State Archives has agreed to organise the first exhibition of the rare documents donated by the families of renowned persons of Manipur. This hopefully will inculcate in the masses a sense of importance and pride in these rare documents. While I congratulate the Manipur Library Association for its excellent work to promote the library movement in the state, I believe much more still needs to be done to achieve its objectives. We need to spread the movement to all the towns and villages in Manipur. Its approach should be to reach out to every nook and corner of the state. Library has to act as a cultural agency

to make information available to all Manipuris even in its remotest part. But we need a comprehensive public library network in the state to do that. It is in this context that the Manipur Public Library Act 1988 and the framing of the Manipur Public Libraries Rules in 1996 assume special importance. I am told that till date they have not been fully implemented. I would urge the officials concerned to look into this and ensure early implementation of the Act and the Rules. I hope this item will be part of your discussions in the seminar. I have no doubt that the discussions during the seminar will up practical suggestions to popularise the library movement and find ways and means for the preservation and conservation of cultural heritage of Manipur.

My thanks to the organisers for inviting me and my best wishes for the success of the seminar.

[illegible]

1.	Khomdon Singh (Th), Ed. :	Library Science (Lib. Move) Part 1	[illegible]
2.	Khomdon Singh (Th), Ed. :	Library Science (Lib. Move) Part 2	[illegible]
3.	Khomdon Singh (Th), Ed. :	Modern Trends of Librarianship in Manipur	1996
4.	Khomdon Singh (Th), Ed. :	Retrospect and Prospects of Libraries in Manipur	1997
5.	Chaoba Singh (K), Ed.	Role of Library in Education.	1996
6.	Khomdon Singh (Th), Ed. :	Perspective of Public Libraries in Manipur.	[illegible]
7.	Jatiswor Singh (Ch).	Wireless [illegible] Ward.	[illegible]